শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র

মহাপ্রভু

য়াহেংবম গৌরচন্দ্র সিংহ


4992/MAN

— শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভু

মাহাক অমসুং মহাক্কী
ৱা থরা —

অইবা
ৱাহেংবম গৌরচন্দ্র সিংহ
শগোলবন্দ, মোইৱাংখুম লৈরক
ইম্ফাল

ফোংবা :

অইবা মশানা

অহানবা সংস্করণ আগষ্ট ১৯৯১

শুৎনম ১০০০ মমল লুপা ৫৫ ।

ছাপা তৌবা

ভাগ্যবতী কার্য্যালয়

চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্ক্স

ইম্ফাল

—ৱা থরদং—

—জগন্নাথ স্বামী নয়ন পথগামী
ভবতু মে। —

—বৃন্দাবন বিলাসিনী শ্যামকণ্ঠ হেমমণি
জয়রাধে।—

বৈষ্ণবদর্শনগী মৱমদা খ নিংবগী ৱাখল লাকপা ঐগী পুক্নিনা চাইথরক্লবা মতমদা থোকউরে। হিংনবগী লানফম্না পাকপনে, ঐগী মুংশিজরবা মণিপুর থংনিংবনে, স্বর্গীয় পিতৃদেবগী লমজিং মৈরা ইঙ্গানিংবনে তৌবনা মাবক্কৈ অসোমদা পুক্নিং কন্নহু চংলুদরে। অদুগা অশঙ্কবমক্তি হিংনবা লানফমগী অমদি লানকম অদুদগী কাম্নবা ফং-নবা মশক্কা রাধাকৃষ্ণতত্ত্ব থংজনিংবগী লম্বীগা পাক্না থেন্নবমক্কি। ঐশুন্না সংস্কৃতস্থ হৈহৌদবা, তম্বা থন্না অদুম্ন পান্না পুক্নিং চংওক্কবা মী অমনা পাক্নবা মপাল নাংত্রবা ঈপাক মহাসাগর আস য়ৌনবগী উপায় য়াম্না তাংগ্রবমক্কি। অদুগী মথক্তা অসিদি ইশাগী থাজবা, হোংনজবগী মথক্তা ভগবৎকৃপাস্থ চংই। শেল তাম্নবা হোংনবগী মশংনা মশং অদু ওইগ্রে। দর্শন অসি থংনবগী ঐনা তৌগদবা করিনো থন্দবা ন্নারক্রে।

সংস্কৃততগী বাঙ্গালানা থন্না হেন্না থংগত্রা থনবগা শ্রীচৈতন্যচরি-তামৃতগী মগুণ শন্না থন্না তাজবগা লাইরিক অসি লৈজুনা ইং শোক ১৯৭৩ গী নবেম্বর তাং ১৬ তা ইহান হানবা মশক উজরে।

শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত উজরে, য়েংজরে অদুগা পাবা ওইনস্থ পা-জরে। অদুবু মপানগী অর্থশিং থন্না নত্তনা মঙ্গং হুনবা থংবদি ৱানা থোক্লে। ঐগী ইষ্টদেব শ্রীশ্রীরাসেশ্বরীমদনমোহনজীদা

নিঙথৌনা অষ্টম অষ্টম হোৎনজবদা মোংমা মধ্যগী ৮ শুবা মতাং গোদাবরী তীর্থ মপান্দা শ্রীচৈতন্যদেবনা মনায় রায় রামানন্দগা প্রভুনা লৈংবা য়ায়না খুম্বা তত্ত্ব মশাং অতু পাবদা থরা নিংথিনা ভাব তাবগুম ভৌরে। মথংদা বৈষ্ণবদর্শন গ্রন্থশিং পাবদা হোৎনবদা মেতেং ওইগদবা অভিধাননচিংবা লাইরিক থরগা খিক্তিন্দুনা মথং মথং হেনগৎনা থরা ভাব তানবা ঙোৎনরে। চুম্বা লোলদা শিজিন্নবা ৱাৈংগী অর্থগা বৈষ্ণব গ্রন্থগী অর্থগ খেন্নবা রাহে য়াম্না লৈ। অদুনা দর্শন অসিতগী ওইবা অর্থ - (technical terms) শিং তাকপা ঙম্বা অভিধান চংই।

তাং ৩১ ১ ৮৩ ইংদা ৺পাণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু শর্মাগী জন্ম-দিবস কা মরি লৈনবা উৎসব অমদা ঐনা বা থরা তাংজবদা চতুর্বিধ ভক্তভাবকী বা থরস্থ (রায়বদি রামানন্দসঙ্গী) পঞ্জরই। মতুংদা নোংমা পণ্ডিতরাজগী মচাইবুঙেঙা অতোনবা শ্রীবাসুদেব শর্মা ইনাউ ইবুঙেঙো অসিনা ঐবু শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত মৈতৈলোন্দা হন্দোকউ য়াম্না চেকশীল্লবা, তৌদবা য়াত্রবা অমা ওইরে হায়না তাকপীরে। ঐনা হায়বিগন্নু ঐগা মতিক চানবা থবক নত্তে হায়জবদা য়াবিজহুনা ইনবা চেগা কোম্না পীরে। অছুন হন্দোকপগী থবক অসি পায়-থংখি। কবিরাজ কৃষ্ণদাস গোস্বামীগী কবিত্ব, তত্ত্বমপুল, রস পেরে ঈচেল, প্রেমঙৈথৌনচিংবা থাজনত্রবা ময়াম ঐনা করম পুথহুনা উৎকদগেনা ঐগী অক্ষবা বাথল ওইব্রে। অদুবু ভগবৎ কৃপানা চথজ-রক্তনা লোইরকদৌরে। থবক ইথৌ অসিনা থরা অমুক থংনবগী ময়ম ওইরগে। পণ্ডিতশিংনা য়ানরবনি শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী বা ইবা লাইরিকশীংগী মরুংদা অচুম্বা ওইনা লৌনরিবা অমসুং পুমহেল্লি য়ারিবা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতনি। শ্রীমদ্ভাগবত অমসুং বিষ্ণুপুরাণনচিংবা লাই-রিকশিংদা বিষ্ণুগী অবতারনি হায়না থারম্বা বৈষ্ণবদ (শাস্ত্র)

ব্রহ্মসংহিতানচিংবা অমসুং মতুংদা গৌড়ীয় বৈষ্ণব শাস্ত্রদদি শ্রীকৃষ্ণ খোইদোকপ্রবা অমদি পুমনো নৌবা বিগ্রহ নত্রগা মশক অমা ওইরে অমসুং রাধাকৃষ্ণ শেংনবা যাত্রবা মূর্তি ওইরয়ে। অসুম্না শ্রীচৈতন্য-চরিতামৃতগী শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবস্ত পুম্নো নৌবা মূর্তিনি।

গ্রন্থ অসি হোংনহুবদগী লাইরিক মচা অসি পুথোক ওইবনি। বৈষ্ণবদর্শন মহাসাগরগী তোর্বাম্দদি য়োজনীংবা য়াহৌ থেংথিবগা বুদ্ধি শোইরোম্বগা য়োশিনবা ওমত্রে ঐগী মম্বা মিয়েং অসিনা অরাপ্পদগী মশেল মরাং মঙাল থরা হরা উজবা নহনা শেংনা উনবগী পাম্বে লৈজদরে। উজবা, পামজবা, খংজবা, খরদং বৈষ্ণবশিং মাংদা থমজবদনি লাইরিক্কী মশক মওং কয়িস্তু হায়নিংঙাই লৈতে, কনা-গুম্বা পাবিবশিংনা পাহিরগা ঐগী হোৎনমন মহৈ য়ানগদবদনি ঐনা কয়া থাংবা পোং পীবা ওমগনি! অসিগুম্বা লাইরিক মচা খরস্তু পুথোকচনিংই অদুদা ঐগী ভগবান্না মতম অমসুং মচাক পীবিরগদি ওহগনি আশা তৌজে।

লাইরিক ছাপানম্বদা নীংবা থুংদবা খরদি লৈরে অদুবু লাইগী খুংশেমগা মীগী খুংশেমগা পূনশিনা তৌবনি। পাবিবা ইবুঙোশ ইবেম্মা, বৈষ্ণবভক্তশিংনা মক্কম চানা, মক্কম খংনা শিনজিন্দুনা, লৌ-বিহনা পাবিরবাদ ঐনা নিংবা থুংজরে লেপচগনি। অরোইবদা লাইরিক মচা কার লৈত্রবা অসি ভক্তবৈষ্ণবশিংদা উৎসর্গ তৌজরি নামানি, নামগুণ অহুতং লৌথৎপীয়ু

গৌর

হৌরম লমাই

অহান্‌বা শরুক

অনিশুবা শরুক

অহুমশুবা শরুক

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভু

নমো মহাবদান্যায় কৃষ্ণ প্রেম প্রদায়তে।
কৃষ্ণায় কৃষ্ণচৈতন্য নাম্নে গৌরত্বিষে নমঃ॥ শ্রীরূপ গোস্বামি।

— থোইদোক হেন্দোক্না থৌজালগী মশক ওইরবা, কৃষ্ণ প্রেম পীবিবা নংবু খুরুমজৈ। নহাক কৃষ্ণনি— নমিংনা কৃষ্ণ চৈতন্যনি, নচুনা অঙৌবা মঙালনি নংবু খুরুমজরি।

—মহাপ্রভু পোকপা—

বঙ্গদেশকী মমুংচনকা শ্রীহট্ট অসিদা মশক নাইবা মী নিংথিনা পোকখি। মাখোয়না মতম অমুগী মৈ মশিং তম্নবগী মরু ওইরম্বা, বেদ শাস্ত্রনচিংবা চৈংদা চংখোম্লবা নবদ্বীপ্তা তম্বা চৎপদা নত্তনা ময়ুম ওইনা লৈখিবা হায়না থোকখি। উপেন্দ্র মিশ্রগী মচা জগন্নাথ মিশ্র অসুম্না নবদ্বীপ্তা লৈখি। মাহাক মমিং লৈবা পণ্ডিত অমা ওইরম্মি। মাহাক্না মাদোনা তৌখিবা নীলাম্বর চক্রবর্ত্তীগী মচানুপী শচীদেবীবু লুহোংখি। মাখোয়গী অথং অথং মচানুপী নিপাল পোক্লগা পুম্নমক শিখি। জগন্নাথ মিশ্রনা মচা নুপা পোকহনবিনবা বিষ্ণু কম্না খুরুম-জখি। মাপলগুবদা মচা নুপা অমা পোকলে। মাহাকী মমিং বিশ্বরূপ থোনখি। মাহাক চাউরকলগা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌদুনা চৎখ্রগা কদায়দা লৈরে খংদনা অহুম মাংখি।

অদ্বৈতাচার্য্য প্রভু জগন্নাথ মিশ্রখোয়গী লোনগানি। মাহাক্না মতম অহুদা ওইরিবা তাইবং মীগী মতৌ উবদা য়াম্না য়াথি। পাপকী

লমচং মশ্নাশ্না লৈপাক অতু থুম্নাংলম্মি। মাসি উবদা মাহাক্না থাংবা ওমক্রহুনা ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু অবতার তৌবিনবা কৌজখি। শেংলবা গঙ্গাজলগা তুলসী মনাওগনা পোংচং ওইরহুনা মিংকী পিইনা পূর্ণাহুতি পীহুনা হুঙ্কারগা লোইননা মথবার শোক্না মবুঙেঙাবু কৌজখি। মনাইগী খোল্লাউদা থাংবা ওমক্রহুনা পূর্ণব্রহ্ম ভগবান গোবিন্দ যুগাবতারগী মতম ওইরকপগা পৃথিবীদা লেংথরকখি। হন্দক লেংথরকপা ইবুঙেঙা অসি শচীদেবীগী তরাওবা মচা ইবুঙঙা গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুনি। শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী অবতারগা অদ্বৈতাচার্য্যগা লৈনরিবা মরম অসি য়াদবা কাংবুস্থ লৈতবা নত্তে। মাখোংগী মোতনা তোপই। চৈতন্যচরিতামৃতনা অচুম্বনি হায়না মাসি চনখৎলম্মি। মহাপ্রভুগী মরমদা ইরম্বা পুস্তি য়ারিশিংদগী চৈতন্যচরিতামৃতনা খ্বাইদগী থাজকম খোকপা লাইরিকনি হায়না পূম্নমক্না লৌনৈ অমসুং মাসমক্ত ওইবা প্রমাণ ওইনবা (প্রমাণার্থ) লাইরিক্সিস্থ লৌনৈ।

থা তরাহুমদোই মমা ইবেম্মগী গর্ভদা লেম্লগা শকাব্দ ১৪০৭ খৃষ্টাব্দনা ১৪৮৫ গী লাইবককবী ফাল্গুন (ফাইরেল) পূর্ণিমা গৌড়দেশকী থাজত্তা অতুগা ঐখোয়গী থাজত্তনা লমতাগী থানিন্দা সন্ধ্যা য়াচংলকপদা থাবু শানা কংবা মতমদা, নবদ্বীপ অতিথা হরিধ্বনিনা থুম্নাংপা তাঙ্গা অতুদা নবদ্বীপচন্দ্র পৃথিবীদা থোংদাখি। সংকীর্ত্তন যজ্ঞনা পূজা কৎপা, স্বর্গগী মাগীতা ওইবা প্রেমগী লন, কমাদস্থ করিগুম্বা মতমদা পীখিত্রিবা থাকপা লৈজনা পীগে অমসুং হরিনাম শা কাওবদা য়েমবিগে লেংথরকপা প্রভুনা হরিনাম মরমাই ঙঁহৌবা মপা লৈত্রবা মুমিৎ অসিবু ওাইবদা থা তরাহুমদোই চুপ্না মমা ইবেম্মগী গর্ভদা ওাইবনি হায়বদা লাম্নিংঙাই লৈরোই।

'গ্রহণ' তৌববু মৈতৈনা 'শানা' কংবা হায়না শিজিনৈ। অহুনা শানা কংবা মতম অসিদা থাগীদমক য়াংনা মৈতৈনা খোজেল য়াংনা রাহু (শা) বু থাদোকউ, থাদোকউ হায়না কম্না লাওই অতুগা

নবদ্বীপতুনা হরি শোন্দুনা থাগী মতেং খয়া ওইসনু হায়রুনা লাওই। পৃথিবী লৈময়গী গৌরচন্দ্র অডোবা থা, মশেক থাংব্রবা থা উবদা অতিয়াগী থা মায়রিহং থাংবা ইকায়রুনা য়াহুদা লোৎপোই নিংলে। চিন্নবা চৈরক অসিদা কৃষ্ণদাস কবিরাজনা মাগী চৈতন্যচরিতামৃতদা রাগ পান্না শকখিবা মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা মতেক অমা মথাদা পীরি ঃ—

চীথৈ চীঙ্ নবদ্বীপ গৌরহরি-থা পুক্লপ,
থোকপীরবে চানবিহুনা।
অমম্বা পাপ মাঙ্লে, মরোল অতুম পেল্লে
জগত থল্লে হবি খোঞ্জেল্লা।
অদ্বৈত এতোং অসিদা, হৌগত্তুনা ময়ুমদা
জগোই হয়াওহুনা শাবে।
হাবদাস লেংইননা, ঙংবা কীর্ত্তন য়াওনা,
কবিশী শাবা কনা থংদরে।
গ্রহণহুদা নোঙ্না, থুনা গঙ্গাদা লাক্না,
ঈকজরুরে মা হয়াওনা।
গ্রহণদা থোঙ্গিন্দুনা, মশাদা কাউরহুনা,
ব্রাহ্মণদা দান তৌরে য়ান্না।
জগতনা হয়াওবা, উবদা পুক্লিং ওকলিবা,
ইঙ্গিৎনা উৎলি হরিদাসনা।
নংগী লীলা অ সওম্বা, উবমা পেনজনিবা,
লুংদা চেল্লি য়া খরা থুপ্না।
আচার্য্যরত্ন শ্রীবাস, পুক্লিংদা হয়াওজস,
চওুনা লুপ্লুরে গঙ্গাদা।
হয়াওবনা থুম্বাৎলে, হরি সংকীর্ত্তন তৌরে,
দান তৌরে খংহুনা পুক্লিংদা। —অসিনচিংবা।

'আশ্লিষ্য বা পাদরতাং পিনষ্টু মামদর্শনান্মর্মহতাং করোতু বা
যথা তথা বা বিদধাতু লম্পটো মৎপ্রাণনাথস্তু স এব নাগবঃ ॥'

অসিগী মক ওইবা অর্থদি— শ্রীমতীনা হায় মানা হেক ভুম ভুবা মথৈ মুপী য়াম্না পাম্বা, এক্তুবা অসিনা শরাবা পীজসনু মাহাক গী থরাগী মখুংতানা, অনিশুবা অমা ঐগী নৈতে

কৃষ্ণনা শান্দ্রিবাগী কুঞ্জদা শাক্তুগা চন্দ্রাবলীগীদা লেংখ্রে, অতুদা রাধাগী মান শংখে অতুদ মান অসংদ চন্দ্রাবলীগী মরাইবক কবদা কল্পরূপা মান - ঐনা শান নাংদু চন্দ্রাবলীনা কৃষ্ণবু নীংবা থুংহল্লা সেবা তৌবা অমসুং মুংং হবা পীবা ওম্মেই হায়না চীংনবগী মাননি। শান অসিদি মপা নৈলেদ্বীনি। বসর্কা পুকৈন খাইদগী শেংলবা প্রেমবু লৌকাবানি। গোপীমচাগী ভুলেন ইচেল চামা কাবীনি মথল মখাগী রসগী ইচেল মাংবীনি।

স্বরূপ গোস্বামীনা হেখ্রে—প্রেম মখল অহুম— মন্দ, মধ্য, প্রৌঢ়া। মন্দ প্রেমদা কাওক্রবা, পুকিং চোংবা য়াওই। রারবস্থ কায়নবা অতু থাংবা য়াদ, প্রেম অতু মধ্যনি অতুগা কায়নবা অতুদা থাংবা ওমত্রবা প্রেম অতুনা প্রৌঢ়ানি। বজ্জদা মধ্য অমসুং প্রৌঢ়া নৈ মন্দাদ নৈতে।

মানদা নায়িকা ধীরা, অধ বা ধীরাধীরা হায়না মখল অহুম থোকই। মানদি তৌরগা নায়ক অহুনা শাংদা অরাপ্পদ উবগা কক্ষম থাদোক্তুনা হৌগৎপা, মংগ যৌবক্লগা কিদা শাবা, মপাক্তা শাওরবস্থ মচন্দা খোঙজি তৈবা, অংকজন তৌপে চংলক্লবস্থ তৌজনবা, কাগি জুগাই তোরবস্থ অতুম অস্থা নায়িকা অতু ধীরানি আধীরাদি করম তৌবগে হায়রবু নায়ক অহুবু ওংনৈ, চৈ করিগুম্বদা নৈপক্কং। কাওবা পুল্লি। ধীরাধীরাদনা কারিগুম্বদা মগুণ শকই, করিগুম্বদা নিন্দা তৌই, কবক্তুম্বদা ওয় তৈনবা ভাংই, পুক্কিং থংজিন্দে।

নাকল অমদগী যেংলগা নায়িকা মুগ্ধা, মধ্যা অমসুং প্রগলভা ওই। মুগ্ধা মানদা মমাং খুমজিন্দুনা কপই, নায়ক অতুনা হায়জরগা হরাউই। মধ্যদা করিগুম্বদা থোংলি করিগুম্বদা ক্রং ক্রং লাউই। অতুপ্পা প্রগলভাদনা ভাবনা থোরকপা খংহৌদবা মচিন্দগী থোরকপদা হায়বা শুং-নৈবা মওং ওই। করিগুম্বদা সম্ভোগকী নরমদসু পুক্নিং চংদবা প্রগলভানি।

নায়িকাশিংগী ভাব অম্মা উংপা মওং লৈ। প্রখরা, সমা অতুগা মৃদু। মাগী মরা কৃপা য়াদবী অদু প্রখরানি। মরা ককপা য়াবী অমসু য়াদবী অনিমক্ত লৈবা অতুনা সমানি। মানা ভাংবা ককপা য়াবী অতুনা মৃদুনি।

মা মানা ওইজবা ভাব ভাব অতুগী নায়িকা ওইজসু গোপীগী মচংতি দোষ চেন্দবনি। মশাগী মুংভাইবা পাম্বা অমদি থীরুবগী দোষ চংদ্রবী গোপীশিংনি। অতুনা ভক্ত প্রেমগী মখা পোনবা প্রেমগী হকচাংনা য়োম্নবা কৃষ্ণদো গোপীকাগী শেংলবা প্রেম অসিগী রসনা যোংবাঙ্গবী হকচাংগী রস চুপ্পদো বুঝনা হরাওই। অতুদা প্রভুনা হায়য্, হায়য্ হায়না দামোদরবু থৌজিল্লক্লে।

গোপীশিং অসিগী মবেম্মনা শ্রীরাধিকানি। শেংলবা মেংলবা লংলবা বসগী পেবেম। অধিরুঢ মহাভাবনা তত্তনা থৌগনবী রাধাগী প্রেম্নি, তরাবন হম্না য়াদা হবা সনানি। অনুরাগনা অরোইবা ভমথৈগী অরোইবা মতাই কাওবা শন্দোক্রবদি মহাভাব হায়না থোনগ্রে। মহাভাবকী অধিরূঢ় মওংনা মিংকুপ্পদা মতম খরদং অদু দর্শন কংদবা থাংভমদে। বম্ম অমা চুপ্পা মিলন ওইরবসু ভাহাক্তনি খল্লি অতুগা কায়নবদা মিকুপ অমবু লোইবা নাইদবা মতম্নি খল্লি। নায়কা মুংভাইবা মতমদা অকায় অভোই করি লাক্কদগে খন্দুনা মাই অতুগা মশাগী অরা মুংভাইবগী মানা

পূমকাউ কাউথোকই। শ্রীমতী রাধিকাগীদা অধিরূঢ় মহাভাব অসিনা ওই। মাসিদা কয়ামুক শেংবগে হায়ববু মৈদা তন্নারক হন্না ফুদোংলবা সনাগুম অমোংপা পক্রবীনি। মাগী হায়ববু কৃষ্ণনা নুংঙাইবদা নুংঙাইজবীনি।

রাধা খংহৌদনা কৃষ্ণদর্শন ফংলগা ভাব ময়াম্না ফিজোল ওইদুনা নিংথিবংলকঈনি। হৌরকপবা ভাবশিংনা মৌঙ্গা, চকিত, ললিত, বিলাস, কুট্টমিত, বিব্বোক, মোট্টায়িত, কিলকিঞ্চিতনি। খংলবস্তু খংশিন্নদনা হংববু মৌঙ্গা কৌই। নুংশিথোইবা অদুগী মনাক্তা কীনবা করিগুম্বা অমতা লৈত্রবস্তু য়াম্না কীবা মালহন্দুনা উৎপা ভাব অদুনা চকিতনি। হকচাং লৈতেংবগী ভঙ্গিদা নিংথিজবা উৎলকপনা ললিতনি। নুংশিবগা থেংনরবদা মিৎতা মাইথোংদা নুংঙাইবগী নোংথাং লাকপা অদুবুনা বিলাস কৌই। হকচাং শোকপদা থম্মোইদা নুংঙাইরবস্তু রাহনবগা ভাব উত্নুনা শাওনা থনদাকপা (য়াদবা) অদুনা কুট্টমিত মমিংনি। নুপাদা নত্রগা নুপানা পীবা মনা মথুমদা থৌশাদবা উৎপা অদুনা বিব্বোক কৌই। কান্ত (নুপা) গী রা তাবদা নত্রগা মপান্দা রারিবা অদু থম্মোইগী লেংত্রবা নুংঙাইবনা কুপ্লগা থম্মবগী তোংনবনা মোট্টায়িতনি। হন্নাওবদা থোঙ্গবা, অপাম্বা, কপ্পা নোকপা, য়েংথিবা, কীবা অমস্তুং শাওবা ভাব তরেৎ অসি অমুক্তদা পুন্না হৌরক্লবদ কিলকিঞ্চিত ওই।

শ্রীমতী রাধাগী কিলকিঞ্চিতনা লৈতেংলবা মায়থোং অদু উবদা কৃষ্ণনা নুংঙাইবা সঙ্গমদা নুংঙাইবা অদুগী শরুক কোটিরক হেন্না নুংঙাই অমস্তুং শককম অদো তাক্লবা লোল লৈতে। মায়থোং অসি রাধাতদা ওইবনি, 'পূর্ণতম' হ্লাদিনী শক্তি ব্রজেশ্বরী কৃষ্ণপ্রেম্না মাহাকী হকচাং ওইবী মাঙোন্তদা ওইবনি।

অসি তাবদা কাগি ওই। শ্রীবাসনা হায়রকই 'করি মওংনো জগন্নাথনা তৌরিবা অসিবো? বৃন্দাবনগী লল থুমগী পোৎশকপু করি কয়িনো? লম অদুগী হায়নবু লৈ, উনা, উরি, মনা অনৌবা মতোল, চীংলৈপাক অদুগা রাহো'মত্ত। কমানা অদুদা নীলাচল থাদোকুনা চৎনিংবা হৌনবগে? অসিদনি, অসি থনবদনি লক্ষ্মীনা খোইশাওরিবা। জগন্নাথগী মহাও খ'নগী পাঙ্গল অসুক শোন-খ্রিবা ক'রননো? মাহাকপু অ'নগদবগী দমক মাগী ঐশ্বর্য্য, মরল মথুম সম্পতি পুম্নমক পুথোক্কনা পৈদুনা উৎলিবা অসিনি লক্ষ্মীনা। ঐবু থাদোক্কনা হযদা চৎপারিবনো মানা। অসিগী মথক্তা নংগী গোপীশিংদি করি কবি তৌই? যঙোম ভৌই, শঙোম অকম্বা মাথা চৌই তো। ঐগী লক্ষ্মী ঠাকুরাণীসে য়েংউ, মণিগী সিংহাসনদা রাণী ওইনা কম্মবা অসিনি।

'দুগ্ধ আ'উটে দধি মথে তোমার গোপীগণে।
আমার ঠাকুরাণী বৈসে রত্ন সিংহাসনে'।
যঙোম ভৌই, মাথা চৌই গোপীশিং নংগী।
মণি তাংখন্দা কম্মি ঠাকুরাণী ঐগী॥

দামোদরনা খুমহই- বৃন্দাবনদা মশানা লৈজরবা সম্পদ (সম্পত্তি) অসিপাক লৈরিবা অদুগী দ'য়ুক' বৈকুণ্ঠদা মরিক অমমম-তনি। বৃন্দাবনদা কুঞ্জলাম্বা—উবেশিংশিং মরল মথুক্তা নিংথাইরবী লক্ষ্মী ওাক্তনি। ক'গুনা —মবুৎওনা নুপা পুম্নমক্তগী থোইদোক্লবা ভগবান্ কৃষ্ণনি। মাগী লেফমদা লম লৈবা বৃন্দাবন ধাম্ন। লম অদুগী উ পুম্নমক কল্পবৃক্ষ—নীংবতা পীবা উগাক্তি, ষন পুম্নমক্তা কাম-ধেনু ওাক্ত। লৈপাক্তা চিন্তামণিগী মশক্তি, মণিনা লৈতেংনি, (চিন্তামণি নীংবতা পুম্নমক থুহনবা ম'ণ), ঈশিংনা অমৃত পৈদুনা থম্বতুর্ধানি। মফম অদুদা তাংন-থোৎনবা পুম্বা লাইরৈপাক্তা

ঈশৈনি। চখোৎচলকপনা ঙগোইনি। কল্পবৃক্ষশিং অদো মাখোয়-গী বনগী মরাম্রি চিন্তামণিগী লৈপাক অহুনা মণি৷ লৈতেংনি, চিন্তামণিশিংনা মানাই ওইনা চরণ লৈতেই। লৈ উই নত্তুনা কনানম্র অত্তোপ্পা লল পামদে। মশিং খংদ্রবা কামধেনুনা মকম অহুগী বন বন্দা চাই শ.ঙামতা মপীই লল, অতৈ থন্দে। চিদা-নন্দগী মঙালনা সুমিং থা ওইহনা মকম অহুদ মূর্ত্তি ওইনা লৈব-নি। মকম অহুগী লক্ষ্মীশিং লক্ষ্মীগী গুণ পুম্নমকপু ভস্নীনি। কৃষ্ণগী বংশী অহুনা সখীগী থবক তৌই। (লাউ চখোক চংশিন মকম মতম থংহল্লি)। চিদানন্দ মাংোয়গী চিন্তাঙ্কি মাখোয়গী মহাও চূপকম্মি। হায়বদি—

বৃন্দাবনে সাহজিক যে সম্পদ সিন্ধু।
দ্বারকা বৈকুণ্ঠ সম্পদ তার এক বিন্দু॥
পরম পুরুষোত্তম স্বয়ং ভগবান্।
কৃষ্ণ যাহাঁ ধনী তাঁহা বৃন্দাবন ধাম॥
চিন্তামণিময়-ভূমি রত্নের ভূবন।
চিন্তামণিগণ দাসী-চরণ ভূষণ॥
কল্প বৃক্ষলতা যাহাঁ সাহজিক বন।
পুষ্প ফল বিনা কেহ না মাগে অন্য ধন॥
অনন্ত কাম ধেনু যাহাঁ চরে বনে বনে।
দুগ্ধ মাত্র দেন কেহ না মাগে অন্য ধনে॥
সহজ লোকের কথা যাঁহা দিব্য গীত।
সহজ গমন করে নৃত্য প্রতীত॥
সর্বত্র জল যাহাঁ অমৃত সমান।
চিদানন্দ জ্যোতিঃ স্বাদ্য যাহা মূর্ত্তিমান॥
লক্ষ্মী জিনি গুণ যাহাঁ লক্ষ্মীর সমাজ।
কৃষ্ণ বংশী করে যাহাঁ প্রিয়সখী কাজ॥

বৃন্দাবন্দা মশাগী লৈবা লল-ঈপাক।
দ্বারকা বৈকুণ্ঠ লম্নি অহুগা মরিক॥

পুমক্নেন ফেম্বা নিপা ভগবান অদো।
লৈরিবা কৃষ্ণচন্দ্র বৃন্দাবনধামগীদো॥
চিন্তামণিগী লম মণি মুক্তা মকপ্পি।
চিন্তামণিশিংনা মনাই খোংগী লৈতেংনি॥
নীংবা পীবা উ-উরি মশাগী উমংচুম্ব।
লৈ উচৈ নত্তবা কপ্পি লম নিদে কনাম্ব॥
হাল্লবা কামধেনুশিং চাই বন বন্দা।
বনা নিদে লম অতৈ পী বস্ত্র শঙ্গোমতা।
চুম্না ভাংবা লোল অতুনা লাই-ঈশৈশনি।
চখাক্রকপদনা জগোইগী মথক্কি।
লমচুগী ঈশিং মাম্নি অমৃতগা পুম্বা।
চিদানন্দ মঙাল মূর্ত্তিনচুদা চুপ্পা॥
লক্ষ্মী হেন্না গুণ লখী কাংলুপ্পি অতুগী।
প্রিয়সখী মথৌ তৌই বংশীনা কৃষ্ণগী।

[মথক্কা সখী মশক তাকপদা প্রিয়সখীগী না, মশক উথ্রে। থোইদোক হেন্দোকপা ললিতা বিশাখানচিংবী পেঠাসখী হায়নবী মাখোয়গী তুংইনবীশিংবু প্রি সখী কৌই হায়বা য়াওথ্রে।]

বাধাগী লেংলবা রসকী না তাবদা প্রভু জগোই কৌগংথ্রে।

নোংমা অদ্বৈতাচার্যনা প্রভুবু মাগীদা লুক হাবিনবা নিমন্ত্রন কংলে। অতুগা মাহাক্না প্রভুনা হেক পাম্বা এমাং মখেল গুনা থোংলে মান মতাং অসিদা কপ্পি খল্লিবগে হায়বদু প্রভুনা সম্ন্যাসী অতৈগা লেংলক বদি লুক ইহা হারোই। অতুনা ঙসি প্রভুতা লেংলকক্রলবদি মু ঙাইনিদা খল্লি। প্রভু পুক থম্না হারবদি মাহাক্না পেজগদৌরি। অতুনা মখুৎমক্না লুক কৌবে।

মুমিৎ মুংলকপদা প্রভুনা ভক্তশিং পুন্না চাইথবা লেংথ্রে। মতম অসিদা খংহৌদনা নোংলুংশিং কম্না শিল্লজুন উফুলনা

মায়কৈ পূম্বা য়োমখ্রে। ময়াম অহু মকম খত্রহুনা মানা মানা থোকপা মায়কৈদা মকম খংদনা চেন্নখ্রে। প্রভুগা মতং ইগৌরে। অশোমদা অদ্বৈতনা লৈবা অদোমদা মরক থরদগদি চৌই। অদ্বৈতনা লুক থেনগৎলগা মথক্তা তুলসী মঞ্জরী শংপ্লহনা মপুক চপ মুংনা ধ্যান তৌরক্লে, অহুদস্থ প্রভু মতোমতা লেংভক্সন্ত, ঈশ্বরদো মতোমতা লেংলক্লবদি—পেন্না থুলহল্লিংভি খল্লিংউদা "হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ" শোন্দুনা প্রভু মতোমতা লেংশিল্লক্লে অদ্বৈতনা নতে মতা লাক্লবরা হংলে। প্রভুনা লাক্লবদি করি তৌগে! নংনাদি নোংমুংশিং হৈথহল্লে, নংনা নিবদি ভগবান্ কৃষ্ণনা মতম পূম্বনা কৈইথোকপা ওমদে, নংগী হুঙ্কারদা কপ্পদা মা লেংলবকইবনি

প্রভুনা মথেক নথেং শাক মরা খোংলেদা হায়রকই। শাকশিং নং পাম্বহুদা মত ভন্নাদ ঙংহনদে। -হা বদি মঙ্গোম পোথোক ঐ হৈনদে হায়বিববা? নদে, নত্তে - অন্তস্ত য়াওরি। ভক্তনা পেন্নগদা পেনবা মনাইনা শাক্লিংদৈ হংবে, নক্লে কায়বত্রে। ভক্তগী প্রেমগী রস অহু চুপ্পা চুপ্পা হায়রে অদুগা ঠাকপীরকই—

'প্রভু বলে যে জন তোমার অন্ন খায়।
কৃষ্ণভক্তি কৃষ্ণ সেই পায় সর্ব্বথায়।
আচার্য্য! তোমার অন্ন আমার জীবন॥
তুমি খাওয়াইলে হয় কৃষ্ণের ভোজন।
তুমি যে নৈবেদ্য কর করিয়া রন্ধন
মাগিয়াও খাইতে আমার তথ মন
প্রভুনা হায় নংগী চাক চাবা মী অহু।
কৃষ্ণভক্তি কৃষ্ণ পূমমক্তা ফংই মতম।
আচার্য্য নংগী চাক্তি এগী থরাগনি।
নংনা পীজরগা কৃষ্ণনা লুকথোরি॥

নহাকনা নৈবেদ্যব খোঙলগা শেম্বা।
ঐগী থন্নায়না পামজে নিঙ্গুনা চাবা॥
[বিষ্ণুদা দেবতাদা কৎননবা শেম্বা অদু নৈবেদ্যনি]

প্রভুনা লুক হাবা লোইরবদা আচার্যানা ইন্দ্রগী স্তব তৌরগা 'ঙসিদগী ঐ খংলে ইন্দ্র! নহাকসু বৈষ্ণবনি হায়না'। প্রভুনা 'করিগীনো ঙসি নংনা ইন্দ্রবু অস্তুক লুনা তৌরিবা'? আচার্যানা 'অদু খংলগা নং করি তৌনগনি?' হায়রুনা 'খংঙেদা ঐসু। ঙসিগী নোংমুংশিং অদু ইন্দ্রব নংনা তৌহনবনি, ঐ ইতোমতা লাকবা হায়রুনা। মাখোয় অতৈ য়াঙরকুবদি ঐবু য়াম্না পীজবা য়ারোই হায়রুনা নংনা তৌবনি। মন্ত্রনে? অদুদা ঐনা খল্লিবদি ইন্দ্রনা অসিগুম্বা আজ্ঞা - 'য়াথং পীবা ঙম্বা নংগী শক্তিসি কদায়দগীনো? যম, কাল, মৃত্যুবু শিজিন্নরিবা, মাগী য়াথং মাখোযনা মকোক থোংনা লাংবা নিপা অদুব নংমা করম শিজিন্নরিবা, নংগী পাঙ্গল অসি কদায়দগীনো?'

'ঐগীদি ভক্তিগীদগী পাঙ্গল। মতম পুম্বা ঐ নোংশানি নঙোন্দা ভক্তি পঙ্গন্না' হায়রক্লে আচার্যানা

প্রভুনা মতেক মতেক ওইনা তকপীবসু য়াম্না নৈ। মনাই-শিংগী ব্রা হায়বদা মঙ্গল ওইবদর হংই; অদুগা মঙ্গল করিনো তাকপী।—ভক্তি লৈবা মীয়ামক অদুগী তত্তুনা মঙ্গল ওই। ভক্তিবু য়াঙরবাদা শিংথো ওইসনু মঙ্গল ওইদে অদুগা লাইর-বগীসু ভক্তিবু লৈরবদি মাগীসু মঙ্গলনি।

'অন্ন-খাদ্য নাহি যার দারিদ্রের অন্ত।
বিষ্ণুভক্তি থাকিলে সেই সে ধনবন্ত॥'
ঙসি চানবা লৈত্রবা লায়রবা পন্থংনি।
বিষ্ণু ভক্তি লৈরবদি মা ইনাক শুনবনি॥

কনাগুম্বা ব্রাহ্মণনা ভিক্ষাগী দমক নিমন্ত্রণ কৎলরগা প্রভুনা

তাকপী "চৎলো নং হান্না লক্ষগী মপু ওইরুখো অহুগা নিমন্ত্রণ লৌগে।" ব্রাহ্মণ কপ্লে—'লিশিং তানবা ঙমদবা ঐনা বদাগ্নদগী লক্ষ (লাখ) তানবা ঙমগনি'—প্রভুনা ঐদি লক্ষ মপু নত্ত-বদদি নিমন্ত্রণ লৌদে তাকপীরে। 'লক্ষী মপু লক্ষেশ্বর' হায়বদি থংলব্রা ?— নোংমদা নাম লক্ষ অমা লৌবা অহুবু লক্ষেশ্বর কৌই। লক্ষমী মপু—[মালা জপ তৌবা মৈতৈনা লীক্ চংপা হায়না কৌবা অসিদা মরু কয়ানা কয়া কয়ারক চৎপবু করি করি কৌবগে হায়বা মথাদা উৎলি।

মালা নত্রগা লীক হায়রিবা অসি তুলসী কাষ্ঠ—তুলসী পাম্বী অকংবনা খেৎপা মরু ১০৮ না শেবনি হায়বদি শেংবা মালা-লীক্লি। মরু ১০৮ অসিবু অনমমতা ওইনা নাম শোনববু কেয়া অমা কৌই লোইনবগী নতুদা, তৌখিবা মরু অহনবী চনুনা অমুক শোনবা তৌগনি অহনা ১০৮ গুবা অসিদা হনকয় ওইরে হায়বদ 'কেয়াগী' মরুন ওইরে। অসুম্না নাম শোনবদা কেয়া মনি গুনগা গ্রন্থি লৌনে—মনুস অমা ওইরে। গ্রন্থি অসি ১৬ গুনা শোল্লগনা লীক চংলগনা লক্ষ অমা শোনবা কৌরে। মশিংবা পারবদা ১০৮ না কেয়া অমা ৪৩২না গ্রন্থ অমা মতৗ ৬৯১২-না লক্ষ অমনি নাম লক্ষ অসি নোংমদা লৌববু প্রভুনা 'লক্ষেশ্বর' কৌখিবনি]। অসবু লক্ষী মপু কৌই। 'ব্রাহ্মণনা অহুদি ঐ লৌরুরগে। নংনা নিমন্ত্রণ লৌবিব্রবদি ঐগী পুম্বানবনী ধর্ম্ম পুম্মাং মাংঙসল্ল তৌবনি। অসুম্না প্রভুনা নাম শোলহাল্লবী।

'ভক্তি লওয়াইতে শ্রীচৈতন্য অবতার।
ভক্তি বিনা জিজ্ঞাসা না করে প্রভু আর॥
চৈতন্য অবতারনি ভক্তি লৌহনবা
হংদয়ে ব্রা অমা প্রভুনা ভক্তি নত্তবা॥

নিত্যানন্দগা অচিকপদা কময়ুনা মহাপ্রভুনা য়া তান্নখি। প্রভুনা নথোয় পূম্নমক হৌজিক হল্লো, প্রেম ভক্তি য়েন্নুরো—অদুগনে চহি খুদিং রথযাত্রাগী মতমদা নীলাচলদা লাকুনা ঐগা উন্নসি। অসুম্না চৎনবগী য়ুম্মিৎ লেপ্লরে। পূম্নমক প্রেম তৌন-রক্রে।

প্রভুনা আচার্য্যদা হায়রকই 'চণ্ডালদা কাওবা কৃষ্ণভক্তি পীয়ু। ভক্তিদদি শাগৈ জাংকী য়া চংদে, ব্রাহ্মণগা চণ্ডালগা খেন্নদে। তোল্লবা পাপী কাওবগীনি কৃষ্ণভক্তিদি।' অদুদগী নিত্যানন্দদসু য়াথং পীরক্রে। 'কংবা য়াবা য়াদবা, পীবা য়াবা য়াদবগী য়া প্রেমভক্তিদা চংদে। প্রেম ভক্তিদা বিচার তৌবিনবা লৈতে। পৌরোল পূম্নমক শত্তুনা প্রেম ভক্তি পীগ-দবনি। প্রেম মন্দিরগী থোং থিঙ্গদবা নত্তে। পূম্নমকী দমক থোং লাউনা কাংকদবনি।'—

প্রভু বলে শুন নিত্যানন্দ মহামতি।
সত্বর চলহ তুমি নবদ্বীপ প্রতি॥
প্রতিজ্ঞা করিয়া আসি আমি নিজ মুখে॥
তুমিও থাকিলা যদি মুনি ধর্ম্ম করি।
আপন উদ্দাস-ভাব সব পরিহরি॥
তবে মূর্খ নীচ যত পতিতসংসার।
বোলো দেখি আর কে বা করিবে উদ্ধার॥

প্রভুনা হায় তাও নিত্যানন্দ পুককবা।
থুনা তৌরো নহাক নবদ্বীপ চৎনবা॥
য়াশকপ্রবনি ঐ ইচিন অসিমক্তা।
পংল-তোল্ল-নংলবা তাউনবা প্রেমদা॥
লৈথোক্লবদি নহাকসু মুনি ধর্ম্মদা।

লোইনা থাহনা কল্লবা ইরাং নপুক্তা ॥
সংসারগীশিং পংলবা-তোল্ল-তারবা।
হায়রু তাল্লি কনানো মাথোয় কন্নবা॥

মথক্কী মতেক অসিদগী থংবা ওয়দি প্রভুগী য়াংলবা য়াখল, তৌগে নিংলক্লিবা মথো, সংসারগী মঙ্গলগী দময়িক। শাগৈগী, জাংকী মথক মথানা সমাজদা পীরিবা অকায়বা পুন্নমক কোকথো-কপীনবা প্রভুগী থংওমজ্রবা মচৎনি ব্রাহ্মণ থংদে, চণ্ডাল থংদে, নামবু শোঞ্জরবা, প্রেমদা চংজবা ওয়বা মাহাক অমত্তুং য়াভোন্দগী য়াংনবা কনা লৈতে তম্বীরিবনি। য়েংসি, হরিদাস ঠাকুরনা প্রভুগী ভক্ত মকোক্লি অহুগ। মচিনমক্লা তাকপীরম্মী হরিদাসতগী নাম শোনবা ভক্তি তম্বনি। পতিতপাবন - তোল্লবনদা কৃপা পীবিবা-নাম শোনবা, প্রেমভক্তিদা লাক্লিবা পুন্নমক্কী মশক নাইখিদবা শ্রীচৈতন্য-দেবনি। অহুনা—

মূর্খ নীচ পতিত দুঃখিত যত জন।
ভক্তি দিয়া কর গিয়া সভার মোচন ॥
পংলবা তোল্লবা তায়বা য়াববা পুম্বা।
ভক্তি পীহুনা চৎলো তৌকয়ো লাঞ্জনবা॥

হায়না প্রভুনা নিত্যানন্দদা শিন্নখি।

প্রভুনা শ্রীবাসবু বিদায় পীবদা কোল্লহুনা হায়রকই 'নংগীদা কীর্ত্তন নিত্তি তৌবা অহুদা ঐ য়াওগনি। ঐবু কনাসু উবা কংলোই নংতনি উগদবা। অহুগা প্রসাদীকি অসিগা পুখো ইমাদা পীয়ু প্রসাদ পুম্বা অসিগা। মতাং অসিদা প্রভুগী পেন্দবা অয়াবা মওং অমা তৌই অহুগা হায়রকই— 'ইমাগী সেবা থাদোক্তুনা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌরুবা অসিগী ইমাদা

ত্তাকপীবু হায়রু। মমাগী সেবাতনা মচাগী মপুং ওইবা ধর্ম্মনি। তাও শ্রীবাস, অশুওবা মচাগী মনানা অশুওবা মচা অদুবু ত্তাকপী-রোইদরনে ? ঐগী বাসে ইমাদা হায়রু ঐবু ত্তাকপীয়ু হায়রু। ঐনা সন্ন্যাস লৌরুরিবা অসিগী কারণ ঐ খংবা ওমদে।—প্রেম হাপ্নবা লল অসিদি ঐ ইশাগী ললনি। মেংডোই, ঐ নিত্তিগী ইমা মেংবা চংলি নবদ্বীপ্তা, অদুরু ইমানা ঐবু উরবসু উদে। ইমানা খল্লি-বনা রাখলনা হেন্মনখিবনা ইমানা উরিবা রাখলদগী ওইরকপা মনিনি। বালগোপালগী লুক কয়ারক চারে, ঐবু উরবা-মক্তদা রাখস তোপ্তে। — কনানা চাথোকখ্রে, চারুক তক্লা চাথোক-খ্রে। অদুদি গোপালনা চাপ্রবরা নত্রগা হুইনা চাপ্রবরা ? নত্রগা ঐনা লুক থেনগৎপা কাউথ্রবরা ?— অসুমতা খল্লি।'

শচীমাতাগী বিষ্ণুভক্তি লৈরবা প্রভুনা হংউবদা স্বরূপ দামো-দরনা শংউদুনা খরা পাইখি। 'নত্তোন্দা লৈরিবা বিষ্ণুভক্তি পুম্বা ইমা অদুগী শক্তি অমসুং থৌরাংনি। বিষ্ণুভক্তি কৌরিবদো শচীমাতানি। ভাবকী মওং পুম্নমক মাহাক্কী মশাদা অদুগা শ্রীমুখদনা হরিনাম ইমাগী।' প্রভুনা মনাই চেজেং কোল্লগা "নংনা ঐগী পুক্নিংগী রা পুম্নমক কোংলে। ঐগী ভক্তিগী লল ইমাদগী ফংবনি। ঐনা মর্ত্ত কোইহরিবসে ইমাগী ই দগীনি। ঐ অসে অদুনা মতম পুম্বদা মাত্তোন্দা পুল্লবনি, অদুননিনে ঐনা ইমাগী নাক্তা ইক্তওনা লৈরুবিবা'

সত্যরাজখান অমসুং রামানন্দবসুনা 'ঐখোয়দি সংসার, লল থুম তানবা মীনি। ঐখোয়গী সাধনদি করিনো।' হংবদা—প্রভুনা 'কৃষ্ণনবা বৈষ্ণবসেবা অমসুং নাম সংকীর্ত্তন্না নখোয়গী সাধন্নি' — তাকপীখি।

'বৈষ্ণবপুদি করম্না খংগনি ?' হংথরকপদা প্রভুনা তাকপীখি

'মচিন্দগী কৃষ্ণনাম তাবা ফংবা মাহাক বৈষ্ণবনি। মাহাক পুম্নমকী পুম্না তৌকন্নি, খুৎইদগী থোঃইবনি। কৃষ্ণনাম অমত্তদা পাপ পুম্নমক মাং থি। নাম অসিদগী নববিধা ভক্তি মপুং ফাই নাম অসি শোনবগী দমক লাইমিং লৌবা, পুরশ্চরণ তাইবা চংদে। পুম্নমক ময়েক শেংনা হায়ত্রবস্তু কাযদে। লৈবেংদা অমুক্তংবু শোকপ্রবদি, চণ্ডাল কাওবা অহূম লানথ্রে। [মন্ত্র অমা ফংলগা মাহূ সিদ্ধ ওইননগী দমক হৌনবী'তৌবা অহূবু পুরশ্চরণ তৌবা কৌই। প্রভুগী মওং অসিদা উন্নিবনা যুগ অসিগী মীনা পুম্নমক ওমজবা মাবগী কীবমদা পুন্নাই লাইথোকহল্লে। নাম অমস্তুং নাম সংকীর্ত্তন্না লোইরে হায়না অমস্তুং কলিগী সাধন্নি তাকপীরে]। অহূনা প্রভুনা —

অতএব যার মুখে এক কৃষ্ণনাম।
সেই বৈষ্ণব, করি তার পরম সম্মান॥'
অহূনা মাগী চিন্দা কৃষ্ণনাম অমবক।
বৈষ্ণবনন্না, তৌনৈ সম্মান মাহাক॥

প্রভু বৃন্দাবন লেংবা লেপ্লে। বৃন্দাবন লেংবদা গৌড়দেশ কাওক্লনা লেংগন তাকপাবে। গৌড়দেশশা ঐগী পুক্নিং অসিদগী লাপথোকহনবা যাত্রবা চীংশিনব। মমনৈ —ইমা অমস্তুং জাহ্নবী। অনিমক অসে থৌজালগী ঈচেলন, চান্‌বীবগী তুংনকন্নি। ঐগী চংজকম অনিদনি —ইমা অমস্তুং জাহ্নবী অহূনা। মাথোয় উজনবগী ঐ গৌড়দেশ চৎলিবনি।

রামানন্দনা মহাপাত্র অনিগা থিন্দোকপা লাক্লে। ভক্ত অতৈ কয়াম্ব য়াওরক্লে। অহূদা গদাধরগানা কমদৌবা?

গদাধরদি গৌরাঙ্গ থাদোক্তুনা নিকুপ অমা কাওবা লৈবা ভল্মোই। নিত্যানন্দপাদ প্রভু থাদোক্লগ্রে অহূগা মাদি লাপ্না

লৈনবা ঙম্মোই। অদুনা গদাধরসু চৎপা য়াওগনি হায়রে। গদাধরনা প্রভু থৌগল চৎলগনি কন্না তকশিল্লক্লবদা প্রভুনা হায়রকই 'নংনা হায়বিবা অসিদি নং ক্ষেত্র সন্ন্যাস করম্না থাদোক্কে হায়রি—অদুদি নং থাদোকপা য়াদে, অদুনা নীলাচলদা হল্লো।'

গদাধরনা রাশকথি, মাহাক পুন্সি চুপ্পা শ্রীক্ষেত্রদা লৈগনি। অদুনা মানা অতোপ্পা মফম অমদা চৎপা অথিংবা ওইরবনি। মাসি প্রভুনা মাবু নীং'শংহল্লে। গদাধরনা অদুদা খুম্মকই 'নংনা লৈবা মফম অদু নীলাচলনি। অদুনা নংগী মনাক্তবু লৈরবদি ঐগী ক্ষেত্র সন্ন্যাস হায়বদু ওইরবনি। ক্ষেত্র সন্ন্যাস অতোপ্পা অমা ঐগী করিসু কায়দে। গৌর লৈতবা শ্রীক্ষেত্রদা ঐ লৈতে অমসুং লৈরোই।'

'অদু করম্না ওইগনি? নং গোপীনাথকী সেবা চংলিবনি। সেবা কনানা তৌগনি? নং চৎপা য়াদে। সেবাদা কায়গনি।'

'নংগী খুয়া থম্বাল অদু উজবদা ঐগী কোটি বিগ্রহ সেবাগী কল ফংই' গদাধর মথা তাথদবে, থোংকাপ হেক্না কানথবে। সমুদ্র মপান্দা যমেশ্বর টোটাদা গদ'ধরগী শ্রীক্ষেত্রদা লৈফম্নি। নুমিৎ খুদিংগী চৈতন্যদেবনা মফম অদুদা গদাধরদগী ভাগবত তাই। অসুম তৌবা অসিদা নোংনা লৈভোই মথক্তা কম্নগা কৃষ্ণগী ম্না অসুম তাবদা খুং য়েৎনা লৈভোই অদু অসুম থোক্তুনা প্রভুনা কোম হুৎলদুনা শাম্নে। অদুম তৌবা অদুদা চৃড়াগী মতোন থবা উরে। 'থোংলো লাও থোংলো লাও হাযদুনা গদাধরদা লাউরক্লে। প্রভু তথক তথক্লে অদুগা তাকপীরকই 'য়েংঙো লাও কনানো অমা অসিদা লোক্তুনা লৈরে। নংগী দমক লেংথোক্লকদৌরে।' অদুদগীদি মপু মনাই চংদুনা থোংলে—থেংনরে গোপীনাথ মপু মনাইনা।

তাকপীরকই—' গদাধর, গোপীনাথ সেবা নং কংজরো' দর্শন তৌরগদি গৌরহরি অহুনা অমুবা বংশীবদন গোপীনাথ ওইনা লেংথোক্লকপা ওইরে।

গদাধরনা রাশক অনি শকথি ; অমনা মাহাক ক্ষেত্র সন্ন্যাস ওইগনি অহুগা অমনা গোপীনাথ সেবা থাদোক্লেদি। মাহাকী ক্ষেত্রসন্ন্যাস হায়বদি মাহাক ক্ষেত্র কৈদোঙৈদা থাদোক্লোই। ক্ষেত্র থাদোক্নুনা কদাইদসু চংলোই। মাহাক্না সেবা চংথ্রিবা গোপীনাথ পু টোটাগোপীনাথ হায়না পংঐ। যংমখর টোটাগী বিগ্রহনি হায়হুনা অতুম থোনখিবনি। মাহাক্না রাশকলুরিবনা প্রভুনা নীলাচলদা লেংশিল্লবা অহুদা মতম পুম্বা প্রভুগী নাক্তা লকনা লৈরগনি অসিগী ভাবতগীনি। প্রভুনা মতম কুইনা নীলাচলদা হায়বদি ক্ষেত্রদা লেংশিল্লগদবনিনা মাসু প্রভুগী মখি ওইনা লেংদনা লৈহবা কংলগনিগী আশাদনি। মাহাক্না শিংথবনি থনবহ্ কায়রে। প্রভুনা লেংথ্রবদা ক্ষেত্রসন্ন্যাসী করম হিংহৌগনি? অহুনা মা প্রভুগী তুং ইনগে লেপ্লে। প্রভুনা ক্ষেত্রনি মাগী, মাগী ক্ষেত্র অসিদা মাগী সন্ন্যাসনি।

প্রভুনা 'ঐগী দমক গোপীনাথ সেবা থাবা মাদে, সেবা থাদোক্নুনা ঐগী দমক লাক্লবদি ঐগীসু অপরাধ ওইগনি। ঐগী দমক্তা নংনা থনবা ওইরপদি হল্লো গোপীনাথ সেবা তৌরু। অসিনা ঐগী নু ভাইবা পেনবা ওইগনি' 'নগা চত্রবসু ইতোমতা চংকনি' হায়হুনা গদাধর হায়রে। অতকপনি গদাধর মতোমতা চংলে মা খোংবু থারে, সেবা থারে, দর্শন থারে।—

'পণ্ডিতের কৃষ্ণপ্রেম বুঝন না যায়।
প্রতিজ্ঞা কৃষ্ণসেবা ছাড়িল তৃণপ্রায়॥
পণ্ডিতকী কৃষ্ণপ্রেম ভমদে খংকম।
রাশক্না কৃষ্ণসেবা থাবনা নাপীওম॥

মাদি ওসাইনা হায়গে মাহাক করিস্নু থাদে। প্রভু লৈবা মফম শ্রীক্ষেত্রনি অদুগা প্রভুগী পদ দর্শন্না কোটি গোপীনাথ সেবাগী কলনি।

গদাধরনা লাক্লগা কটক গৌরবদা প্রভুনা খংলদুনা হায়রকই— নংনা কটক তাম্না লাকপা অসিদা নংনা লেপচবা অনিমক সিদ্ধ ওইরেদনকো ? নংগী পান্দমফম অনিদি অমনা ক্ষেত্র থাদোকপা অমনা সেবা তোকপা। নং নীলাচলসু থারে গোপীনাথসু সেবা তোত্রে অদুনা নংগী ধর্ম্ম অনিমক মাংগ্রে।' গদাধর খুমকই "লোইনা মাংজখিসনু, নংতা লৈরগা লোইরে।" পুক্লিংদা পেল্লবসু নপান্দা প্রভুনা হায়রকই "অদুনা নংনা পাম্বদি নংগী মুংঙাইবতনি, ঐগী মুংঙাইবগীদি কারিসু খত্রে। নংগী ধর্ম্ম অনি অসি মাংখিবদা ঐনা রাবা করি খুংলাইনা ওনগনি ? ঐগী মুংঙাইবগী দমক ওইরবদি নীলাচলদা হল্লো' হায়রগা প্রভু হিদা লেংখৎখরে— 'অদুগা হায়রিবা অসিনি মথা তাররুবদি —' তাবদা গদাধর রাপ্পদুনা তাগ্রে। ভুনা সার্ব্বভৌমদা 'মাগী ক্ষেত্র শ্রীক্ষেত্রদা পুগ্রো মাবু। হায়রম্লগা লেংগ্রে।

সার্ব্বভৌমনা হায়রকই 'হৌগৎলো। প্রভুগী লীলানিনেসে। য়েংউ ভক্তনা খুদম চনবা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণ মনাই ভক্ত ভীষ্মগী রাশক ঙাকহন্নবা মশাগী রাশক থুগায়খি"। কুরুক্ষেত্রগী লান্দা খুংলাই পাইরোই শ্রীকৃষ্ণ লাল মামবদা মাওরোই অতৈ, মতেং পীগনি হায়না শ্রীকৃষ্ণনা রাশকখি, অদুগা ভীষ্মনসু কৃষ্ণবু খুংলাই পাইহনগনি রাশকখি। লানকমদা ভীষ্মগী তেম্না অর্জ্জুন য়োমশিনখিবদা অর্জ্জুন লিংখোক্লবগী মায়কৈ লৈরক্রবদা কৃষ্ণ দোলাই চাকা অমা পাইরদুনা ভীষ্ম তাম্না হাংকে চেনশিনখি। মশাগী রাশক থুগাইদুনা মনাই ভক্তগী রাশক ঙাকহনখি।

'গদাধরগা কায়নবা ঐভোন্দা খাংভনদবা অহাবা ওইরবস্থু মাগী রাশক ঐনা ভাক্নবা য়াদে' হায়রবা প্রভুনা শিনখিবনি।

চন্দ্রবংশগী লংলবা মুমিৎ ইন্দ্রিবু জয় তৌবা, ধর্ম্ম চেনবা গঙ্গানা পোকপা শান্তনুগী মচানুপা দেবব্রত মপানা মুংভাইবদা য়ৈখায় থিনগাইবা লৈতনবা মুপী থিরোই, নিংথৌ ওইরোই হায়না রাশকখিবা অমসুং রাশক অসিদগী অওকপনি হায়রুনা ভীম মিং-থোল সংসারনা পীখিবা, ভীম্মনা কুরুক্ষেত্রগী লালদা শ্রীকৃষ্ণ খুৎলাই পাইরোই রাশকপদা মাহাকপু পাইহনগনি রাশকখি অমসুং ভক্ত অসিগী রাশক ভাকহনখি হায়রবা মথক্তা পনগ্রে। ভীষ্মদেব অসিবু মপানা 'ইচ্ছা মরণ' শিনিংবা কালদা শিবা ওম্বগী বর পীরম্মি। অরোইবা মিৎ উইশিল্লমদাইদা গঙ্গাগী মচানিপানা কৃষ্ণগী স্তব তৌখি— ধর্ম্ম মওং কয়ানা ঐগী খুৎলাই ওইহুনা পুক্নিং লাকশিল্লবগী মশক ওইনা নিষ্কামগী সাধন তৌজবা পুম্বা মনাইবু চানবিরবা ভগবান্দা কৎচরে। চেংলবা খ্বাংদা সনা ফিগে অভাংবা থোনবা, মাইথোং থম্বালদা খোইখোইবা শম্না মথং মনাও নাইনা চাইথরকপা,'রারক্তগী ভয়াল অভাংবগুম, নৌনা হন্দোক্লকপা মুমিৎ-কুম মিংকম হোংবা য়াদনা কয়াদা নিংথিজপ্রবা! ঐগী নিনিংভাই কন্নি লৈজদে, লৈজরিবা অমতংদি মনাই চানবিপ্রবা ভগবান্ অসিদা ঐগী লেংঙ্রবা পুক্নিং লৈজবা অসিদদি পীনবীয়ু। মা গাণ্ডীব পাইবা মপা লৈত্রবা অর্জ্জুনগী মরুপ্নি—মনাইগী মিচং কনপ্রবা পরমপুরুষনি। মাগী মুরৈনবা হকচাংনা মরোল অহুম শুম্নংলি। লানকমদা অর্জ্জুনগী শারথি কৃষ্ণগী কুংলবা শমদা শগোলগী মখোং-দগী হাইগৎলকপা উফুসনা পুমকুপ ফুপ্না, সনা মায়থোংদা হুম্মাং মরিক্না থোগনবা, লাল অতদা থোরবা ভেল ময়াম্না থোগনবদা লাল-ফুরিৎ-শাইপকপদা ঐনা চেম্বা কয়াদা নিংথিপ্রবনো! মাভোন্দা ঐগী পুক্নিংনা লেংদবা ওইজসনু। মরুপ অর্জ্জুনগী মীচং কয়া কক-

থবে। লানকমদা মৈশক তুংশাক্কী থেংনমি ফাওনা চংলক্লগা মাংহাক্লা পুম্মক্কী পাঙ্গল হুথবগি, মাহোন্দগী শ্রী পুক্কী লৈনোক্তনা লৈরম্মি। অর্জুননা যেক্লবা মাংখদা রূপ মপাং শগে নাতৈ মহাম উবদা হুৎশিন্দনো অমহক পাওজেলদা শ্রীনা হাংলে হথবা অসা বা বুদ্ধি কোকপাকপশিখি। নাহুক্তদা নী অহথবা পুক্কী ওইরম্মি। লানদা ললী মমক লোলশিল্লগা এদ পাঙ্গুক্কী মতেং পাংবদনি থুংলাই পাংহানবাই হাংবে ফুনা উৎত্র থংলাই পাইহ বা পামে। কনাগী রথক্তো তাংকনব মাঙ্গা চক্রগী শ্রীনু নিংবা থুকরম্মি হৎবনা চংকা পাইহন শ্রীনু হাংবে লেনখৎলকপা মাগী মথাক্তদা শ্রীগী পুক্কী থিরম্মি হৎচংদা লোৎসা সনা ফিজেনা 'কম্বু-তনা লৈমাইদা তোংবা মাঙ্গাকী নাশা অসা হ দানা পুংনা থক থক নীৎথিনা, চেলহ ফ তুংদগী অহনবা নাগী তু তুগী মৈরুপ্পা লৈলতেংবকপা মাথব পুনা লেৎ দগী উংলকপা অহক-পা, অকনব থনবদা মগ লৈরে। নিংথৌ অর্জুন ভীষ্ম শ্রীনা থম্মাইদা কেওশিস মাংহুনা। পুক্কী লাপাপ্তবা ওইরম্মি। মতম অমদা শ্রীগী লেংদ শ্রী লেপনা মনদগী পোকলকপা ঈশ্বর চেৎলশি— নিংথৌ নোংবা লৈরবা মূর্তি অহ শ্রী পুক্কনগী মংনদা ওইরম্মি।

অর্জুননা কা থাম্ম, ফাপ লৈকু হৈগা নাদনা শ্রীনু হাংকন-বগী চেনশল্লকপা ভগবান্ অহনা। শ্রী গত ওইরম্মি হৈবাথবক কয়া কয়বনো। পুম্নক্কী পু ওহারব জগৎকী মগক ওইরবা বিষ্ণুনা মগক লেংনা উৎপীহনা শ্রী নিংশ্রুদই অমদা শ্রী চোহত্রবা ভাব ওইরম্মি। গোপিক শ্রী পানু পুম্নপ কংজরে। মা তোন্দা চক্রবদা শ্রী অনাহমা অমম্মং পুক্কং চেইবা পুম্মক মাংগ্রে। অসিগুম্বা ভীষ্মনি, অসিগুম্বা ভক্তনি। মাগী থাশক

রাধিকা কনবা কৃষ্ণনা তুংকনল্লোই! রাধিকা, রাধিকা নত্তবা করিগু চৈতন্যবা অর্থ বা নিপানা যাগী রাধিকা দমক মনাইবু গোপহনগদ্রা? অস্সুম্না মনাই গদাধরনী রাধিকা থাজনখি।

মসক চৈতন্যপ্রবন্ধিং অসি চৈতন্যচরিতামৃতগী মথাখগুনা মকনি। আদি অমসুং অন্ত্য লীলাশ্লোকগুম্বনি। মহাপ্রভুনা তৌরম্বা পূরমক পানখংনবা নৈগী শক্তি নত্তে অদুগা পিকখ্রবা রাধিকাগী পোংশোক অসিদা পূরক চংশিনগা তারবদি লৈংঙ্কবা লোইড়মদবা ওইবা তাই। অদুনা চাউখ্রবা থবা পীবতনি অমসুং অস্সুম্না শমজিনবনা লোইশিনকম ওইরে। লোইশিন্দ্রভুগী মমাংদা থবদং শোংদোক্লিংই।

কনা কনাগুম্নগী মোংদা শ্রীচৈতন্যদেবনু মধ্বাচার্য্যগী মোঙ মত্থং ইল্লি হায়। মধ্বাচার্য্য গোষ্ঠীগী চৈতন্যদেব ব্রহ্ম সম্প্রদায়গী মকোকথংবা আচার্য্যনি চৈ চ নী অর্থদা মাপল্লজবা মহাংবা শ্রীচৈতন্যমতগী কল্পতরুগী (genealogy গী) ইস্তার হান্নব মতোগ শ্রীপাদস্বরূপগী মধ্বাচার্য্যগী শিষ্যনি অদুগা শ্রীচৈতন্যদেবনা মাধ-বেন্দ্র পুরীগী শিষ্য ঈশ্বরপুরীগী শিষ্যনি হায়রি অর্সংগী অদুম্না গো-শিনবা ওইরা য়াই। শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতগী মাপল্লজবা পরিচ্ছেদ (মধ্য)দা মধ্বাচার্য্যগী শ্রীচৈতন্যগী মংকা থবা পেন্নবী নবনদা উবি। মধ্বাচার্য্যগী মোংদা শ্রীকৃষ্ণদ কংলা বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম (কাংলুপ মখিগী ধর্ম্মনা কৃষ্ণকর্ম্মগী পূজাদগী চেনবা মথনি অদুগা মুক্তি মথল মতু কাংনগা চাকৃষ্ণ চংশতবা অশোংবা মথানি। অদুদা শ্রীচৈতন্যগী মোংদা মুক্তি মথল মধা কবিত্র চেতর্নি। শ্রীকৃষ্ণনা প্রেম কংনবনা পোইন্নাক চেংদোকপা পুরুষার্থ (ধর্ম্ম, অর্থ মোক্ষ, কাম) নত্রগা মথানি, অদুগা চাবা থকপনচবা নবিধা —মথল মাপনগী ভক্তিমঙ্গ অসিনা পোইন্নাক হেন্দোকপা সাধনি। অসিনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মথাগী সম্প্রদায় --গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী

মাথস লিচিংগা মথব বাদীশিংগা নিংথনা খেন্নবা হেক হেক য়াওই।

বদন্তি তত্তত্ত্ববিদস্তত্ত্বং যজ্জ্ঞানমদ্বয়ম্।
ব্রহ্মেতি পরমাত্মেতি ভগবানিতি শব্দ্যতে॥ (ভা ১।২।১১)

তত্ত্ব খংবাশিংনা সচ্চিদানন্দ ওইবা অদ্বয় জ্ঞানগী মশাক ওইবা) পোৎ অমবু তত্ত্ব হায় তত্ত্ব ওইরিবা পোৎ অমবু জ্ঞানিশিংনা ব্রহ্ম, যোগীশিংনা পরমাত্মা অমসুং ভক্তশিংনা ভগবান্ কৌই।

[illegible] কবিরাজ গোস্বামীনা [illegible] মথেক শেংনা [illegible] শ্রীশ্রীকৃষ্ণচৈতন্য [illegible] ভক্তনত্তে, ভগবানগী অংশা- [illegible] [illegible] পেম্রবনা [illegible] শ্রীকৃষ্ণ গো- [illegible] অমসুং [illegible] মথেক্কা খোং- লম্লবনি।

শ্রীকৃষ্ণগী শৃঙ্গার [illegible] রাধ কৃষ্ণ [illegible] থজিন্দুনা [illegible] মাথস পুম্ব মথক্তা কনা [illegible] শৃঙ্গারনক পাম্লবনু। শৃঙ্গার [illegible] পুম্বা [illegible] বুনি। সস্তোগ পাম্মুবগী [illegible] করনো অদু ওইপ্রবাদ মাহু শৃঙ্গার রস নত্রগা উজ্জ্বল রস কৌরে।

সুর থুডিংগী মশক অমমম নাইবগুম অমসুং মাখোয়গী মপুওইবা লাই অমমম লৈবগুম রসগীসু মশক নাই অমসুং মপু লৈ। শৃঙ্গার রসগী মশক মুইনৈ অমসুং মপু ওইরিবনা শ্রীকৃষ্ণন।

শৃঙ্গার রস আসনা হেৎলিন্নুমা লৈবিরনা কায় হা বদি পাম্বা রস অসি জগৎকী [illegible] 'আদিরস'নি ভগবাম্না মত্তোংমতা লৈবা পাম্লকপদা সৃষ্টি [illegible] অমসুং মাসি [illegible] লাকপদা শৃঙ্গার রস অসি [illegible] কাম পাম্বা হায়বদি প্রেম-শাবী [illegible] ভগবানদা কাম অসি [illegible] মতোমতা [illegible] ময়ম [illegible] অসি খোৎথি। অমসুং [illegible] ভগবানবু রসো বৈ সঃ [illegible] [illegible] বর্ণনি অমগা [illegible] [illegible] রসনা [illegible] মথেক অহুম [illegible] সুরুক্‌থব শ্রীকৃষ্ণনি

[illegible] ভাব অমা [illegible] অহনবা প্রেম [illegible] হা বদি [illegible] হানবা [illegible] —[illegible] মতোম [illegible] ওইহনগ মপান অমসুং মইহ [illegible] অমসুং পুক্নিং পুখগী [illegible] কামদ্ধ ত— কাম থুগবান। [illegible]

ওঁ [illegible] কাম কামায় দাৎ।

কামো দাতা [illegible] কাম সমুদ্রমাবিশৎ ॥

কন্যা [illegible] কন্যাদা দান অহনা

[illegible] কামনা কন্যা [illegible] কামদা দান [illegible]। [illegible] কামনা [illegible] সমুদ্রগী [illegible] সমুদ্রদা তিনবন্ধুম [illegible]।

[illegible], [illegible] তাহারা [illegible] কৃষ্ণ [illegible] কথা [illegible] লীলা [illegible] ভগবান [illegible] উপাসনা [illegible]

হায়

আনন্দ [illegible]

অ [illegible]

[illegible] প্র [illegible]

—[illegible]

[illegible] প্র [illegible] অসি [illegible] রাধাকৃষ্ণ [illegible] তত্ত্ব [illegible] লীলা [illegible] রাসলীলা [illegible]

[illegible] গোপী [illegible]

পূম্নমক্কা কদম মথোংদা পৈহনা থম্লে। মকি পীরো হাংহনা নিঙ্গম্বে গংত পৈত্রবনিনা। কৃষ্ণ পীররো হাযবা মাত্রে—মাথোযহম লাক্নুনা থন্‌ থন্দুনা লৌহ্বো হায়রে। তৌনিংডাই পৈত্রহনা কৃষ্ণনা হংবা অহু ঈশিংন্দগী কাথত্তুনা লৌরগা লেংখ্রে। অহুতদা কৃষ্ণনা নথোম্বনা নীংবা থুংকরো হাযনা বন পীবিরগা লেংখ্রে মওং খংসদা কৃষ্ণদা কাম্নক্ক হায়বনচিংবা দোষ কয়া পীবা য়াওরি। মন্নুংদা চেন্নিবা রস দ থাংখ্রবা থাকনি। থন্দুনা য়েসি লাকরবা লোম্না পেংনা হায়রবদা, জীব পুযাক্কী থম্মোইদা লৈবা, অন্তর্যামী ভগবান্, ঊয় থবা পৈত্রবা মাঙওন্দা কি ম.চং অমনা কয় থন্‌গনি গোপা কন্নচপী দমক কি হুমবী নম্ন কবিম্ন পৈ:ত। গে পীশিংদি মথোংম্নী ম্ন ডাইনবা হংযবা অমতা থন্দবীশিংনি—কৃষ্ণদা আত্মনিবেদন তৌবা লৌবম্ন নিঙ্গম্নশিংনি কৃষ্ণ পুঙ ইমবী লৈজবা পূযা কংচগীনি। বম্বহাগ খমম পৈবখী কৃষ্ণনা অরোইবা পরীক্ষা তৌখি। অপম, মী.হাগা, কজ্রচপা, হচইবা অসিনচিংবা গোপী শং অহনা থাদেকপা কদ কাওবা থৌরবগে চাংলেবনি কৃষ্ণী দমক ইচংম ইচি পূম্ন থংলোকপা ডমবা অদুদ নথোংযনা নীংবা থুংজয়ে বম পাবরম্বনি। গীতা শাস্ত্রী জগদীশ ঘোষনী লাইবুক 'শ্রীকৃষ্ণ ও ভগবৎধর্ম্ম' দগী পরে' থরা থুদম ওইনা লৌখংল। অসিগুম মশা কথাকপগা রস—আত্মনিবেদন অতৈ ধর্ম্ম চৎপা কাংলুদম্ন প্রেমগী লীলা আত্মনিবেদন লৈতবা নত্তে থুদম ওইনা মথাগী থুদমশিং অাস য়েংসি,—

"Western mystics (অন্তরঙ্গ সাধক)—

Let Him kiss me with the kisses of His mouth.

—Song of Solmon.

[ঐবু চুমসম্ন মা মাগী মচিনগী থুম্নশিংনা]

Behold Thou art fair, my Beloved ! Yea pleasant,
Also our bed is green
And His left hand is under my head
His right hand doth embrace me.
By night on my bed – I sought Him
Whom my soul loveth,
His left hand should be under my head
And His right hand should embrace me
Ye stir not up nor awake
My love until He please.

— Song of Solomon.

[য়েংউ নং ফজৈ ঐগী নুংশিথোইবা। নং অপেনবনি,
অদুগা ঐখোয়গী ফমুংসু শংউ
মাগী মখুং ওই ঐগী কোক মথাদনি
অদুগা মাগী মখুং য়েৎনা ঐবু কোল্লি।
অহিংদা ঐগী ফমুংদা ঐনা মাবু থি
ঐগী অথুন মবু নুংশিবদো।
মাগী খুং ওই ঐগী কোক মথাদা লৈগদবনি।
অদুগ মাগী খুৎ য়েৎনা ঐবু কোনগদবনি

সখি! হের দেখ সিয়ে যা।
চন্দ্রবদনী, ঘুমাইয়া ধনী
শ্যাম অঙ্গে দিয়ে পা॥
নাগরের বাহু শিথান করেছে,
বিথান বসন ভূষা।

নাসার নিশ্বাসে বেশর দুলিছে,
হাসি খানি আছে মিশা॥ —জগন্নাথ দাস,
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Upon my flowery breast
Wholly for Him and save Himself for none,
There did I give sweet rest
To my Beloved one,
The fanning of the cedars breathed thereon,
All things I then forgot
My cheek on Him who for my coming came
All ceased and I was not,
Leaving my cares and shame
Among the lilies and forgetting them.

—St John of the cross

[ঐগী নৈনা নিংথেম্বা খবাক মপক্তা
মাগী ওইবা অসঙ মানগী কনাগুম নত্তবা,
অহনা ঐনা পীখুম্বা পেখ্বা
ঐনা হাংথেংবা অহুদা,
দেবদারুদগী হুম্মকপনা মকম অহুদা শিংপা

পোৎ পুম্নমক এ অদুদা কাউখরে,
ঐগী খঙ্জাইদা মাদেন্দা মা ঐদা লাকপদা লাকপা।
পুম্নমক লেপথে অদুগা ঐদি মরে,
ঐগী অরা অনা অমসুং ইকাইগা থম্মমচনা
থম্মাল মরক্তা অমসুং মাখো কাউদোক্লা!

অতসী কুসুম সম শ্যাম সুনাগর
নাগরী চম্পক গোরী।
সলজ সঘন জনু চাঁদা অগোরল
ঐছে বদন শ্যাম কোরি॥
বিগলিত কেশ কুসুম শিখি চন্দ্রক
বিগলিত নীল নিচোল।
দুহুঁক প্রেমভরে [illegible] নিদান
উছলল প্রেম হিল্লোল —বিদ্যাপতি

[অশংবা তৈনম্বা নিংথিবা [illegible] গৌর শ্যাম,
নাগরবা তৈহাও অচৌবী।
অনৌবা মেংকো ভুমজগা [illegible] থা থোক্লবে
[illegible] শ্যাম শাখেনবা
কুসুম চাইথোক্লে, [illegible] অকৈবা [illegible]
চোইথোক্লে খুংগী অশংবা কিজ্জাল।
[illegible] [illegible] ঊথোক্লে [illegible]
প্রেমগী [illegible] ক্লে] —বিদ্যাপতি

If thy soul is to go on to higher spirtual
blessedness, it must become woman.
—F.M. Newmen

[ঐগী আত্মা ... আধ্যাত্মিক থাক্ত
চাগে নিংথবাদ সুপী ওইগদনি]।

'ছাড়িয়া পুরুষ দেহ কবে বা প্রকৃতি হব।"

—শ্রীনরোত্তম দাস ঠাকুর

(ঠাকুর মহাশয়)

[illegible]

The soul thus spake to her Desire -Fare forth and see where my Love is; say to him that I desire to love. So Desire sped forth (to the Lord) and cried, Lord, I would have thee know that my lady can no longer bear to live. If Thou wouldst flow forth to her, then might she swim ; but the fish cannot long exist that is left stranded on the shore. 'Go back said the Lord, 'bring that hungry soul, for it is this alone that I take delight'

Mechtchild

[illegible] (কাম)দা

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]।"

[illegible]

[illegible]। —রায় রামানন্দ

[illegible]।

[illegible] Desire [illegible] Desire [illegible]

[illegible]।

Let Him kissd me with kisses of His mouth."
'Who is it that speaks these words ? It is the bride Who is the Bride ? It is the Soul thirstding for God. - St Bernard.

কনানো ৱাহৈশিং হায়ৱিবসে ?
বধূ (bride) অদুনি। কন্যা অদুদি কনানো ?
অদুদি অথ্মানি ঈশ্বরবু থৌৱাংজৱিবা।

অসিদি শৃঙ্গার রস কৈতবা য়াত্রবা ইহান হানবা রস হায়বদো। মসিংদু ইংলণ্ডগী লৈ লেংবা শেক্স্পিয়র অমদি অরুংবা কবিশিং লাইগী বেশ (ফিজোল) বুম্বু থংই। শিঙার (শৃঙ্গার) হায়নম্লু থই। চুমিৎ খুদং শ্রীগোবিন্দদা শিঙার (শৃঙ্গার) আরাত লৈলেংবা কুইনা চৎনবগিদি, মণিপুর শ্রীগোবিন্দগী শিঙারগী মতমদা চথাববা সেবানি।

প্রেম অমসুং প্রেম লীলা লৈতবা য়াদে অমসুং লৈত্রগা পিশ্বু অসিংক লৈবা ড়য়োই। শৃঙ্গার রস অসিদগী পূর্ণরূপক ওইরিবানি অমসুং ওইত্রবানি। অদুনা মাসবু আদি রস—ইহান হানবা রস কৌই হায়বা মতম্তা উত্রে। বৈষ্ণবশিংগী মরোলদদি কাম হায়বসি প্রেম্নি। কাম হায়বা লোল মাথোয়দি শিজিন্নদে।

রাধা কৃষ্ণ প্রেমলীলাগী রস চুপচদুনা, শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুনা অথাকপা কৈতনা প্রেম রস য়েনবিরম্বা অদুবু থরদং চুপচবা ওম্বা মাহাক্না পীবিসন্নু। প্রেমাবতার মাঙোন্দগী নিজদনা কদায়দগী প্রেম ফাগনি ! অদুনা সাধন, সাধ্য মশক থংনা রাধাকৃষ্ণ সেবা লাপ্নত ওইরবস্তু ফংজবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা কৃপা পীবিসন্নু—বৈষ্ণব ভক্তগী— গুরুদেবগী কৃপাদগী কৃপা অসি ফংনবগী থুংলাইনি।

ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা মনাই অর্জ্জুন্দা তাকপীরম্বা কাউরোইদবনি।—

যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্।
মম বর্ত্মানুবর্ত্তন্তে মনুষ্যাঃ পার্থ! সর্ব্বশঃ॥ গীতা ৪।১১

হে অর্জ্জুন মানা পামজবা মতুংইন্না ঐবু নীংজবা অদু
গুন্না ঐনস্থ মাবু চানবী (নীংই) মীওইবনা মওং পূম্ন-
মক্কা ঐগী লম্বী (ভজন মার্গ) ইন্দুনা চৎলি।

শ্রীশ্রীরাসেশ্বরীমদনমোহনজিগী জয়।



অ'চন্ত্যভেদাভেদতত্ত্ব

বৈরাগ্য-বিদ্যা-নিজভক্ত যোগ শিক্ষার্থমেকঃ পুরুষ পুরাণঃ
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য শরীর ধারী কৃপাম্বুধির্যস্তমহং প্রপদ্যে ॥
-- শ্রীবাসুদেব সার্ব্বভৌম

--বৈরাগ্য, বিদ্যা অমসুং মাগী ভক্তি অহুম অসি তম্বীনবগী-দমক অরিবা নিপা অহনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা লেংথ'বিরকপা মাঙোন্দা ঐ চংজরি।

জীবগা ব্রহ্মগা—শক্তিগা শক্তিমানগা, পাঙ্গলগা পাঙ্গনবগা খেন্নৈ-খেন্নদেগী রাকম অসি দার্শনিকা মায়কৈদ'দ য়ান্না নৈনবা মওংনি। খেন্নবগী মরম ময়ান্না খেন্নদে হায়বগী মরমশিং কক্কনা উৎলি। খেন্নদে হায়বা কা'বুনস্থ খেন্নৈ হ া বা রাকম কক্কনা মরম উৎলি। হৌরম অসি 'ভেদাভেদাবাদ' হায়না পুল্লপ্প ওইনা খংনৈ। চৈতন্য-দেবনা বাসুদেব সা বভৌম উদ্ধার কনবিবা) মতাংদা রাকম অসি শেংদোকপীরম্ব। চেতন্যচরিতামৃতদা য়াওরি। শেংদোকপীরম্বা অসিবু অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্ব হায়না খংনৈ। মাসি 1 গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী খরেপ্পনি -সিদ্ধান্ত 'ব তত্ত্ব অসিগী মশক মওং মথং মথং শেংদোক্র নখি। সিদ্ধান্ত অসিগী নরমদা গৌড়ীয় বৈষ্ণব অভিধান্না অস্রুন্না হায় "শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অ চন্ত্যভেদাভেদ সিদ্ধান্তের একমাত্র প্রকাশক" অচিন্ত্যভেদাভেদ কী অরেপ্পা সিদ্ধান্তগী রা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যতনা কোংলম্বনি। 'অচিন্ত্য' রা হৈ অসি বৈষ্ণব দর্শন-তদা য়াওই। অতৈগীদি ভেদ অমদি অভেদবাদ হায়বনা মরুওইবনি।

মহাপ্রভুনা তত্ত্ব অসিগী নরমদা তাকপীরম্বা অহ খুদম পী পীহনা তাকপীরম্বনি। মৃগমদ হায়বদি কস্তুরীগা মাগী

মনমগা থাইদোক্লবা য়াদে অদুদা কস্তুরীগা মনমগা পোৎ অমত-দি নত্তে। কস্তুরীগা মনমগা নত্রগা মুমিৎকা মঙালগা খেন্নদে হায়বদা অদুক লুবগুম খেন্নে হায়বদসু অদুম লুই। অদুনা খন্দুনা য়েংবদা মাখোয়দা কস্তুরী অমসুং মনমদা, মুমিৎ অমসুং মঙালদা ভেদ অমসুং অভেদ খেন্নবা অমসুং খেন্নদবা অনিমক অমতদা লৈ হায়বা নত্রগা লৈকম থোকই হায়বা রাখলদা পোকই অমসুং রাখলনা লাম্বা কংত্রবসু লৈকমদি থোক্লে হায়বা অমদি কাউরে। অসুম্না পাঙনগা পাঙ্‌বগা হায়বদি শক্তিগা শক্তিমানগা মাখোয়শিং অসিদা ভেদ অমসুং অভেদ খেন্নব অমসুং খেন্নদবা। লৈরে অদুদা ভেদকা অভেদগা মতম অমতদা লৈমিন্নবগী রাকম অসি খন-কম থোক্লবা মওংনি চক্রিনা নিংঙাইনা অচুম অরান উৎনবা, প্রমাণ পীনবা মশক লৈতে। অদুনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা শক্তি অমসুং শক্তিমান্‌গুম জীব অমসুং ব্রহ্মগী মরিবু অচিন্ত্যভেদাভেদ সম্বন্ধ কৌই। [রাখলনা লাম্বা কংদবা অদু অচিন্ত্যনি, ভেদকা অভেদকা পুন্সিন্নগা ভেদাভেদ থোকই-খেন্নবা খেন্নদববু হায়বনি, সম্বন্ধ হায়বনা মরি লৈনববুনি। শক্তিমান-পাঙনবা হায়বদি ব্রহ্ম নত্রগা ঈশ্বর শক্তিনা শক্তিমান অদুগী শক্তি—পাঙনবুনি।]

চৈতন্যচরিতামৃতনা রাধা কৃষ্ণগী লৈনবা মরিগী মরমদা অসুম্না হায়—

রাধা পূর্ণ শক্তি কৃষ্ণ পূর্ণ শক্তিমান।
দুই বস্তু ভেদ নাহি শাস্ত্র পরমান॥
মৃগমদ তারগন্ধ জৈছে অবিচ্ছেদ।
অগ্নি জ্বালাতে যৈছে নাহি কভু ভেদ॥
রাধা কৃষ্ণ ঐছে সদা একই স্বরূপ॥
লীলারস আস্বাদিতে ধরে দুই রূপ॥

রাধা কৃষ্ণ মপুং ওাক্নি শক্তি শক্তিমান।
পোৎ অনিসি থেন্নদে শাস্ত্রগীনি প্রমাণ।
কস্তুরীগা মনমগা খেন্নদবগুম্নি ।
মৈগা মৈরিকা থেন্নবা লৈতগুম্বনি।
রাধাকৃষ্ণ অসুম অমতনি মশক।
লীলারস চুপ্পগী অনি ওইরি শক।

শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা অমতনি, অমা অসিনা লীলাগী দমক অনিথোক্না খায়দোক্লবনি। অদুগা শ্রীরাধানা মপুংকাবী শক্তি (পাঙ্গল) অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা মপুংকাবা শক্তিমান (পাঙ্গনবা) অদুনা অনি অসি শক্তি অমসুং শক্তিমান হায়বদি তোঙান তোঙানবা মশক অনি ওইরি। অনি অসিনা অমতা ওইবা মতমদদি শক্তিগা শক্তিমানগা পুনশ্রে, তোঙাম্রে অদুনা অনি শুই উত্রে অমসুং খংদ্রে খায়নরিভৈদাদ পোৎশক অনিনি অদুনা খেন্নরে 'ভেদ' ওইরে পুনশ্রগনা অমতা মঙাযরে অদুনা খেন্নদরে— 'অভেদ' ওইরে। অসুম্না ব্রহ্মগা জীব অমসুং জগৎকগী মরক্তা 'ভেড' অমসুং 'অভেদ' খেন্নবা, খেন্নদবা অদুম থোকই ব্রহ্মগা জীব অমসুং জগৎকা অমমমনি-তোঙান তোঙানবনি হায়বগী রাকম ভেদাভেদ তত্ত্বনি।

মওং অসিদা মপুং কারবী শক্তিগী মশক ওইরবী শ্রীরাধা অমসুং মপুংকানা শক্তিমান ওইরবা শ্রীকৃষ্ণগা খেন্নদবা (অভেদকী) মওং অদু লৈরে অদুদা লীলারস চুপ্পবগী দমক মাখোয়না মশক অনি থোক্লোকপদা শক্তি অমসুং শক্তিমানদা 'ভেদ অমসুং অভেদ' (ভেদাভেদ) খেন্নবা, খেন্নদবা তত্ত্ব মতম অমতদা লৈবগী রা উৎলে। অদুগা রাখলনা লাম্বা কংদ্রবসু লৈবহুদি কাউরে। জীবগা ব্রহ্মগগী মরিসু অসুম্না অদুম কাউই। শ্রীমহাপ্রভুনা নীলাচলদা সার্বভৌমদা কাশীদা শ্রীপ্রকাশানন্দ অমসুং সনাতন গোস্বামীদা তত্ত্বখিবা অদুদা রারোল অসি অম্মা ওইনা অদুম কোংবিখি। রাখলনা করম তৌরি-

বনো লাম্বা কংদবা, তৌই হায়রবদি কাউরবা অচিন্ত্য ওই হায়রুনা অতুম। কৌই- অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্ব নি হায।

জীবের স্বরূপ হয়— কৃষ্ণের নিত্যদাস।
কৃষ্ণের তটস্থা শক্তি ভেদাভেদ প্রকাশ।
সূর্য্যাংশ কিরণ যেছে অগ্নি জ্বালাচয়।
স্বাভাবিক কৃষ্ণের তিন শক্তি হয়।

জীবগী মশক শ্রীকৃষ্ণগী মনাইগান।
কৃষ্ণগী জীবশক্তি খেন্ন খেন্নদবা উংশি।
নুমিৎকী মঙালনগা মৈগা মৈবিকশুম।
মশানা কৃষ্ণ গুণ অতুম ওইগুম

—হায়রবদি নুমিৎকী মপাল থোক্লক্লিবা মঙাল মশেকশিং মঙাল ওইনদি নুমিৎকা খেন্নদে। অতুগা মঙাল অতুদ মু মৎতি নত্তে। মঙালদি উকম লাংবা মমহনবনচিংবনা থোকাখবা লৈহন খিদবা য়াই। নুমিৎপুদ অতু য দে অতুনা মঙাল নুমিৎকা খেন্নরে। অতুম্মা মৈবিকশিং মঙাল ওইনদি মৈগা খেন্নদে অতুগা মৈদগী খাইদোক্লক্লুন মঙং অমা ওইনা তারকপদা খেন্নরে। অতুনা জীব পুন্নমক চিদানন্দগী শরুক ওইনদি ভগবান্ গা খেন্নদে অমসুং মায়াগী থয়াত্তা তাহুনা ভগবানগ মাংহল্লবা ওমদে, মরম অসিদগী খেনৈ ভেদ অমসুং অভেদনা মতম অমতদা লৈমিন্নবা থনকম থোক্লবা রাখাগী রাশমগী রাগ অতুগা যেৎনগ্রব। খাই- দোকপা রাবা রাকম অসি পুথোক্লনা চৈতন্যদেবন। শুগাহবি- রম্মিবা অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্বনি। মতুংদা শ্রীসনাতন গোস্বামীনা বৃহদ্ ভাগবতামৃতদা অমসুং বৈষ্ণব তোষণীদা শ্রীরূপনা লঘু ভাগবতামৃতদা অতুগা শ্রীজীবনা ষট্ সন্দর্ভদা অমসুং সর্ব্ব- সম্বাদিনীদা অচিন্ত্যভেদাভেদ তত্ত্ব অসি লৌখৎখি। প্রভুনা মনাই সার্ব্বভৌমদা তাকখিবা, সনাতনদা অমসুং প্রকাশানন্দ

সরস্বতীদা ভাকপী থবা অহুদগী হায়েপ কায়ক্তনা মধ্বা, মন্ব, মহৈ, মপাল মরেক চুম্না মথং মথং মনাইশিংনা চথাথবনি শক্তি শক্তিমানগী মরি লৈনবগী মরমদা দার্শনিক আচার্য্যশিংগা মরোল মথাদা শম্পং শম্পং নৌথংগ।

পণ্ডিত শ্রীল ভগবান্দাস বেদান্তাচার্য্যনা হায় বেদদা বেদান্তদা পুরাণদা অমসুং দর্শনশাস্ত্র মথল মথলশিংদা ভেদাভেদবাদ অসি পাম্ল অমসুং নৈনৈ অহুগা বৈষ্ণবদর্শন শাস্ত্রদা ভেদাভেদবাদগী মরমদা নৈনবা খাণ্ডরিবাশিং অসি দর্শনশাস্ত্রগী রা ওইনদি নত্রগা দাশনিকা মায়কৈদাদ লৈপাক অসিগা পণ্ডিতশিংগী মরক্তা য়াম্না পম্ল-নৈনরিবা ফাবম্নি। বৈষ্ণবদর্শনদা ভেদাভেদ তত্ত্বগী মরমদা হায়রিবা অদুগা দর্শনশাস্ত্র অতৈগা পুমচান চাম্নবদ নত্তে। অদু ওইহনসু বৈষ্ণবদর্শনদা হায়রিবা, উৎপলবা অহুদগী খংনিংঙাই ওইবদি য়াম্না লৈ। এথক্তা উগ্রে রাধা কৃষ্ণ মশক তাকপদা ভেদাভেদতত্ত্বনা প্রমাণ তৌখি অতৈ অতোপ্পা রাকমদসু করিগুম্বা শ্লোক অমা নত্রগা মকওইবা কারগুম্বা অমগা মশক তাকপদা প্রেমদা, ভাক্তদা ভগবান্দা পুশিন পুশিন্দুনা তাকই। অহুম তৌহনা খংহল্লিংবা শক থংহল্লি শ্রীমদ্ভাগবতকী শ্লোক অমবু তরানিপাল্লক অমসুং কৃষ্ণ মাধোইকক থোক্না ব্যাখ্যা তৌখিবা অহু প্রভু-গী ভগবান্দা ওাক্ত ওনাশনবা মথাদা লাকখিনি।

অহুনা ভেদাভেদ তত্ত্ব অসি খংনবগাদমক ঈশ্বর জীব অমসুং জগৎ মশক মওং খ দোকপনা অহানবানি অহুগা ঈশ্বরগা জীব অমসুং জগৎকগা মরিনা কাগনে। অতুসু খংবা চংও। অহুদা হিরম অসিদা মোত্ খাম্না খেন্নথরে। কনানা শক্তিমান (পাঙনবা) ঈশ্বরগা মাগী শক্তিগা (পাঙলগা) য়াম্না থেন্নৈ হায়। মোত্ত অসিবু 'কেবল ভেদবাদ কৌই অহুগা অসিবু হৌদোকাখবনা শ্রীমধ্বাচার্য্যনি। থরনা অমুক জীবগা ব্রহ্মগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা (ভেদ) অহু

শিজিন্নবা অমদি মরম্নাই বুদ্ধিদগী চোংথোকচরকপা মওংতনি অদুনা ইথেন খেন্নদে হায়। অসিনা শ্রীশঙ্করাচার্য্যগী কেবলাদ্বৈতবাদনি। শেংলবা জীব হায়রবদি মায়া, হিংসা য়াওদবা জীবগা ব্রহ্মগা অমত্তনি, অনিমক জ্ঞানগী মশক্তি ইথেন খেন্নদে অমসুং মায়ানা শোকপদা য়াম্না খেন্নবা থোকই হায়বা অভেদবাদকী রাকম কক্তুনা 'বিশুদ্ধাদ্বৈতবাদ' হৌদোকখিবা শ্রীবিষ্ণুস্বামিনি। কনা কনানা অমুক শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নবা য়ারগনু শক্তিবু মশক অদুগী (স্বরূপকী) মঙুং চল্লি হায়না লৌই। রাকম আস শ্রীরামানুজাচার্য্যগীনি মমিংনা 'বিশিষ্টাদ্বৈতবাদ' কৌই। অতৈ কনা কনানা ভেদ অমসুং অভেদ (খেন্নবা অমসুং খেন্নদবা) অনিমক সত্যনি, নিত্যনি অমসুং মহৌশাগী ওইনা মান্নবা অদুম লৈরবনি—হায়রিবা মোত অসিনা শ্রীনিম্বার্কগীনি অদুগা মাসিবু 'স্বাভাবিক (মহৌশানা ওইজরবা) ভেদাভেদবাদ' হায়। অদুদগী কনা কনানা তর্কনা ভেদ অমদি অভেদ লেপ্পা য়াদবা মরম্না নত্রগা শক্তি অমসুং শক্তিমান্দা ভেদ অমসুং অভেদ মশানা লৈজরবনি খল্লুবা তৌকদনা 'শ্রুতার্থাপত্তি' প্রমাণগী পাজলনা হায়রবদি তারিবা রাহে অদুগী মশাগী অর্থনা থোকচবা অদুনা যুক্তি পীদুনা নাকল অনিগী রা শ্রুতি মন্ত্রনা সাক্ষি ওইনা মরি থম্বন্দুনা শক্তি অমসুং শক্তিমানগী 'অচিন্ত্যভেদাভেদবাদ' পুথোকই। অসিনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবাশিংগী 'অচিন্ত্যাভেদাভেদতত্ত্ব' হায়রবদুনি। অদুগা গৌতম, কণাদ, জৈমিনি, কপিল, পাতঞ্জল মাখোয়শিংসু ভেদবাদীনি। পৌরাণিক অমসুং শৈবাশিংনা ভেদাভেদবাদীনি। শ্রীভাস্করাচার্য্যনা ঔপচারিক নত্রগা 'ঔপাধিক ভেদাভেদবাদ' হৌদোকপনি। [মশানা ওইজবা অদু নত্তনা লক্ষণনা অতোপ্পা অর্থ খংহনবা ঔপচারিক নত্রগা ঔপাধিকনি।] মাহাক্না অভেদপু স্বভাবিক [মশানা ওইজবা) অদুগা ভেদবু ঔপাধিকনি হায়না লেপ্পি। শ্রীভাস্কাচার্য্যনা ভেদ অমসুং অভেদ মান্নবা অওইবা,

অম্রেপ্পা ওইরবস্তু লেংদবা মাম্না লৈবদি নত্তে। মাহাক্কী মোত অসিবু 'ঔপচারিক ভেদাভেদবাদ' কৌনৈ। ব্রহ্মগা জীবগা অমতনি অমমম্নি, তোপই তোপ্পদে, তোঙান তোঙানবনি তোঙান্নদেগী মোতশিংগী মশক মমিং থরদং উরে ['মোত' হায়রিবা অসি 'মত' পুনি। মৈতৈনা খোম্থোক্নরিবা অসিগী মতুং ইন্না মোত হায়না ইবনি, অচুম্বদি নত্তে।]

অবস্থাগী মতুংইন্না পোৎ অমতগী মরম ওইবা 'কারনত্ব' অমসুং থবক ওইবা 'কার্য্যত্ব' মশক অনিসি ওই। অদুনা কীভম খেন্নবগী মতুংইন্না ভেদাভেদ উবা ফংই। মরম অসিনা জীব অমসুং জগৎ সৃষ্টিগী মতমদদা ব্রহ্মগ তোপ্পবনি, প্রলয় অমদি মোক্ষগী কীবমদদি খেন্নদে। মকম পূন্নমক্তা থবক্তা অমসুং মশক্তা পোৎ অমগা অমগা খেন্নৈ. অদু ওইরবস্তু মরম অমতদগী ওইরকপা অমসুং জাতি কাংলুপ অমতদা চন্নপন। অতোপ্পা পোৎ অদুগা খেন্নদে অভেদনি। খুদম ওইনা হায়রবদা যণ লাবগা অমোমগা মশক মওংদা খেন্নৈ অদুবু কাংলুপ (জাতি) ওইনাদ খেন্নদে।

শ্রীজীবগোস্বামিনা মোত অসিবু য়াদে। মাহাক্কা হায় থবক্কা মরমগগী মরক্তা ভেদাভেদ লৈতে, থবক্কী কীবমদনা থবক ওইবা উবা ফংই, মরমগী কীবম ওইরগনা 'মরম ওইবা' অদু অদুম ওই। চক্ষু ওইরকপগী থোরম 'থবক ওইবা' নি মরম ওইবগী নত্তে। 'চক্ষুওইবা' থবক্তগী পাংথোকপনি ; অদুনা থবক অমসুং মরম অমসুং মাখোয়গী তুংকম. ওইক· পোৎ শোইদনা খেন্নবনি, অমতা নত্তে। ঔপচারিক ভেদাভেদ বাদনা ব্রহ্মদা উপাধি-সম্বন্ধ (হাপচিল্লকপা মন্নি) লৈবা য়ানা লৌরে অমসুং মাসিনা মরম ওইদুনা জীবনা জীব ওইবা (জীবত্ব) য়ারবনিনা জীবদগী ওইবা দোষ পূন্নমক ব্রহ্মদা থোক্লরে। লৈরিবা দোষ পূন্নমক্কা চংজ্রবা লোই-ওমজবা মঙ্গলগী, গুণগী মশক ওইরবা ব্রহ্মগা জীবগা অভেদনি

তাকপা অসি অমগা অমগা ওনশিন্নবা য়াবা মওং নত্তে হায়রুনা মাসি থাদোক্নরে। তর্কনা ভেদবাদ অমদি অভেদবাদ শাগৎপা য়াদে। করিনা হায়বদু তর্কনা লেপ্পা য়ারেপ অত্ত দোষ অমত্তা লৈতবা ওইবা য়াদে। অদুগা শক্তিপা শক্তিমানগা খেন্নহন্নবা লাক্নবদা য়াবা অদুক খেন্নহন্দনবা হোৎনবদসু অদুম য়াই। অদুনা কনা কনাশিংনা ভেদাভেদ পুথোকপদা য়াখলনা পাংথোকপা য়াদবা হায়বদি য়াখলগী য়াংমদা য়াদুনা অচিন্ত্যভেদাভেদবাদবু য়াই। শ্রীজীবনা মরমশিং অসিদগী অচিন্ত্যভেদাভেদপু মাহাক মশাগীনি হায়না হায়বদি গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী থুংথোক্নি হায়না য়াম্না শেংনা য়াই। অচিন্ত্য' শব্দ য়াওবসি গৌড়ীয় দর্শনত্তদা উই। শ্রীসনাতন গোস্বামিনা হায় জীব পূন্নমক পরব্রহ্মদগী অতোপ্পা ওইনা মতম পূন্নমক্তা লেংদনা তত্ত্ব ওইনা, অংশগী মশক ওইনা লৈয়ক্লি। মায়ানা কুপথিবদা খেন্নে থল্লুদবনি। অদুনা জীব তত্ত্ব পরমেশ্বরদগী মতম পূন্নমক্তা মায়াকৈ খুদিংদা খেন্নে। নুমিৎকা মশেক মত্তালগা, মৈগা মৈমিকা অমসুং সমুদ্রগা সমুদ্র ঈথকা তত্তুনা খেন্নবগুম্বনি।

মথক্তা পনখ্রিবশিং অসি পুন্না খোনজিন্দুনা অমুক য়েংসি। অচিন্ত্যগী অর্থ শ্রীধরস্বামিনা য়াখলগী হিরম নত্তবা তর্কনা চংউবা য়াদবা হায়না হল্লি। অসিদগী থোরকপদি য়াখলনদি লাম্বা ফংদবা অদু লৈ হায়বদি কাউবা কাবম অদুবুনি। বলদেব বিদ্যাভূষণনা তাবত্তদগী থংবা হায়না হল্লি, হায়বদি শ্রুতি' তাবা নত্রগা নাকোং-দগী ফংবা থংবা অদুবুনি হায়। শ্রীজীব গোস্বামিনা অসিবু 'দুর্ঘট ঘটক' থোকহনবদা য়াববা অদু থোকপা হায়না হল্লি। মহাভারতকী ভীষ্ম পর্ব্বদা তর্কযুক্তিদগী লাকশিনবা ওমদবা' ওইরবসু শাস্ত্রদগী থংবা নত্রগা য়াহৈদগী থোরকপনা থংবা অদুনি হায়। শ্রীশঙ্করা-চার্য্যনা ব্রহ্মসূত্রদা তত্ত্ব বস্তু অসি শব্দ (অচিন্ত্য) অদুদগী থংই হায়।

শ্রীবিষ্ণু সহস্রনাম ভাষ্যদা 'প্রমাণাদি সাক্ষিত্বেন সর্ব্ব প্রামাণাগোচরত্বাদ্‌চিন্ত্যঃ' প্রমাণনচিংবা সাক্ষিনা প্রমাণ পুন্নমক্কা লাম্বা কংদ্রবা অদু অচিন্ত্যনি হায়। মরম অসিনা থোইদোকপবা লক্ষণ (খুদম) লৈরবা, প্রমাণ পুন্নমক্কী, অর্থ পুন্নমক্কী রানা য়োবা ঙমদ্রবা, অদুদা থোকহনবা ঙমদ্রবা হীরম অদুবুদি থোকহনবা অদু অচিন্ত্যনি। পরতত্ত্ব (শ্রীকৃষ্ণ)গী শক্তি অপুনবা অদুগা শক্তি অদুদগী ওইবা পোৎ পুন্নমক্কা অমসুং পরতত্ত্ব অদুগী মরি অদু 'অচিন্ত্য' ওইবা(মর্ত্তগী জীবনা ওইহনবা ঙমদবা, রাহৈ অদুতগীদা থংবা, পিক্রবা জীবগী রাখল যুক্তি, নিঙাইগী মপান্দা ওইবা), মতম মতমদা খেন্নবা অমসুং খেন্নদবা পুন্না লৈবা মরি অসিবুনি অচিন্ত্যভেদাভেদবাদ কৌরিবা। ভেদ অমসুং অভেদনা পুন্না লৈমিন্নবা অদুগা মাখোয় চপমান্নবা সত্য অমসুং নিত্য ওইবা অরেপ্পা অমসুং লেংদবা ওইবা —হায়বদি ব্রহ্মগা জীবগী মরক্তা খেন্নবা খেন্নদবগী মওং মতম অমতদা পুন্না অরেপ্পা অমসুং লেংদবা ওইনা লৈমিন্নবা অদুগা মওং অসি থংবা ঙমদবা থিন্দুনা তাক্লিংঙাই ওইনবা অমসুং রাখলনা লাম্বা কংদবা মরম্না মীওইবগী যুক্তিনা লাম্বা কংদ্রবসু শাস্ত্রনা হায়বগী মতুংইন্না য়াদবদি ঙমদে। ব্রহ্মগা জীবগা—ব্রহ্মগা মাগী শক্তিগা অমতনি, নত্তে—হায়বদি খেন্নে, খেন্নদে; শক্তিগা শক্তিমানগা অমতনি, নত্তে খেন্নে, খেন্নদে লেপ্পনবা রারোলশিংদগী ভেদাভেদবাদ অমসুং অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্বগী রা থোক্লকপনি। বাদ নত্রগা তত্ত্ব অসিগী মরুওইববু ঈশ্বরগা, জীবগা অমসুং জগৎকা মরি করিনো থংনবগী নৈনবা রারেপশিংনি।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা লংলা লংজিন কাংদুনা শ্রীশঙ্করাচার্য্যগী রারোলশিং—ব্রহ্মগা জীবগা অভেদনি, খেন্নদে শন্দোক্লম্বা মরোলশিং কক্তুনা মনাইশিংদা তম্বীরম্বা অদুদগী মথা তারক্লুনা

মথং মথং শ্রীসনাতন গোস্বামি, শ্রীরূপ গোস্বামি অমসুং শ্রীজীব গোস্বামিনা শন্দোক্লা মাখোয়গী লাইরিকশিংদা ময়েক লানা লানা খোংগীরম্মে। খরা তেন্না মপুং ফানা শ্রীজীবনা নৈনরম্মি। মাহাক্না শ্রীমদ্ভাগবতা হায়রিবা অদ্বয়তত্ত্ববাদ 'একমেবাদ্বিতীয়ম্' তত্ত্বগী অনি শুদ্রবী স্বরূপকা প'দোক্লবা য়াদ্রবী শক্তি (স্বরূপানুবন্ধিনী) গী অতকপা মগক অহবু শৌরহনা য়াম্না কুপ্পা নৈনহনা লেপ্লম্মি। মাহাক্না জীব অমসুং প্রকৃতিবু তত্ত্ব কৌরম্দে অমসুং মাখোয়বু শক্তিনি হায়না কীরেপ্‌কম পীহনা পরতত্ত্বগী অনিশুদ্রবা মশক লেপ্পি। পরতত্ত্ববু পাঙ্গল য়াওদবা (নিঃশক্তিক) নত্রগা জীবগা খেন্নদবা তোপ্পবা হা না। গৌরবাদি শক্তিমান্‌বু মপুং ফাদবা ওই-হন্নে হায়রগী রাক্ষম চৈতন্যচরিতামৃতদসু হায়। অহুগা শ্রীজীব-গোস্বামিনা শক্তি য়াওবরা পরতত্ত্ববু পরব্রহ্মনি হায়। মশাবু অচৌবা ওইবা অমসুং মা অহুদগী অতোপ্পবুসু চাউহন্নবগী— স্বরূপকা থাদোয়বা য়াদ্রবী শক্তি (স্বরূপানুবন্ধিনী শক্তি) লৈবা মাহাক ব্রহ্মনি। অদ্বয়তত্ত্বনা সচ্চিদানন্দ শ্রীকৃষ্ণ ওইবা মরম্না শক্তিসু অনি শুদবানি, সচ্চিদানন্দগী লম্বী হনবানি। সৎ চিৎ অমসুং আনন্দ শক্তি অহুম আসনা পূনবা সচ্চিদানন্দ শ্রীকৃষ্ণনি। মাহাক্কী শক্তি অহুম অসিবু সন্ধিনী সম্বিৎ অমসুং হ্লাদিনী হায়না খনৈ। সন্ধিনীনা লৈনবগী (স্থিতগী) মরি ওইবা শক্তিনি। অসিনা ভগবান্‌ মশা অমসুং অতোপ্পনা লৈবা অহু ওাকই। সম্বিৎ শক্তিনা জ্ঞান মরমগী শক্তিনি। অসিনা ভগবান্‌ মশানা খংই অমসুং অতৈবুসু খঙহল্লি। হ্লাদিনী শক্তিনা নুংঙাইবা মরমগী শক্তিনি। শক্তি অসিনা ভগবান্‌ মশানা নুংঙাইবা ফংই অহুগা অতৈবুসু নুংঙাইবা অহুপী। সৎ চিৎ অমসুং আনন্দ থাইদোক্লবা য়াদে অসুম্না সন্ধিনী, সম্বিৎ অমসুং হ্লাদিনীসু থাইদোক্লবা য়াদে। ব্রহ্মগী শক্তি অহুম অসি পাংথোকপা থোইদোকপা মথৌনি,

হায়না ভগবৎসন্দর্ভনা হায়। ব্রহ্মগী মওং অনি থোক্লা লৈ —(১) শক্তি খক্তা ওইরগা মাহাক মূর্ত্তি পান্দে অমসুং শক্তিগী মপু ওইবা মতমদা মূর্ত্তি পাল্লে। মূর্ত্তি পান্দবা শক্তি মওং অহুদা শক্তি পূর্ণমক ভগবৎবিগ্রহগা আত্ম অমতগী মওদা লৈ অহুগা মূর্ত্তি মওং ওইবদনা ভগবানগী খোংলোই ওইবহুনা কেংই। পরতত্ত্বগী হ্লাদিনী শক্তি পরতত্ত্বদা লৈ পরতত্ত্বনা রস চুপ্পিংঙকপা মতমদা হ্লাদিনী শক্তি মুংঙাইবা পূর্ণমক্লা তুংন্দবী অসিনা মাহক্কী শক্তিগী শকক ওইরবা ভক্তশিংগী থম্মোইদা চেন্দ-হল্লি অমসুং মওং অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাইনবগী মশক ওইহনা নিংথিরব, থুম্নবা মশক ওইহনা থোইদোকপা মহাওনা থল্লবা অওকপা শকক্লা ওই। ভক্তিনা ভক্ত কোটিদা চংই; অহুনা ভক্ত অমসুং ভগবানবু শোঁদোক্নবা শক্তি ওই। অদ্বৈতত্ত্ব অহু ফংনবা পর্ব্বেসু স্বরূপশক্তি হংথবদি ভগবান্দা তুহনা লৈবা শক্তি অতগী থৌচংন হায়বদি ভক্তিনি। ভক্তদা জ্ঞান থাই-দোকপা লাক্লবা অরেম্বদা অরাবা ফংগদবতনি। শ্রীমদ্ভাগবতনা ১।৫।৩৫ দা —

> যদত্র ক্রিয়তে কর্ম্মভগবৎ পরিতোষণম্ ॥
> জ্ঞানং যত্তদধীনং হি ভক্তি যোগসমন্বিতম্ ॥

> শ্রীকৃষ্ণ পেন্নবা থবক তৌবা তাবরদা মোক্ষ পাংথোকপগী জ্ঞান অহু ফংই; মরম অসিনা মোক্ষ পাথোকপা জ্ঞান শ্রীকৃষ্ণনা পীবিবা কর্ম্ম (ভক্তি)গী মথা পোনবনি।

অদ্বয়তত্ত্ব অনিশুদবা মতোমতা ওাইবা অহুবু ফংনবা উপায়সু অনিশুদ্রবা, স্বরূপ শক্তি অতগী পোৎচং ওইরিবা অহু ভক্তিনি। জ্ঞান ভক্তিগী যাকা ওাইবনি পরতত্ত্ব শ্রীকৃষ্ণ, ব্রহ্ম পরমাত্মাগী তুংকম ওইবগুম শ্রীকৃষ্ণভক্তিসু অহুম্না জ্ঞান কর্ম্ম যোগকী তুংক্ষি।

অসিগী মরম শ্রীমদ্ভাগবতকী প্রথম স্কন্ধদা শন্দোক্না য়াওরি।

সমুদ্রগী নাকল অমদগী হৌরকপা ঈথক্না নাকল অমদা মাংই নত্রগা তিল্লি; ঈথক অদু ঈশিং ওংক্না ভাইবা মশক অদুনা সমুদ্রগা খেন্নত্রবসু সমুদ্রগী মরেপ লুরবা মণিমুক্তানা তুংহনা লৈবা গুণ অদু ফাংপনা নত্রগা লৈংবনা সমুদ্রগা খেন্নরে; সমুদ্রদা মাংখিবা মরম্না তোপ্পা উবা য়াবগী মওং মাংখ্রে, অদুদগী ঈথক অদু সমুদ্রগা অমতা ওইরে হায়নবতনি। অদুম্না মাগী মওং ওইরিবা ব্রহ্মগী মডাম্না লৈরিবা মকম অদুদা জীবনা প্রলয় মতমদা থুম্লুরিবা জীবগা মশক অমতা ওইরে হায়বতনি। মশকসু মথোনা মপাঙ্গলদসু কংজবা থরগী মনুংদা লৈবা জীবনা মপান নাইত্রবা কুংনা মুংঙাইরবা ব্রহ্ম ওইবা ফংলে হায়বা য়াদে। মরম অসিনা মুক্তিদসু ব্রহ্মগা জীবগা তোপনা তোপনা উবগী শরুক ফাংপনা খেন্নবনা অমসুং করিগুম্বা অংশ অমদা উবা ফংদনা মাংখিবনা খেন্নদে হায়। অসুম ওইরবদা ভক্তিগী মুংঙাইবা চুপচনবগী দমক্তা সচ্চিদানন্দ—হকচাং ওইথ্রবা অদুনা জীব ওইনা অমুক লৈজরবা রাকম লাক্রবদি ভগবান্‌গী থোইদোকপা কৃপাতদগী ওই। কীবম অসিদগী অভেদবাদ কনথ্রবা শ্রীশঙ্করাচার্য্যনা 'হে প্রভো! ভেদনা মাংথ্রবসু ঐ নংগীনি; অদুগা নংদি ঐগী নত্তে,—মরমদি ঈথক্না সমুদ্রগী ওই অদুগা সমুদ্রদি করিগুম্বদা ঈথকী মথা পোন্দে' হায়খি। 'নংগীনি' হায়বা লোল মায়ানা কুপখিদুনা শিজিন্নবা অসিনা 'ভেদ'-খেন্নবা হায়বা অদু পাংথোক্রে। 'ইবুঙো'! ঐ নংগীনি' হায়বা অসিনা জীবগা ব্রহ্মগবু, অমতনি হায়বা অভেদ-বাদীশিংগী মোংমশানা অদুম ককচরে। হায়বদি লুবরা তুংরসগী ঈচেল পূন্নমক্না মমিং থাদোক্তুনা জিন্নুগবসু অমোংপা, নিংথিরবা মণিমুক্তানা থল্লবা সমুদ্র অদুদি ওইবা ঙমদে, মাখোয়গী মপান-গী মশক ওইনা লৈরম্বা অদু মাংখিবদা সমুদ্র ওনথিবা ওইনা

থংনবতনি। অদুনা জীবনা মুক্তি ফংজরবদু ব্রহ্মগা পুম্মান মান্নবা শককম ওইবদি য়াদে। অওইবনা ব্রহ্ম অমসুং জীব মশক্তা পাঙ্গলদা পুমথেন থেন্নবনি। মুক্ত ওইরবা জীবশিংনা ব্রহ্মগী ওইরিবা অসংকী থৌরমশিংদা করিগুম্বদা মথুং থিংজিল্লুবা য়াদে। চাউরবা জ্ঞান অদুনা ব্রহ্মনি, জ্ঞান মরিক্তা জীবনি। জ্ঞানগী অংশ অদু থল্লুরগদি অনিমক অমতনি হায়বা য়াই অদুদা মশক্তা মপাঙ্গলদদি মতম পুন্নমক্তা থেন্নৈ। অংশীগা অংশগী (থাইরক-কম মপুম অমসুং থাইরকপা মচেংকগী) ভেদাভেদ—থেন্নবা থেন্নদব-গী মরি লৈবনা ব্রহ্মগা জীবগী মরক্তদু মতম পুন্নমক্তা মরি অসি লৈ হান্নরিবা র'কন চেংশিনহল্লে। শক্তি অমসুং শক্তিমান্ থাইদোক্লবা ইয়া য়াদ্রবা হায়বা অসিদগী গৌড়ীয় আচার্য্যশিংনা ভেদাভেদবাদ লেপ্লি। চৈতন্যচরিতামৃতগী মতাং অমদা উপ্রে—কস্তুরীগা মাগী মনমগা থাইদোক্লবা য়াদবগুম মৈগা মৈশাগা থেন্নবা লৈতবগুম শক্তিমান্গা শক্তিগা থেন্নদে। মনম কস্তুরীগী শক্তিনি, অশাবনা মৈগী শক্তিনি। শক্তিমান্গী মশক অদুদা শক্তি লৈ, মাখোয় তোপ্পবা পোৎ নত্তে, অমগা অমগা শেংনবা য়াদ্রবা মরিনি। পরব্রহ্মগী শেত্তোকপা য়াদ্রবা মশাদগী তোপত্রবী শক্তি (স্বরূপানুবন্ধিনী) মশাগী ওইজবনি, হাপচিল্লকপা নত্তে। কস্তুরীনা শোকপা পোৎ নত্রগা মৈনা চাকপা য়োংনচিংবগী মনম—শক্তি অদুদি হাপ্পকপনি (হাপকংসকপনি) মশাদগী থোকপা নত্তে; অদুনা পরব্রহ্মগী শক্তিদি মহোশাগীনি, মশাদগীনি। শক্তিগা শক্তি-মানগা থেন্নদবনি, কস্তুরীগা মাগী শক্তি মুংশিবা মনমগা, মৈগা অমসুং মাগী চাক্লবা শক্তিগা তোপ্তবনি, থেন্নদবনি—হায়না হেক্তা লেপ্পসি হায়রবদু চান্নবা পুমতোপ তোপতে হায়বদু য়াদে, মরমদি মৃগমদ (কস্তুরী) অমসুং মৈ উদ্রবদু করিগুম্বা মকম, মতমদা মনম অমসুং মৈশা ফাউবা থেংনৈ। কস্তুরীনা শোকউবা পোৎ অদু

কস্তুরী য়াওব্রবা মতমদা মনম অহুদি লৈথহৌই। অস্লুমা মৈদা ইক্‌উব্রবা য়োং মৈ মুংগ্রবস্থ অশাবা অহুদি শাংথনা লৈগৌই। পরব্রহ্ম উব্রবস্থ মাগী শক্তিগী মশেং মরাং ওইবা মঙং অহুদি কাউবা অমস্থং উবা ফংই। মরম রসিনা কস্তুরীগা মাগী মুংশিবা মনমগা, মৈগা মাগী চারবা শক্তিগা পরব্রহ্মগা মাগী শক্তিগা পুমখেন খেন্নদে হায়রবা অসিদি পুমরোই ওইবা পুমচুম চুম্বনি হায়রবা য়াদে। মাখোয়গী মরক্তা কুপ্পা য়েংশিন্নগা উবা ফংই। অমরোমদা অমুক পুমখেন খেন্নে হায়বস্থ য়াম্না লুবা রাকম্নি। মাখোয়গী মরক্তা শেংনবা য়াব্রবা মরি লৈরি। অসিদগী লাক্লিবদি কস্তুরী অমস্থং মাগী মনমগী মরক্তা খেন্নে হায়না লেপ্পবা রাবা অহুক খেন্নদে হায়না লেপ্পবস্থ অহুম রাই—অসিগী মহুত্ত মতম অমতদা ভেদস্থ লৈ, অভেদস্থ লৈ হায়রবা অসি লেপ্পা তাই। মথক্তা শ্রীরাধাকৃষ্ণনা খুদম ওইহুনা প্রমাণ তৌখিবা থেংনখ্রে। অমুক হন্দ্রিল্লুবা কান্নখ্রে। অনিনা আত্মা অমতা ওইবা অমস্থং তোপথোক্লবা আত্মা ওইবা থংব্রবা মতমদগী ওইরক্লবনি অমস্থং মতম পূম্বদা অরেপ্পা ওইরক্লবনি। মতম অমতদা লীলা অনিমক নিত্যনি হায়বদি ধ্রুবনি—লেংদ্রবনি। চৈতন্যচরিতামৃতগী মধ্য-খণ্ডদা রায় রামানন্দগী ঈশৈ 'পহিলাহি রাগ নয়ন ভঙ্গ ভেল'গী 'না সো রমণ না হম রমণী' হায়রবা পদ অহুতদা অচিন্ত্যভেদাভেদ তত্ত্বগী মপুং ফারবা পন্থংফম অহুনা ভক্ত রাখল চাউবা রসিকশিংগী মতম কুইনা খঙহনা কোঞ্চরিবা সত্যনি।

শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌরহুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য হায়বা নাম লৌরে। সন্ন্যাস ধর্ম্ম হেক ফংবদা গোপীভাবতা কৃষ্ণ কাইনবগী মৈচাক্তা ডাওখিহুনা বৃন্দাবন চৎলিবনিগী রাখলদা লম্বী ডাওহুনা সুমিৎ হুম্নি চুপ্পা রাঢ় কোইহুনা লৈরুরগা নিত্যানন্দ প্রভুনা শিন্দুনা শান্তিপুর য়ৌরক্লুনা মমা ইবেম্মগা উন্নরগা মমাদগী বিদায় লৌহুনা

ময়াগী য়াথং মতুংইন্না নীলাচলদা বাস তৌবা লেংলক্লে। অসুম্না মথং মথং লাকপা অসিদা শ্রীজগন্নাথদেবগী মন্দির মতোল হেক উরকপদা নাক য়েৎ করি য়েংঙমদনা কল্লা মন্দির তাল্লা চেনখৎখি, মন্দির য়ৌরক্লবদা মীনা খাম্বকা অমতা তাদনা বিগ্রহ অদুবু কোনগদবগী চেনশিনখি। থোং মনাক য়ৌরকপদা রাম্বদুনা তাখি। তাল চারুবদগী বাসুদেব সার্ব্বভৌম মকম অদুদা লৈরম্মি। মাগাক্লা প্রভুবু ফু চৈবা তৌহন্দনা মাগী য়ুম তাম্ন' পুহনখি। অদুদগী মতম খরা কান্‌-নরগা নিত্যানন্দ প্রভুনা চৌংলদুনা মহাপ্রভুগী তুংইল্লকপা ভক্তশিং থুংলরে অমসুং মাখোয় ময়াম চংদুনা র'না অমসুং কুইনা হোৎনরনা লাক্লগা সংকীর্ত্তন তৌদুনা অমসুং নাম শোল্লগা মহাপ্রভুগী খান লাকখি।

শক-চু চাংদম্নভাই লৈতনা কজগ্রবা, উবদা পুক্লিং হেক্লা হুবা শককম্না মাগী ওইবা, অভাংদি ওইরিবা 'নবীন সন্ন্যাসী' অদুবু উরগা সার্ব্বভৌমনা মাহাক্কী দমক্তা মথরায়মক য়াওনা রাবিখি। সন্ন্যাস ধর্ম্ম ইনবা ঙম-দুনা মুন্না খংবা রাৎপদগী মশা কনবা ঙমদ-দুনা অরানবা লম্বীদা চৎখিদ্রা কীদুনা ইন্দ্রি থুদুম চনবা ঙম্নবগী পাম্বৈ বাসুদেবনা খনবিখি। খরা হোৎনহল্লগা, খংহল্লগা অকবা সৈন্ন্যাসী অমা কৌদুনা প্রভুগী মওং অমুক শেমদোকপীগে নীংখি। অদুত নত্তুনা বেদান্ত তম্বীদুনা অদ্বৈতমার্গদা পুশিনবিগেস্ন খনখি। সর্ব্বভৌমনা বেদান্ত তম্বীবগী রা প্রভুনা হো দাক্লকপদা প্রভুনা য়াম্না য়ানিংনা হরাওনা য়'রে, হরাওদুনা—ভট্টাচার্য্যনা মপাল নাইদনা চানবিবনি—খুমখি। ভট্টাচার্য্যগী লোন্দা অদুদা ভক্ত মুকুন্দনা শাওদুনা 'চানবিবা? অসিবু চানবিবরা উইশিত্তবনি' হায়রকই। প্রভুনা 'উইশিত্তবা নত্তে, ঐগী মঙ্গলগী দমক ভট্টাচার্য্যনা সন্ন্যাস ঙাকপা ঙম্নবা চানবিবনি' খুম্নকই।

অদুদগী সার্ব্বভৌম ভট্টাচার্য্যনা প্রভুবু মন্দিরদা পুরক্লে অদুগা

হায়রকই 'নং সন্ন্যাসীনি, বেদান্ত পাগদবনি, তাগদবনি, তমগদবনি। মাহুনা সন্ন্যাসীগী বিধি ধর্ম্মনি অমসুং অহু কায়দনবা লম্বীনা বেদান্তনি'। 'তাকপীরিবা অহু তৌজগান' হায়না প্রভুনা য়াম্না নোম্না খুম্নকই। অসুম ওাংনরগা বেদান্ত তম্বীবা সার্ব্বভৌম কয়ে। ছাত্র অহুনা মথন্নায় য়াওনা অমসুং পুক্নিং চ'না তারে—প্রভু শুম্মংপগুম উরে। ম্নারা অমতা ওাংদে। অসুম্না সুমিৎ তরেৎনি তম্বীববা ফাওবদা ছাত্র অহুন' ম্না অমতা ওাংদ্রে। অরাইবা ম্নাহং অমা ফাওবা হংদ্রে। অহুদা আচার্য্যনা খল্লি— সন্ন্যাসী অসিবু অঙাওবরা নত্রগা অপংবরা ? কৈ, কত্তে অমত্তা হাযদবা করিননো ? থোঙ্গীন্দবরা ? অহুসু মান্দে। অসুক নোনবা, ইকাইথিবা ছ'ত্রদি লৈবু লৈতে—হাযনা মণ্ডল মণ্ডল খল্লকই।

'সুমিৎ তরেৎনি শুরে—ঐনা ন'বু তম্বীরিবসি। য়ানিংবা য়ানিংদবা নংনা অমতা হাযদে থংট খদে অমতসু হাংদে' হায়বগা মপুক্তা পেন্দ্রহুনা মথা তারক্নে, 'উ য়ু'বগুন খিন্দুনতা লৈ—থংই থংদে, য়ানিংই য়ানিংদে অমত'দ হ য়ুদনা ?' প্রভুনা খুম্মকই 'ঐগীদি তাবগী ম্নানি। অহুনা তারিবা অসি'ন।' ঐনা ব্যাখ্য তৌখিবশিং অহু ভ'ব তানা তানা চংখিববা ?' 'ঐদি অপংবনি লাইরিক লাইশুসু হৈবা নত্তে, অহুনা করিমতা থংদে। ভট্টাচার্য্যনা শাওরহুনা হায়রকই 'থংত্রবদি হংফম থোকইদনা! হংদনা তুমিন্না ফমহুনা লৈথোকপাদি করিগীনো ?' প্রভুনা য়াম্না নোন্নুক্না খুম্নকই বেদান্ত সূত্রগী ম্নাদি য়াম্না শেংত্রে অহুগা ভট্টাচার্য্যগী ব্যাখা অহুনা ঐবু মহ্মল্লি।'

"করিনো সন্ন্যাসী অসিনা হায়রিবা অসিদি' লেংত্রবা উথোংগুম আচার্য্য খিন্দুনা লৈত্রে। প্রভুনা চথনকই। সূত্রগী অর্থদি য়াম্না শেংত্রে। অহুদা শঙ্করাচার্য্যনা মাগী পুকথোক্তনা ভাষ্য অঃতাম্না অমা পুথোক্লে। মানা পুথোক্লম্বা অহুনা লম্বী ওইরহুনা মহাক্না

ব্যাখা তৌবা অহুনা মক্সন্নে। শঙ্করাচার্য্যগী ভাষ্যনা লৈরিবমখেদি অচুম্বা অর্থ ভাব তাররোই' হায়না নোঙ্গুল্ল অমসুং চেকশিনবা ৱাহৈনা প্রভুনা হায়রকই। শঙ্করভাষ্যনা হায়রিবনা শ্রুতিনা থারিবা ব্রহ্মদি থবক তৌদবা গুণ য়াওদবা অহুবুতনি। ব্রহ্ম নিরাকারনি, মওং লৈতবনি, মরম—গুণ য়াওদবনি অহুনা ব্রহ্ম হায়বা পোৎ অসিদি জ্ঞানতনা কংই। অহুনা ভক্তিনা খুকম্বনচিংবা অর্থ য়াওদবা ৱানি। মাসিদি নাস্তিক মথল অমনি। [মরেক য়ামদবা, কজনবা ৱাহৈ হাপ্তবা, মরু ওইবা অর্থ য়াওবা, ওইবা ৱাবা মরম পূম্নমক্তা খিংদনা থম্বা কব্রিগুম্বা শকক্তা অশোইবা য়াওদবা ৱাহৈ পরেংবু সূত্র কৌই। সূত্রগী ৱাহৈ লৌখত্তুনা সূত্রদা য়াওবা ৱাহৈ পরেংদগী সূত্র অর্থ কোংদোকপা অহু ভাষ্যনি। আচার্য্যনা তৌবা ব্যাখ্যানা সূত্রগী ভাষ্যনি। অতৈনা তৌবা ব্যাখ্যানা টীকা কৌই।] সার্ব্বভৌম ভট্টাচার্য্য মোত অসি চৎপা নিপানি। মাসিবু গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুনা ককথরক্লে। -

ব্রহ্মগী অর্থ ক রনো? মাহাক অচৌবা, অচৌবা পোৎ মাহাক্কি ব্রহ্ম। অহুগা অতোপ্পবুসু চাউহনবা মাহাকসু ব্রহ্মনি। অসিদগী থোকপদি ব্রহ্মনা শক্তি লৈ, শক্তি অহু লৈত্রবদি করম্না অচৌবা ওইগনি? মহুনা ব্রহ্ম শক্তিমান্‌নি—পাঙ্গনবনি। অহুগা অচৌবা মাহাক অদো থবক পূম্নমক্তা চাউই, মাহাক পূম্নমক্তা অমসুং পূম্নমক্তগী চাউবনি। থোইদোক হেন্দোক্না চাউবা ওইরিবা অসি গুণ নত্তনা করিসু নত্তে। অহুনা মাহাক মওং অমসুং গুণ লৈবনি। মওং লৈবনা সাকার ওইরে। শক্তি লৈবনিনা সগুণ ওইরে, বৈভব লৈরে, মশিং য়াম্না উৎপত্তসু লৈরে হায়বদি 'প্রকাশবৈচিত্রী' লৈরে। অসিনি ঐশ্বর্য্য হায়ববু। মরম অনিসা ব্রহ্ম ঐশ্বর্য্য পূম্বনা য়োম্লবা ভগবান্নি। [মশক মায়রবসু শক্তিদা হুম্বা বৈভবনি অহুগা মকম মরামদা মতম অমতদা শককম অহুমক ওইবা অহুনা প্রকাশনি।]

ঐশ্বর্য্য পরিপূর্ণ স্বয়ং ভগবান্ ॥
তাঁরে নিরাকার করি করহ ব্যাখ্যান ॥
ঐশ্বর্য্যনা পুম্না থল্লবা ভগবান্নি ॥
ব্যাখ্যা তৌরি নহাক্কা মাবু নিরাকারনি ॥

শ্রুতিনা ব্রহ্মবু নিরাকারনি হায়জরবস্থ নিরাকার ওইনা থম্বদি ঙমদে। ব্রহ্মগী খোং খুং মিৎ লৈতে হাযরি অতুমক্তদা স্বয় তৎ-কাল্লিবৈঙদা অমুক হায়রি —মাহাক্না লোই, চংলি, উই। খুং যাউদনা করিনা পায়হুনা লৌগনি? খোং পান্দনা করম চংকনি? মিৎ য়াওত্রবদি করিনা উগনি—নত্রগা ইন্দ্রি প'ন্দ্রবদি ইন্দ্রিগী থবক লৈরিবা করম্নো? য়াম্না তমহুনস্থ, পাহুনস্থ আত্মাবু খিবা ক দে —অতুত নস্তনা রাখলবস্থ বেদ মযাম তাবনস্থ ক'বা ঙমদে। অহুদা আত্ম'না য়াবিনিংবা, কৃপা তৌবিবা মাহাক অতুদ'দি আত্মানা মশক উৎলি হায়রি। অতুনদি আত্মগী মশা লৈবে হায়বদি হকচাং য়াওরে। মাহাক্না হকচাং পান্দশা ওইববদি মাগী মশা কোম্না থোক্লকইবা কদায়দগীনো অমস্থং করম্নো? কীবম অসি কবিনা লেপকনি? মাসগী কীরেপকম'দ—ব্রহ্মগী মশাগী ওইবা হকচাং লৈতে, মওং লৈতে, ইন্দ্রি লৈতে। ব্রহ্মগী মশাদি লেংলবা জ্ঞানগী মশক্নি, চৈতন্যগী মশক্নি, থোইদোক হেন্দোকপা হকচাংনি। মাগী মতিক মওন—ঐশ্বর্য্যগী হকচাং পুম্বা জ্ঞানগী মশক্নি। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণ স থোইদোক হেন্দোকপা লোইবা নাইদবা গুণনা পূল্লবা অমস্থং মুংঙাইবনা কুংনা থল্লবা মূর্ত্তিনি।

শঙ্করনা ব্রহ্ম মশক মওং লৈতবনি হায়জনিংবা অতুদা মাগী দোষ লৈতে মরমদি ভগবান্গী য়াথংনা মানা অতুম তৌজবনি। মানা অতুম তৌরম্মে হাযহুনা নংদি ভগবান্গী নিন্দা তারুস্থ। নংস্থ হায়গস্থ ভগবান্গী ঐশ্বর্য্য লৈতে, লৈকম লৈতে লীলা লৈতে, লীলা শায়কম লৈতে। মাহাক্কী বিগ্রহস্থ শচ্চিদানন্দগী মশক্নি। ঈশ্বরগী থোইদোক

য়েন্দোকপা হকচাং নত্রগা মূর্ত্তিবু য়াদবা মাহাক অহুদি শোক্ল-পম্নবদা মতিক চাত্রবনি। ভগবান্‌গী নিন্দা তাম্নগা হৌগৎতুনা মকম অহু থাদোক্ত্‌বা মাহাক অহুগী অকবা মিংচং পুম্বা মাংলবনি।—

পদ্মপুরাণে ৬২ অধ্যায়ে একত্রিংশ শ্লোকে শিবং প্রতি শ্রীকৃষ্ণবাক্যম

স্বাগমৈঃ কল্পিতৈস্ত্বঞ্চ জনান্ মদ্বিমুখান্ কুরু।
মাঞ্চ গোপয় যেন স্যাৎ সৃষ্টিরেষোত্তরোত্তরা॥

[ভগবান্না শিবদা হায় হে মহাদেব] নংনা
শাবা তন্ত্রনা মীওইবা পুম্নবু ঐঙোন্দগী মমায়
লৈথোকহল্লু অমসুং ঐবু লোত্তুনা থম্মু অহুম তৌবনা
মথং মথং সৃষ্টি অসি হেনগৎলকপা য়ানবা॥

তত্রৈব—২৫ অধ্যায়ে ৭ম শ্লোকে দেবীং প্রতি শ্রীশিব বাক্যম্

মায়াবাদমসচ্ছাস্ত্রং প্রচ্ছন্নং বৌদ্ধমুচ্যতে।
ময়ৈব বিহিতং দেবি কলৌ ব্রাহ্মণ মূর্ত্তিনা।

[শিবনা দেবী ভবানীদা হায়] হে দেবী কলিদা
ঐনা ব্রাহ্মণ মূর্ত্তি লৌরদুনা (ব্রাহ্মণ শঙ্করাচার্য্য
ওইদুনা) মায়াবাদতা তুকচরবা মীনম্বা শাস্ত্র
শন্দোকপনি মাদুবু কুপাশল্লবা অহু বৌদ্ধ শাস্ত্র
হায়না হায়নৈ।

ভট্টাচার্য্য মহাশয় অমগসু অমুক তাও—

ব্রহ্ম হৈতে জন্মে বিশ্ব ব্রহ্মাতে জীবয়।
সেই ব্রহ্মে পুনরপি হয়ে যায় লয়॥
অপাদান করণাধিকরণ কারক তিন।
ভগবানের সবিশেষ এই তিন চিহ্ন॥

ব্রহ্মদগী পোক্লগা জগৎ ব্রহ্মদা হিংই॥
ব্রহ্ম অহুদা হল্লা অমুক থুপলুই॥

অপাদান করণাধিকরণ কারক-হুম ॥
ভগবানগী লেংঞ্রবা অহুম্নি খুদম ॥

হায়রবদি ব্রহ্মদগী পোক্লগা ব্রহ্মদগী হিংহুনা লৈ অমসুং মমৈদা ব্রহ্ম অহুদা অমুক চংই—মাসি শ্রুতিগী য়ানি। অহুনা শ্রুতিগী অর্থ অসিদগী উরিবদি ব্রহ্ম 'কারক' অহুমগী থবক তৌই হায়রবদি মথৌ তৌই। মাঙোন্দগী ভূত পুম্নমক পেংক্লে অহুনা মাহাক 'অপাদান' কারক্লি; মাহাক্না হিংহল্লিবা মরম্না মাহাক 'করণ' কারক্লি; অমসুং মমৈদা মাঙোন্দা অমুক চংখি হায়বদি তিনখি— থুপখি অহুনা মাহাক 'অধিকরণ' কারক্লি। অহুনা মশক মওং মতৌ লৈতবা, গুণ য়াওদবা পোৎ অমগী কারক হায়রবদি মথৌ মশিংগ থবক অসি লৈবা য়াদে। মরম অসিনা ব্রহ্ম মশক য়াওবনি অহুনা মাহাক সাকারনি। সগুণ ওইবা মরম্না থবকশিং অসি পাংথোক্লিবনি। [মতাং অসিদা লৌকম থোকপা অমা লৈরিবনা মহাপ্রভুনা শঙ্করাচার্য্যবু নিন্দা তৌদে অমসুং তৌবগী য়াহৈস্নু শিজিন্নদে। মাগী মাগী য়াখলগী মতুং ইন্না চৎপা অহুবু তাখিরুদে। লাল্লি লান্দেগী য়াতা হায়রবনি। শঙ্করনা উৎলম্মিবা অহু মাগী পুকথোক নত্তে - ভগবান্‌না তৌহনবনি হায়রহুনা মাবুস্নু কল্লি। মথক্কী পদ্ম পুরাণগী য়া য়াওঞ্রবস্নু মতম চাবা চাদবা ভগবান্না শক্তি পীহুনা থোকহনবদা ওইথোক্কবা করিস্নু লৈতে। প্রভুনা হিংসা থাদোকপা অহুহুম তশ্বীরি।]

প্রভুনা মথা চথরক্লে। ইশ্বরনা জগৎকী মওংদা ওন্নক্লে; অহুদা হায়রবা য়াই জগৎনা ব্রহ্মগী মশক মওং ওইরবদি ঈশ্বরগী মওং কাইথরকপা ওইরবনি হায়রবদি মাহাক্কী শক্তি ঐশ্বর্য্য মাংথরক্রবান। ওইরোই, মাহু ওইবা য়াদে। ঈশ্বরনা মাহাক্কী থংগুমঞ্রবা শক্তিগী পাঙ্গলনা জগত্তা ওন্নক্রবস্নু মাহাক্কী কঁতম অহুবুদি কাইহনবা ঙমদে। স্যমন্তক মণিনা সনা কোকথোং কোকথোং ওলহনঞ্রবস্নু ওলহনখিবা অহুনা মরম ওইহুনা মাগী শক্তিদা হুম্ববা নত্রগা মওঙ্গা মাংথরকপা

থোকহনবা ঙমদে। জগৎ অয়ানবা নত্তে, মীওইবগী হকচাংদা ময়মাই লৌশিং হায়বা অহুনি ওইদবা—মিথ্যাদি। অদ্বৈতবাদীশিংনা অয়ানবনি হায়রিবা অহুনি অয়ানবদি। ঐখোয়না মায়কৈ মরিদা মিৎনা শংশং উরিবা অসিবু অয়েবা পোৎ নত্তে হায়বসিবু য়াকম থোকপ্রা? অয়েবা মক্তি, অহুনা অমাংবা নাই হায়বতনি। লৈবা হায়বা (স্থিতি) অহু নত্রবদি সৃষ্টিনা (শেম্বনা) করিনো? প্রলয় (মাংহনবা) হায়বনা কনাবুনো? সৃষ্টি—শেম্বা অহুদগী স্থিতি লৈবা থোকপনি অহুগা স্থিতি অহু ওইবনা প্রলয় (মাংহনবা) লৈরিবনি।

প্রণবনা ব্রহ্মনি। ওম্ ইতি ব্রহ্মঃ। কোইনা উরিবা অকোইবদা লৈরিবা অসিনি ওঙ্কার। পূময়কী চংকম্নি, পূময়কা শিনথুংবনি। প্রণবনা ব্রহ্মগী মশক ওইবনা বিশ্বজগৎ প্রণবকী মমুং চল্লে। অহুনা প্রণবনা খ্বাইদগী হেনবা য়াহৈনি অহুগা য়াহৈ পূম্বনা প্রণবতগী হুম্বনি। অদ্বৈতবাদীনা 'তত্ত্বমসি' না মহাবাক্যনি হায়। প্রণবতি ঈশ্বরবুম্থ খংনৈ, অহুগা 'তত্ত্বমসি'নদি মাহাকপু খংনদে। অহুনদি 'তত্ত্বমসি' প্রণবতগী হুহল্লে। অহুনা 'তত্ত্বমসি'না মহাবাক্য ওইবা য়াদে—ময়মদি মপুন্দগী মচেৎনা চাউবা য়াদে। ময়ম অসিনা প্রণবনা মহাবাক্যনি। [প্রণব—ভক্তিসন্দর্ভনা প্রণবপু বেদগী ময়ম, ওইরককম অমসুং মহাবাক্যনি হায়।] পদ্মপুরাণনা ঋক, যজুঃ অমসুং সামগী মশকমক ওইরিবা প্রণবনি হায়; প্রণবতা অ,উ,ম ময়েক অহুম অসি য়াওই। অকারনা বিষ্ণুবু উকারনা লক্ষ্মীবু অহুগা মকারনা অনিগী তত্ত্বনা মনাই ওইবা জীববুনি। অউম্ হায়বদি বিষ্ণু, মহেশ্বর অমসুং ব্রহ্মা অহুম অসিনা ওইবা য়েন্নিংনি—মতোন্নি হায়বদি যথা প্রণবঃ সর্ব্ববেদেষু।

মহাবাক্য— অর্থ কোংদোকপা ময়েক (বর্ণ) নত্রগা ময়েক অপুনবগী মমিং পদ কৌই। পদশিংনা পুন্সিল্লপা অর্থ মপুং ফানা কোং-দোকপা অহুবু বাক্য কৌই। হায়কম থোকপা পূময়ক বাক্য অহুদা

য়াওবা অদু মহাবাক্যনি হায়রদি মতাবাক্য শিন্থংনা লৈবা পোৎশক্নি। শঙ্করাচার্য্যনা বেদ মরিদগী মহাবাক্য মরি খল্লোক্লম্মি। অদুগী মনুংদা সা-বেদগী ছান্দোগ্য শ্রুতিগী 'তত্ত্বমসি' মহাবাক্যনা অখোই-বনি হায়ি। অদুদা বেদবাক্য মরি পনশ্লিব। অদু বেদগী শরুক অমমম্তা ওইবনা মহাবাক্য ওইবা য়াদে। বেদ পুম্বগী মরম ওইরককম, ঈশ্বরগী মশক, বিশ্বগী তুংকম ওইরিবা প্রণবতনা অচুম্বা অশেংবা মহাবাক্যনি। বেদগী শরুক অমমমদা য়াওবা বেদগী মনু'চনবা বাক্যশিংনি শঙ্করাচার্য্যনা—মহাবাক্যনি হায়দুনা খল্লোক্লম্মিবশিং অদু। মাখোয়না বেদবু খংহনবা ঙম্ফম থোক্তে অমসুং ঙমদে। অদুগা প্রণবতি বেদবু খংহনবা ওই অদুনা বেদগী মচেৎ অমদা য়াওবা 'তত্ত্বমসি'বুসু খংনবনি। বেদান্ত বাক্য পুম্বগী লম্বীনা চংশিল্লিবা অদুতনা মহাবাক্যনি। বেদান্তগী বাক্য পুম্বগী লম্বীনা প্রণব নত্রগা লোইনা খংবা ব্রহ্মঃরামদনি পাংলিবা। অদুনা প্রণবতনা মহাবাক্যনি।

'তত্ত্বমসি'না করিবু খংহল্লি? শঙ্করনা জীবগা ব্রহ্মগা খেয়-দবা পাম্মম্মি, অদুনা মাহাক্না মপুক্তা শাগংখি—নং জীবনি, ব্রহ্মদো নং অসিনি-'তৎ' (মা অদুনা, ব্রহ্ম অদুনা) 'ত্বম' (নং, জীব) 'অসি' (ওইয়ু)—হায়রদি নংসে ব্রহ্ম অদুনি। অসি নত্রবা মশানা থোকচবা, চোংথোকচরকপা অর্থ অমসু লৈরি। তাও। [মহাপ্রভুনা সন্ন্যাস লোবা মতমদা 'তত্ত্বমসি'গী মরমদা কেশব ভারতীদা অর্থ অতোপ্পা আসনা হায়খি।] তস্য ত্বম্—তত্ত্বম্ (ষষ্ঠী তৎপুরুষ)—অদুনা 'তস্য (মাগী-ব্রহ্ম অদুগী) 'ত্বম্' (নং-জীব) 'অসি' (ওইয়ু); জীব ব্রহ্মগীনি—মনাইনি। মধ্বাচার্য্যনসু ব্যাখ্যা অসুম্না তৌই। হায়-রদি-নং মাগীনি। পুম্নমক্তা য়ানরিবা অর্থনা হে জীব! নং ব্রহ্মগী ওইয়ু অসিনি। নং ব্রহ্মগীনি। নং ব্রহ্ম নত্তে, ব্রহ্মগী অমনি। নং মাগী মনাইনি, মনাইগী মনাইনি। অর্থ অসিনা ভক্তি মার্গদা

চংলক্লে।

মতাং অসিদা ভক্তিগী রা লাক্লে। সম্বন্ধ নত্রগা অরেপ্পা ওইবা মশক্না ভগবান্, অভিধেয় নত্রগা জীবনা তৌকপ থোকপনা সাধনভক্তি অহুগা প্রয়োজন নত্রগা পোৎচংনা ভগবৎ প্রেম্নি। সম্বন্ধ, অভিধেয় অমদি প্রয়োজন—পোৎ অহুম্মক বেদদা নৈনবা মওং ঙাক্লনি।

অহুদগী ভগবান্না কমদৌবা? মাহাক্তি থুম্মি, থুম্মি, থুম্বদগীসু হেন্না থুম্ম - অসিদগী হেন্না হায়নবা অমা লৈত্রে।
কর্ণামৃতে দ্বিনবতিতম শ্লোকে বিল্বমঙ্গল বাক্যম—

মধুরং মধুরং বপুরস্য বিভোর্মধুরং বদনং মধুরম্।
মধুগন্ধি মৃদুস্মিতমেতদহো, মধুরং মধুরং মধুরং মধুরম্

থুম্মি থুম্বদগীসু হেন্না থুম্মি কৃষ্ণগী হকচাং।
থুম্মি থুম্বদগীসু হেন্না থুম্মি মাহাক্কী মায়থোং॥
থুম্নবা মনম্না হকচাং অহুদা, থুম্নবা মীনোক্না
মায়-থাং অহুদা থুম্মি নিংথিনা থুম্মি, মাম্না থুম্মি
পুম্নমক্কগী পুমথুম থুম্মি।

অহুগা ভগবান্গা জীবগী মরিদি সেবা তৌকমগা তৌবগীগা মরিনি। অহুগা ভক্তগী রস চুপচবদো অহুনি ভগবান্না নুংঙাই-বনা। সাযুজ্য মুক্তিদা মশক মগুণ য়াওদবা ব্রহ্মদা নুংঙাইবদি কদায়? ব্রহ্মদা তিনগ্রবা, ব্রহ্ম ওইগ্রবা মাগী নুংঙাইবনা ব্রহ্মদগী করিনো? চিনি ওনগ্রবা, থোইহি ওনগ্রবা জীব অহুনা চিনি থোই-হিদগী অথুম্বা রস কররম্না কংগনি? মওং অসিদা প্রেমদা লুপচনবগী অহাংবা থুদোংচাবা কদায়? অহুগা মাধুর্য্য রসগী ঈথক্কা তাউজনবগী মতাংনা কদায়দা? ভগবান্বু সেবা তৌজহনা প্রেম্না ঈহৌরকপদা প্রেমরস ময়েক লানা, মরিক চুম্না চুপচবদগী হেন্না নুংঙাইবা করি

লৈ ? চিনিগী থোইহিগী মনাক্তা লেজবদা ব্রসদদি কংবা ওমদৈ। ব্রস অসিবু কংজনবা ভক্তশিংনা 'কোটি জন্মে জন্মান্তরে প্রেম সেবা দেহ মোরে' চায়না কপ্পুনা নিবৈ—করিগী নিব্রি ? ব্রস অদো ভক্তনা চুপচনবগীনি। ভক্তনা মবুক্তোগী পেখ্রমলদনি কংজনিংবা। মুক্তি মথল অমতবু পাম্মুদে—পীরবস্থ লৌদে, লৌরোই।

অভিধেয়দি করিনো ? নীংজরিদা অহুবু কংজনবা পাংদৈ অহুনা অভিধেয়নি, ভগবান্‌বু কররম থংগনি, করম্না উগনি ? ভগবান্‌বু থংজরবদি কীনিংঙাই লৈজ্রে। অরাবা পাপ পূম্নমক মাংব্রে। শোকপা শিবদা নাচুংলুজ্রে। উরবস্থ অহুনি। থম্মোইদা অপূনবা লৈরবা পূম্বা মাংব্রে, চিংনবা পূম্বা চংব্রে। কর্মদা ব্রাংথরক্লে। মাসিগী উপায়না করিনো ? উপায়দি ভগবং নীংজবনি।

অহুগা যোগ মার্গদদি পূম্নমক্কী হক্ লৈতে, পূম্নমক্বা ওমদে। মপুক্লিং লাকশিন্‌বা ওম্নবদদা যোগকী মতিক চাবা ওই। যোগগী দমক অশেংবা মকম, কম্ফম, হিপ্‌কম, মুংঙাইবগী পোৎচং ম্রাওই। অহুনা যোগদা মীগী মতেং চংদবা নত্তে। জ্ঞানস্থ অহুনি। জ্ঞানমহৈ কংনবগী দমক ভক্তিগী মতেং চংই। জ্ঞানগীস্থ মীশক থল্লি। মপুক শেংবা মীতনা জ্ঞানদা হক্ লৈ। অহুগা যোগ, জ্ঞান অভিধেয় ওইরবস্থ অথোইবা অভিধেয়দি নত্তে। অথোইবা অভিধেয়দি ভক্তিনি। ভক্তি মনিং ভম্মি, কনাগী ম্রাকা ঙাইদে। মশানা অহুম লৈজরবনি। কীতম পূম্বদা, মকম পূম্বদা, মতম পূম্নমক্তা কনাবু ঙাইদে। নিয়ম, থিংবা পূম্নমক্কী মপান্দনি। ভক্তিনা থাইদগী লায়, পূম্নমক্কী মন্নুংদা মশানা অহুম তাজবা হায়বা অহু ভক্তিনি অমস্থং পূম্নমক্কগী থাজকম্নি।

অহুগা প্রয়োজনদি করিনো ? করিগী পোৎচংনো ?—পাম্নক্কম অহুগী দমক্তা নিজবা অহু পোৎচংনি। নিজবদা করিনো পাম্মিবা ? সংসারগী অকীবদগী, ত্রিতাপজ্বালা—অচাকপা অহমদগী কববিবা

অহুনি নিজম্নিবা পামজম্নিবা। ভক্তিগী পাঙ্গলনা মপোক মপোক থম্মোইগী অথুম্বনা থোইদোক হেন্দোকপা মপা লৈত্রবা অথুম্বা অহুগী সেবা কংনি খংবমক্তদা, লৈরবমক্তদা কম্নিগী দমক উদ্ধার পাম্মি? পাম্মুম্নিবা অসিগী মম্নমদি—প্রহ্লাদনা নৃসিংহ ভগবান্দা হায়জখিব-গুম্বনি। মাহাক্না মবুঙেঙ্তাদা হায়জখি ঐগী কর্ম্মফলগী মতুং ইন্না মপোক লিশিং লিশিংদা চংসুখিনি, অহুদা মপোক অমদম্নু ওইসম্নু, ওইনিংবা মকমদা ওইসম্নু নঙোন্দা ঐগী ভক্তি অসিদদি কায়দনা লৈজগে। অম্নুম্না রসগী শককম অহু কংজবগী অর্থবু সেবা তৌকম ওইনা কংজবনি। সেবা অহুবু ম্নাংখংনবগী দমক্তা নীংজবনি, খুক্নমজবনি। অহুদগী সেবাদগী কংজবা মুংঙাইবদো—অহুনি প্রেম হায়বদো। প্রেম অসিনি য়াম্না চংথ্রবা পোৎচং।

অহুনা সম্বন্ধ, অভিধেয় অমসুং প্রয়োজন—পান্দফম, তৌকম থোকপা অমসুং পোৎচং পোৎ অহুম অসি নত্তবা শঙ্করাচার্য্যনা হায়-ম্নম্বা পুম্বা মাগী পুক্নিংগী খুংথোক ওাক্নি। শঙ্করাচার্য্য মহাদেবগী—অবতারনি। ঈশ্বরগী য়াথংনা মাহাক্না বেদগী অর্থ অশাবা ওাক্তা তৌরম্বনি। শ্রীকৃষ্ণনা শিবদা হায়খি, নংনা আগম শাস্ত্রনা পুম্নমকপু ঐঙোন্দগী মমায় লৈথোকহল্লু, ঐবুসু লোত্তুনা থম্মু, অহুম তৌবদা লৈথুমগী মুংঙাইবদা সুপ্তনা মাখোয়না প্রজ্ঞা হেনগংনবা হোৎনসু।

'আচার্য্যের দোষ নাহি ঈশ্বর আজ্ঞা হৈল ॥
অতএব কল্পনা করি নাস্তিক শাস্ত্র কৈল ॥'

আচার্য্যগী দোষ নত্তে ঈশ্বর আজ্ঞানি ॥
অহুনা ভাবনা শাবা নাস্তিক শাস্ত্র ইবনি ॥

পুম্নমক অসি তারবদা সার্ব্বভৌম মিহুন্ হুম্রবগুম লেংখিদ্রে। মওং, মশক, গুণ য়াওদবগী ম্না ককথ্রে। সগুণ, সাকারগী ম্নানা লেংদনা লৈথ্রে। সম্বন্ধনা ভগবান্, অভিধেয়না ভক্তি, প্রয়োজননা

প্রেম—পূম্নমক অনোবা তত্ত্ব ওইরে। সার্ব্বভৌম মরোল থোকখিদ্রে অসিবুনিকো ঐনা অপংবা অঙাওবা অঙাংনি হায়রুবদো—হায়না। মাহাক্না ওকুনা খিন্দুনা লৈবগী কীবম উবদা প্রভুনা হায়রকই—অসিদা ওকুবগী রা কল্লিসু লৈতে। ভগবান্দা ভক্তি লৈবা মীওইবগী অথোইবা লগনি. পুরুষার্থনি। ধর্ম্ম, অর্থ মোক্ষ অমসুং কাম হায়বা পুরুষার্থ (মী অমগী ওইকম থোকইবা) মরি অসিগী মথক্তা মঙাওবা নত্রগা থোইদোকপা পুরুষার্থনা ভক্তি নত্রগা ভগবৎ প্রেম্নি। প্রেম অসি ব্রহ্মদা মুংঙাইবদগী হেন্না ফংনিংবা পোৎনি। প্রেম মহাধননি। প্রেম অসিতনা কৃষ্ণগী থুম্নবা রস চুপহল্লি।

প্রভু কহে ভট্টাচার্য্য না কর বিস্ময় ।।
ভগবানে ভক্তি পরম পুরুষার্থ হয় ॥

প্রভুনা হায় ভট্টাচার্য্য করি ওকনি ।।
ভগবান্দা ভক্তি অথোইবা পুরুষার্থনি ॥

মথংদা প্রভু শ্রীমদ্ভাগবতগী ১।৭।১০গী শ্লোক থীরকই—

আত্মারামশ্চ মুনয়ো নির্গ্রন্থা অপ্যুরুক্রমে ॥
কুর্ব্বন্ত্যহৈতুকীং ভক্তিমিত্থম্ভূত গুণোহরিঃ ॥

—মাখোইগী থম্মোইদা মীহৌবা, অপাম্বা লৈত্রবা অমসুং আত্মাগী মুংঙাইবগী জ্ঞান্দা লুপ্পবা মুনিশিং অহুসু মায়থিবা পীওমত্রবা শ্রীকৃষ্ণবু নিষ্কাম ভক্তি তৌই।

অসিনি ভট্টাচার্য্য হরিগুণদি। অতুদা মাহাক্না—চানবিহুনা শ্লোক অসিগী ব্যাখ্যা শন্দোক্না অমুক্তা তৌবিয়ু—হায়রকই। সার্ব্বভৌমনা ইথক থক্লকপা উবদা প্রভুনা মাহাক ভক্তিগী রা তানিংলে খংথি। প্রভুনা—নং হায়া ব্যাখ্যা ঙৌখো—হায়রে। অতুদা মাহাক্না ব্যাখ্যা মখল মথাগী তৌরে। অতুদা প্রভুনা—নংদি বৃহস্পতিনি,

নংনা তৌরিবা অসুম্না কনানসু শাস্ত্রগী ব্যাখ্যা তৌবা ঙম্মোই। নংনা ব্যাখ্যা মাপন থোক্লা তৌবা তারে, অদুবু ঐনা নীংঙদি নংগী ব্যাখ্যাশিং অসিগী মপান্দা খরসু লৈরি নীংই—হায়রগা মাহাক্কী মাপন্ন অদুগী মথক্তা মাখোয় অদু ইশোক শোক্তনা তয়ানিপাল অমা তৌরে। ব্যাখ্যাগী মওং অদু শম্পুংনা অসুমনি 'আত্মারামনা হৌরিবা শ্লোক্তা পদ তরামাথোই লে। অর্থশিং লেপ্পবা পদশিং অদুগী অর্থ তোঙান তোঙান তৌরে। মরু ওইবা পদদা আত্মারাম তিনশিন্দুনা অর্থ তয়ানিপাল থোক্লা, করি হায়গদবগী উৎলিবনো তাক্লে। ভগবান্, মাগী শক্তি (পাঙ্গল) অমসুং গুণশিং অদুম অসিগী খনকম থোক্তবা মতিক মঙন্ হাধনবগী লোল লৈতে। সাধ্য, সাধন পুম্নমক খুমজিন্দুনা অদুম অসিনা সাধকী মপুক শেং-দোকপী। সনক সনাতনচিংবা অমসুং শুকদেব অসিগী প্রমাণনি। অসুম্না অর্থ ময়াম তৌরকপদা ভট্টাচার্য্য পুমঙক ঙকখি। মাহাক্না খল্লকই—সন্ন্যাসী অঙাং অসি মী ওইকম থোক্তে হায়না লৌগ্রে অমসুং মপুক্তা নিঙমদবা অমা লাক্লে। মাগী পণ্ডিত ওইবগী রাংজরম্বা নাপল উৎ ওইখ্রে। কৌভম অসিদা মপুক্তা মশাবু রাম্নৌরক্লে। প্রভুবু কৃষ্ণনি খংলদুনা মশাবু হুজোইজরক্লে রা মথা তারুদনা প্রভুগী চরণদা চংজরক্লে। বাসুদেব ভট্টাচার্য্যনা মপুক্লিংদা মওল মওল য়ান্না খল্লকই অদুগা মচিনসু থোক্লে। অদুগা অসুম্না হায়ম্লকই 'জগৎকা নংগা খেন্নত্রবসু 'ভেদ' ওইত্রবসু ইবুঙঙো, ঐ নথা পোল্লি হায়বা অসি ঐ মুম্না খংই। ঐ নঙোন্দগী পোকপনি, নং ঐগী ইথা পোন-বা নত্তে, নং ঐঙোন্দগী পোকপা নত্তে। ঈথকা, ঈথক্লা হৌগৎলকপা সমুদ্রগা খেন্নত্রবসু অসিমদি অরেপ্পনি—ঈথক অদো সমুদ্রগীনি অদুগা সমুদ্র অদুদি ঈথক্কী নত্তে'। মাহাক্কী মথক্তা পনখ্রবা শঙ্করা-চার্য্যগী অদুগুম্বা লোল অসিনা তাকপদি বাসুদেব সার্ব্বভৌমনা অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্ববুসু অচুম্বনি য়ারে।

প্রভুনা মখা তারকই—থোঙৗবা চাউথোকপা নত্তনা খল্লুনা য়েংউ সন্ন্যাসতা করি লৈ? হৌবদগী থোঙৗবগী থৌরিনা পুনঃবা সন্ন্যাসীনি।

'বুঝ দেখি বিচারিয়া কি আছে সন্ন্যাসে।
প্রথমেই বদ্ধ হয় অহঙ্কার পাশে॥

খল্লুনা য়েংউ মুন্না করি লৈ সন্ন্যাসতা।
হৌবদগী পুনশ্রে চাউথোক থৌরিদা॥

মাহাক্না চৈ অমা পায়রগা মশাবু শিংপ্রবনি খল্লি। কদায়দসু-কনাদসু মথূৎ লোন্দে। ভগবান্না অন্তর্য্যামী ওইনা মাগী অংশ হূকচাং খুদিংদা চংহনা লৈ, অহমক্তদা ধর্ম্মগী কিরাল পায়রিবা সন্ন্যাসীশিং অসিনা মাথোয়বু খুরুমদে। জীবগী মশাগী ওইজরবা ধর্ম্ম—ঈশ্বর শোঞবা অহ তোকুনা মশাবু নারায়ণনি খল্লি। গর্ভদা লৈরিঙৈদা মাবু কনবিরক্রবা ঈশ্বর, মাগী থৌজান্দগী জীব অহগী জ্ঞান বুদ্ধি কংজরিবা, মাহাকী অনিংবা অমদা সৃষ্টি, স্থিতি, সংহার—শেম্বা লৈহনবা, মাংহনবা থোকহল্লিবা মাহাক কনা নত্তে, সন্ন্যাসী অহনা ওইরে।—তুমপ্রবদি মা কনানো খংজদবা অহগুম্বা মী অহনা মশাবু নারায়ণনি হায়জে, হায়বদি,—

'নিদ্রা হইলে আপনি কে ইহাও না জানে।
আপনারে নারায়ণ বোলে হেন জনে॥'

জগৎ অসিগী মপা, মমা, মপু, য়োকপীরিবা মাহাকপু ভক্তি তৌরিবা অহ অকবা মচানি। মচা অহনা মশাগী মপা ওইবা য়াবরা? য়াদে, য়াকম থোক্তে অহনা ঈশ্বরগী রা মাহাক্না য়োকপীবা ঙাকপীবা, শেম্বীবগী রা কাউবা য়াদে শেংনা তাক্লি। মপা ওইজবা য়াদবা মানা মপাবু কাউকম থোক্তে।

অহদা ভট্টাচার্য্যনা 'প্রভুদি করিগী সন্ন্যাসী ওইরি?' হংলে।

প্রভুনা খুম্মি—'ঐদি সন্ন্যাসী নত্তে, কৃষ্ণ কাইনবদা য়াবনি।'—

প্রভু বোলে শুন সার্ব্বভৌম মহাশয়।
সন্ন্যাসী আমারে নাহি জানিহ নিশ্চয়॥
কৃষ্ণের বিরহে মুঞি বিক্ষিপ্ত হইয়া
বাহির হইনুঁ শিখা সুত্র ঘুচাইয়া॥
সন্ন্যাসী করিয়া জ্ঞান ছাড় মোর প্রতি।
কৃপা কর যেন মোর কৃষ্ণে হয় মতি॥'

—অখণ্ড অমিয় গৌরাঙ্গ।

সার্ব্বভৌম মশায়, প্রভুনা হায়, তাউ।
ঐহাকসে সন্ন্যাসী নত্তে নং লেপ্পা খংউ॥
কৃষ্ণ কাইনবদা ঐহাক ভাওহনা।
থোক্লকর্পান শিখা নগুণ থাদোক্লনা॥
সন্ন্যাসীনি য়াখল থমগনু ঐঙোন্দা।
কৃপা পীয়ু ঐবু পুক্লিং চংজবা কৃষ্ণদা।

প্রভুনা কৃপা তৌবিরে মনাইবু। সার্ব্বভৌম খ'ঙরে সন্ন্যাসী অসি কৃষ্ণ নত্তনা কনাসু নত্তে। মাগী পাণ্ডিত্যগী অথোঙ্গবা অহুদা অহানবদা মানা শক খংবা ঙমখিদে। অথোঙ্গবা অহুনা চাউথোকপা অহঙ্কার অহুনা মাবু কুপ্পস্মি। মাহু হেক মাংখিবদা মগী থম্মোইদা ভগবৎতত্ত্ব কাউরবে। মতাং অসিদা প্রভুনা মনাইগী মাংদা ষড়ভুজ মূর্ত্তিনা লেপ্পিরে। প্রভুগী খুযাদা তুপ্রে সার্ব্বভৌম। মাগী মথবাক্তা প্রভুনা মথোং থম্বাল পীনবিবে, সার্ব্বভৌমগী মশা পুম্বদা সাত্ত্বিক বিকার কাউরক্লে। কনা লৈঙ্গব্রবা মীওম মাহাক মখোল থোক্লা কপ্লক্লে।

ভট্টাচার্য্যনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবগী স্তুতি তৌরক্লে। কল্লবা য়োৎ মতুম্ মংনা যঙোম মপাল ওইহল্লে। থোরি য়াওদনা শামুলমশা কাহুনা পুল্লে। ঈশিং চাইদনা থম্মোই মৈচাক মুৎপীরে। কল্লব

বজ্র অমৃত কোম ওইহল্লে।

জগৎ নিস্তারিলে তুমি সেই অল্প কার্য্য।
আমা উদ্ধারিলে তুমি এ শক্তি আশ্চর্য্য ॥
তর্ক শাস্ত্রে জড় আমি যৈছে লৌহ পিণ্ড।
আমা দ্রবাইলে তুমি প্রতাপ প্রচণ্ড।

নংনা জগৎ কনবিবা থবক মচানি।
ঐবু হন্না পোকপীবা শক্তি ঙককন্নি ॥
ঐ য়োত্তুন্নি নিঙাই শাস্ত্রদা পংশিল্লবা।
ঐবু শোংদোকপীবা পাঙ্গন্নি কনগ্রবা ॥

অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্বগী রা মতাং অসিদা তেনশিনবা য়ারে। তত্ত্ব তম্বীবদা নত্তনা মনাই সাৰ্বভৌম মতম অদুদা মপা লৈরবা অদ্বৈতবাদী, বেদান্তবাদীবু ভক্তি মার্গদা পুশিন্দুনা লানবিখিবা কনানা ঙক্লোইদগে। মাহাক প্রভুগী কৃপা ফংবদগী প্রভুগা নক্লগ্রবা মনাই ওইবা ফংজখি। অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্বগা মাবু তম্বীবদা নত্তনা কন্‌বিনবগী খুংলাই ওইখি। মথাদা প্রভুনা মনাইবু চাংয়েংবগী রা থন্না চপ্থন্নি। তত্ত্ব অসিগী মরমদা চৈতন্যচরিতামৃতগী আদি তরেং-শুবা মতাংদা কনা শুগাইনা য়াওরি। অদুমক য়েংলগা অমসুং পান্নগা প্রভুনা মতাং চানা চানা মায়াবাদীশিংবু শেংদোকপীবা উবা ফংগনি।

—প্রভুনা মনাই ভট্টাচার্য্যবু চাংয়েংবা—

নোংমা প্রভুনা অয়ুক য়াম্না ঙন্‌বদা জগন্নাথনা লেংথংপা মতমদা দর্শন লেংঙি। অদুদা পূজারীনা মালা অমসুং প্রসাদ লুক পুরক্লুনা পীররে। মালা প্রসাদ ফিজিদা পুন্দুনা ভট্টাচার্য্য সার্ব্ব-ভৌমগী যয়ুমদা থুনা লেংঙল্লে। মতম অসি নোংঙাল্লকপা মতম্নি। মতাং অসিমক্তদা ভট্টাচার্য্য মিকপ থোক্লুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা হৌগৎলক্লে। মাহাক্না কৃষ্ণনাম শোনবা তাবদা প্রভু য়াম্না পেল্লে।

থোং হাংজনা মাহাক্না থোক্লকপদা প্রভুবু উরে। তপ্না অমসুং য়ৌনিং-বগা লোইননা প্রভুগী নাক্তা চংতকুনা চরণ খুরুম্নরে। লেংশিন্নবা আসন (খুদা) কৎলগা অনিমক ফম্নে। প্রভুনা প্রসাদ লুক ফিজিদগী লৌথোকুনা ভট্টাচার্য্যগী মখুত্তা পীরে। প্রসাদ ফংবদা ভট্টাচার্য্য য়াম্না হরাওনা, মচিন, ময়া, মখোঙ মখুৎ শেংদ্রিবনি, অদুবু চৈতন্য-দেব কৃপানা অতল-অরাক, চিংনা হজোয় কোকখিজনা পুক্লিংগী অকনবা থৌইনশিন্না মথাগী শ্লোক অনি থিরকনা চাখরে।—

তথাহি পদ্মপুরাণে—

শুষ্কং পর্য্যুষিতং বাপি নীতং দূরদেশতঃ।

প্রাপ্ত মাত্রেন ভোক্তব্যাং নাত্র কালবিচারণা॥

মহাপ্রসাদ অকংবসু ওইসনু, চক্সিকসু ওইসনু

নত্রগা অরাপ্পা লৈপাক্তগী পুরকপসু ওইসনু হেক ফংবগা

চাগদবনি, হিরম অসিদা মতমগী রাখল অমতা লৈতে।

তত্রৈব—

ন দেশ নিয়মস্তত্র নকাল নিয়মস্তথা।

প্রাপ্তমন্নং দ্রুতং শিষ্টৈ ভোক্তব্যং হরিরব্রবীৎ॥

হিরম অসিদা দেশগী ওইবা নিয়ম লৈতে, মতমগী নিয়ম লৈতে (হায়বদি মফম মতমগী রা চংদে)। শ্রী-হরিনা হায—অফবা, স্তান লৈবা মীনা মহাপ্রসাদ ফংবা খুদক অতুমক্তদা চাগনি।

মনাই সার্ব্বভৌমগী মতৌ উবদা প্রভু হরাওবগী ভমথৈ খংখি-দরে। মনাই চেংজেৎ কোল্লগা অনি কোন্ন-কোন্ননা জগোই শাখরে। মপু মনাই কোন্নবদা থম্মোই মকা লায়রে—সাত্ত্বিক বিকার লাক্লে। অদুগা হায়রকই—ঙসি ঐ লায়না ইকোম কোম্না ত্রিভুবন জয় তৌরে ঐ বৈকুণ্ঠ য়ৌরে। ঙসি অনিংবা পুম্না থুংলে—সার্ব্বভৌমগী মহাপ্রসাদতা অয়ুংবা থাজবা পোক্লে—অদুগা মনাইদা ওনশিন্দুনা —নং ঙসিদগী মায়াগী অপুনবা পুম্না কক্লবনি। ঙসিদি কৃষ্ণ ফংনবগী

মতিক চাবা থম্মোই নংগী ওইয়ে ; বেদবিধি পুম্বা লাম্থোক্লুনা প্রসাদ খুল্লে।

মুমিৎ অদুদগী মাহাক মহাপ্রভুগী চপ মুংপ্রবা ভক্ত ওইপ্রে। মহাপ্রভু নত্তবা অমা মানা সেবা তৌকম অতোপ্পা খনখিদরে। অসুম্না প্রভুনা মনাইগী অথোইবা পুকচেল মাংহনবিরবদা, মাহাক্কী বৈষ্ণব পম্বেং উবদা গোপীনাথ আচার্য্যনা খুবাক খুদুনা হরি হরি শোন্দুনা জগোই শারে। অদুগা মতুং নোংমা ভট্টাচার্য্য দর্শন লাকপদা জগন্নাথ দর্শন তৌদনা প্রভুনাক্তা লাক্লে। মাহাক্না তৌখিবা নীংশিংদুনা দণ্ডবৎ তৌরদুনা মপুক শোক্লা স্তুতি ময়াম তৌরক্লে। স্তুতিশিং অদু তারগা প্রভুনা নাম সংকীর্ত্তন তৌ তাকপিরে।

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম্।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা

মথংদা ভট্টাচার্য্যনা গোপীনাথদা হায়রকই-নংগা মরি লৈনবা অসিদা প্রভুনা ঐবু কৃপা তৌবিরবনি। নংনা মহাভাগতনি, ঐনা তর্কদা মিৎ তাংলবা মীনি। অদুবু নংগী মরি অসিতনা প্রভুনা কৃপা তৌবিবনি। অসুম ওাহাক লৈনরগা জগদানন্দ, দামোদর অনিগা জগনাথ খুকম্বা চৎমিন্নথরে। অহাও অহাওবা প্রসাদ খল্লদুনা ব্রাহ্মণ অনিবু য়াম্না পুহন্দুনা লাক্লে। প্রভুদা পীবিযু হায়দুনা শ্লোক অনি জগদানন্দদা পীরম্লগা মাহাক হনখ্রে। চে অদু প্রসাদকা পুদুনা মাথোয় অনি চংলক্লে। মুকুন্দদত্তনা চে অদু উরদুনা লৌদুনা পারে অদুগা মপান্‌গী কল্লাংদা শ্লোক অনি অদু ইদুনা থম-হোরে। জগদানন্দনা প্রভুদা পীকরে। প্রভুনা পারগা শেগাইপ্রে। সার্ব্বভৌমগী শ্লোকশিং অদুদি —

বৈরাগ্য, বিদ্যা, নিজভক্তিযোগ শিক্ষার্থমেকঃ পুরুষ পুরাণঃ।
শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য শরীর ধারী কৃপাম্বুধির্যস্তমহং প্রপদ্যে॥

বৈরাগ্য, বিদ্যা অমসুং মাগী ভক্তি অহুম অসি
তত্তীনব্বগী দমক অরিবা নিংথৌ শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য
ওইনা লেংথবিরকপা মাঙোন্দা ঐ চংজরি।

কালান্নষ্টং ভক্তিযোগং নিজং যঃ
প্রাদুষ্কর্তুং কৃষ্ণচৈতন্য নামা ॥
আবির্ভূতস্তস্য পাদারবিন্দে
গাঢ়ং গাঢ়ং লীয়তাং চিত্তভৃঙ্গঃ ॥

মতমগী মতুং ইন্না ভক্তি যোগনা মাংথরক্কই। ভক্তি অহুবু নৌনা অমুক পুহনা লাক্কবগী দমক শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কাউবিয়রে। মাগী খুয়া থম্বালদা ঐগী থম্মোইগী খোইমু তিনজপসনু।

নোংমা ভট্টাচার্য্যনা শ্রীমদ্ভাগবতকী ১০। ১। ৪৮ শুবা শ্লোক প্রভুগী নাক্তা পারকই—

তত্তেঽনুকম্পাং সুসমীক্ষমাণো ভুঞ্জান এবাত্মকৃতং বিপাকম্।
হৃদ্বাগ বপুর্ভির্বিদধন্নমস্তে জীবেত যো ভক্তিপদে স দায়ভাক্ ॥

মশাগী কর্ম্মফল চানা চানা পুক্লিং হকচাং
য়াওনা নঙোন্দা লুপচনা নংগী কৃপাগী—
আশাদা হিংজবা মাহাক নঙোন্দা ভক্তি
ফংজবগী মতিক চাবা মী ওই।

[শ্লোক অসি সার্ব্বভৌম ভট্টাচার্য্যনা থিবা মতাংদা চৈতন্যচরিতামৃতআ হায়—'দুই অক্ষর পাঠ ফিরাইলা'। মরেক অসি পাবা ওয়োক্রে। শ্রীমদ্ভাগবত্তা 'মুক্তি' হায়না লৈবা মাফমদা 'ভক্তি' হায়না ওয়োক্লুনা থিখি। প্রভুনা ওয়রে উৎপগী ব্রা য়াওব্রি। মাসি মাহাক্কা শব্দোক্তি।] অসিবু তারগা প্রভুনা হায়রকই—অদুদি মুক্তি পদ হায়না পানৈ অদুগা নংনা ভক্তি পদ পারিবদি করিনবো? ভট্টাচার্য্যনা খুম্মি, ভক্তিদি মুক্তিগী ফল (মহৈ) নত্তে। ভগবান্দগী মমায় লৈথোকপগী দণ্ডিতনি। কৃষ্ণগী বিগ্রহ অচুম্বনি হায়বা মাঙোন্দা

নিন্দা অকনবা লাললগী হেনবনি। মাখোয়না কয়া ইশ্বরকপদগী ব্রহ্ম সাযুজ্য মুক্তি ওইয়ে। মুক্তি অসিগী কলদি ভক্তিনা পোখোক নত্তে। ময়মদি মুক্তি মখল মঙানি—সালোক্য (লোক অমতদা লৈমিন্নবা ফংবা), স্বামীপ্য (নক্লনা লৈমিন্নবা ফংবা) সারূপ্য (শকতম মান্নবা ফংবা), সাষ্টি (ঐশ্বর্য্য মান্নবা ফংবা) অমসুং সাযুজ্য (ব্রহ্মগা অমতা ওইবা ফংবা) হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা অহানবা মরি অসি সেবাগী রাকম থরসু মরৈ অহুবু ভক্তনা কন্নিশুম্নদা পাম্মুদে। সাযুজ্য তারগা ভক্তদা হঙোইবা পোকই, অসিগী মহুত্তা নরক্না হেন্না মানা পাম্মি। সাযুজ্য ব্রহ্মগী অমসুং ঈশ্বরগী মখল অনিনি। ব্রহ্ম সাযুজ্যদগী ঈশ্বর সাযুজ্যনা ভক্তনা অমুক্তা হেন্না হঙোই। অহুদা প্রভুনা হায়রকই,—মুক্তি পদগী অর্থ অমসু লৈরি। মুক্তিপদ শব্দনা ঈশ্বরমকপু খংহল্লি। হায়বদি মাগী মখোংদা মুক্তি লৈ নত্রগা মাগী মখোংদা চংজরগা মাপল শুবা পদার্থ (নবম পদার্থ) মুক্তি ফংই নত্রগা দশম পদার্থ (তরাশুবা পদার্থ) আশ্রয় ফংজে। শ্রীমদ্ভাগবতকী ২।১০।১-২ দা পদার্থ তরাবু অসুম্না হায়—সর্গ, বিসর্গ, স্থান ,পোষণ, উতয় (কর্ম্মবাসনা) মন্বন্তর ঈশানুকথা, নিরোধ, মুক্তি অমসুং আশ্রয়-থংনবগী দমক পদার্থ মাপল অহু পনবনি। মাপল অসি থোক্লকপা ময়মগী দমক আশ্রয়গী অর্থ চংলকপনি। কৃষ্ণ পূন্নমক্তী চংজকম ধাম অমনি —কৃষ্ণগী হকচাংদা জগৎ পূন্নমক্তী পোথাকন্নি—হায়বদি,

'আশ্রয় জানিতে কহি এ নব পদার্থ।
এ নবের উৎপত্তি হেতু সেই আশ্রয়ার্থ॥
কৃষ্ণ এক সর্ব্বাশ্রয় কৃষ্ণ এক ধাম।
কৃষ্ণের শরীরে সর্ব্ববিশ্বের বিশ্রাম॥

আশ্রয় থংনবা পদার্থ মাপল পল্লি।
আশ্রয়-না লাকপা মাপল অসিননি॥

কৃষ্ণভনা চংজকম থাম্মি পুন্নমকী।
কৃষ্ণ হকচাং পোথাকম্নি বিশ্বপুন্নগী ॥

[ভগবান্না জগৎ সৃষ্টি তৌনিংলকপা মতমদা প্রকৃতিগী গুণশিংনা ইন্নাং লাকপদা মখোল (শব্দ) নচিংবা পঞ্চভূত, ইন্দ্রিয়গী মিৎনচিংবা অত্তুগা মহত্তত্ত্ব অমসুং অহঙ্কারতত্ত্ব থোকহনবা অসু সর্গনি—(মহত্তত্ত্ব বুদ্ধিতত্ত্ব হায়না মর্থ তৌই অমসুং মাসিগী মতুংদা অহঙ্কারনচিংবা সৃষ্টি থোকই। অহঙ্কার—মন, ইন্দ্রি অমসুং পঞ্চভূতকী মরম ওইরিবা অত্তুগী তত্ত্ব,)। শ্রীভগবন্ত কৃপাদগী ব্রহ্মানা ব্রহ্মাণ্ড শেম্বগী মমিংনা বিসর্গ কৌই। শ্রীভগবত কৃপানা ব্রহ্মাণ্ড শেম্নবা মতুংদা হৌনবী মতুং ইন্না ভাকপা, য়োকপা অত্তুনা স্থান হায়বদি স্থিতি কৌই। শ্রীভগবান্না মাগী ভক্তশিংবু চানবীবা অত্তুনা পোষণনি। মন্বন্তর শিংগী মপুশিংগী ধর্ম্মবু মন্বন্তর কৌই। হৌন্নককম থংঙ্নবা মতমদগী লেপ্তনা চেন্নিবা থবক্কী ঈচেল অত্তুবু ঊতি (ঊতয়) হায়। শ্রীভগবানগী মৎস্য, কূর্ম্মনচিংবা অবতার অমসুং মাখোয়গী চয়নদা চংজবা ভক্ত- শিংগী ইতিহাসনা থল্লবা রা মথগ মথা অত্তুনা ঈশানুকথা কৌই। মহাপ্রলয়গী মতমদা হরিগী যোগ নিদ্রা মতুং ইন্দুনা শ্রীভগবান্দা চংশিনখিবা অত্তুনা নিরোধ অমসুং জীবনা পরমাত্মাগা থেংনবা, উন্নবা অত্তুনা মুক্তিনি মাঙোন্দগী সৃষ্টি থোকখিবা অমসুং মাঙোন্দা অমুক থুপখিবা শ্রীভগবান অত্তুনা আশ্রয়নি। তরা অসিবু পদার্থ তরা হায়না কৌই।]

শ্রীমদ্ভাগবত ২। ১০। ১-২ দা উপনি।

সার্ব্বভৌমনা চথরকই—'মুক্তিপদ' হায়বদা পুক্লিংদা কীবা, হজোইবা পোকই। ভক্তিপদ হায়রগনা পুক্লিংদা হরাওবা পোকই। হায়বদি —

'মুক্তি শব্দ কহিতে মনে হয় ঘৃনা ত্রাস।
ভক্তি শব্দ কহিতে মনে হয়ত উল্লাস ॥

মনাইগী না অসি তাবদা প্রভু খরাগী হুন্তাইখহনা লোক্কে অমহুং মাবু চেৎনা কোনবিরে। মায়াবাদ ভক্তা অমহুং ভবীবা ভট্টাচার্য্যদগী লোল-না অসি চৈতন্যদেবগী কৃপানা থোক্লকখিনি। লোৎপু থোক্লুনা মনা ওনহাল্লবমখৈ স্পর্শ মণিনু কনানসু মশক থংদে। ভট্টাচার্য্যনা ওইখিবা বৈষ্ণবকী মওং উবদা পুম্নমক্না শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু ব্রজেন্দ্র-নন্দন অহুমক্কি লেপ্লে। কাশী মিশ্রনচিংবা নীলাচল মী পুম্নমক প্রভুনা চংজখে।

ঐখোয়গী অখোয়াই খোইমুহ বাসুদেব ভট্টাচার্য্য সার্ব্বভৌমনা ভাকশীবগুন রাধাকৃষ্ণনা পুনশিন্নবা, পুন্নথা লেংথরকপা, কৃষ্ণগী মশক ওইরবা চৈতন্যপ্রভুগী খুমা থম্বাল সেবা কংজরমহু।

কালান্নষ্টং ভক্তিযোগং নিজং যঃ
প্রাদুষ্কর্ত্তুং কৃষ্ণচৈতন্য নামা।
আবির্ভূতস্তস্য পাদারবিন্দে
গাঢ়ং গাঢ়ং লীয়তাং চিত্তভৃঙ্গঃ—বাসুদেব সার্ব্বভৌম।

(অর্থ হন্দোকপা মথক্তা য়াওখে)

জয় জয় শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দগী জয়।

সনাতনসঙ্গ

—সনাতনসঙ্গ—

বন্দে শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবং তং করুণার্ণবম্।
কলাবপ্যাতি গূঢ়েয়ং ভক্তির্যেন প্রকাশিতা॥

—কবিরাজ গোস্বামী—চৈ,চঃ

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু খুরুমজে। মাহাক থৌজালগী ঈপাক্নি। কলিযুগতা মানা য়াম্না থুম্নবা ভক্তিবু কোংদোকপীরে।

ঈশ্বরঃ পরমঃ কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দ বিগ্রহঃ।
অনাদিরাদি গোবিন্দঃ সর্ব্বকারণ কারণম্॥

—ব্রহ্মসংহিতা (৫। ১)

কৃষ্ণ থোইদোক হেন্দোকপা ঈশ্বরনি। মাহাক সচ্চিদানন্দ বিগ্রহনি। হৌরকফম থংত্রবা অমসুং অথংবা মাহাক্নি মরমদি মরম পুম্নমক্কী মরম ওইরিবা মাহাক গোবিন্দনি।

সনাতন গোস্বামী—ভরদ্বাজ গোত্রগী যজুর্ব্বেদী ব্রাহ্মণনি, কর্নাটলোমগীনি। মাহাক্কী মপা মপু মকম অহুদা নিংথৌ ওইহনা পালয়বদগী নিংথৌ খুবম মুনথিহনা মথং মথং অসুম লাকপদা নৈহাটিদা লৈখি। মাহাক্কী মপাবুংগী মমিং কুমার দেব কৌই। মাহাক্কী মচিন মনাও মযামগী মনুংদা মাহাক্কে (সনাতননে) রূপ অমসুং অনুপমনে মমিং লৈবা মীশক ওইখি। মাখোয়গী মপানা মাখোয়বু থোনবা মিংনা অমর, সন্তোষ অমসুং বল্লভনি। মাখোয়গী মচং, মগুন অমসুং মমিং তাবদা গৌড়গী নিংথৌ হুসেন সাহনা সনাতন অমসুং রূপপু অচৌবা কমদা হাপখি। মযাম্বনা মত্রি মকোক অহুপা মনাওবুনা

খাসমুন্সি হাপখি।—হায়বদি অমনা প্রধান মন্ত্রি অহুগা অমনা বিচারপতি হাপখি। মাখোয় অনিগী নিংথৌনা পীবা মিংথোন্না সাকরমল্লিক অমসুং দবীরখাসনি।

নিংথৌগী থবক্তা কন্না লৈরবসু মচিন মনাওনা শাস্ত্র নৈনবদি থক ভোক্তে। অদুবু অনিনসু মাখোয়বু পেলহনবা ওমত্রে। মীগী মচিন্দগী মাখোয়না গৌরাঙ্গগী রা অবদা মাহ্লক্কী মনাক য়ৌনিংবনা মথল্লায় ইংথবা ওন্নমদে। করম ভৌরগা থবক থাদোকপা য়াগদগে হায়বা রাখলনা মাখোয়গী মরু ওইবা রাখল ওইরম্মি। নীলাচলদা প্রভুনা লেংশিল্লবদা মাখোয়না প্রভুদা মপুক্লিংগী রাশিং কোংদোকুনা প্রভুদা চিঠি ইহুনা তত্তনা থাই—মাখোয়গী উপায় তাকপীনবা। অমুম লৈরকপা মরক অসিদা প্রভুনা বৃন্দাবন লেংগনি হায়না খোংশাল্লকপদা রামকেলি য়ৌরকখি। [মাল্দহ ষ্টেসন্দগী ক্রোশ অনিমথাই লাপ্পা খা নোংপোকতা—মৈরম পাংবদা লৈবা লম্মি] রামকেলি মতম অহুদা হুসেনসাহগী লৈপাক মনুং চল্লম্মি।

গৌরাঙ্গনা মকম অসি য়ৌরকপদা মাহাকপু দর্শন তৌগদবগী লাকপা মশিং নাইত্রবা মীগী নিনথোং-লাউবদা নবাবনা লান হৌগুম্বা থোকদৌরবরা কীহুনা মী থাহুনা য়েংহল্লুরে। প্রধান মন্ত্রিদসু হংলে। সনাতন্না খুম্মি—মাহাক জীব পূর্ণমক্তপু য়োকপী থাকপীরিবা, নংবুসু মঙ্গল পীবিরিবা সন্ন্যাসীনি। নিংথৌনা ইংথপ্রবসু যবনবু থাজবা ওমদহুনা অহিং নোংয়াইদা অয়োন-কি শেত্তুনা রামকেলি তান্না মচিন মনাও লাকখি। মচিন্দা নাপী চিকুনা মগুক্তা কি য়েত্তুনা মাখোয় অনি চরন্দা তাহুনা ওলথোইররে। প্রভুনা মুংশি মিংথয়েংনা য়েং-লগা ভোম্বা রাখল থাদোকউ, হৌগৎলো তাকপীরে।

মাখোয় অনিনা 'ঐখোন্দি ভোল্লবনি, অভোনবা থবক ভৌরবনি। নং নত্তনা ঐখোম্বু কনবিনবা কনা লৈত্রবনি। কনবিন্নু হায়গদবসু ইকাইওয়রবনি। জগাই মাধাইদগীসু ভোল্লবা

ঐখোয়নি। মাখোয় ব্রাহ্মণনি, নবদ্বীপতা লৈবনি, অতোনবগী মনাই ওইদে—পাপকী থবক তৌই হায়বতনি মাখোয়দা ওইখিবা। নংবু চৈবদা, তাখিবা হায়বদা নংগী নমিং মাখোয়না শোল্লি; অতুদা মাখোইদি ওইজবা কংই। মাখোয়গী পাপতি মাখোয়না শোনবা অতুদা চংশ্রবনি। অতুগা ঐখোয়না। ঐখোয়না তিন্নরুরিবা সেবা তৌরুরিবা অতুনা ষণ, ব্রাহ্মণগী য়েরুবনি। অতুনা ঐখোয়গী গতি, উপায় নং নত্তনা কনা লৈতে। ঐখোয়বু কনবিতুনা নংগী পতিতপাবন—তোল্লববু কনবিবা মিং—মহৈ য়ালহল্লু, হঙ্গৎলি।

প্রভুনা হায় নখোয়না তোম্মখিবা উবদা ঐগী থম্মোই কায়গদৌরে। কীগনু। নখোয়দি নিংথৌগী থবক তৌরবস্ত ভগবানবু কাউদে। মতৌ অসিনা ভগবান্না নখোয়বু শোয়দনা কনবিগনি। নখোয় উন্নগে হায়বগী ঐ য়ামকেলি য়ৌরকপনি। নখোয় সংসারগী অকা-অপুন থুনা কোল্লগনি। ওসিদগী নখোয়বু ঐনা সনাতন অমসুং রূপ কৌরবনি। মচিন্মনাও পেঞ্জরে।

মথংদা সনাতন্না হঙ্গৎলি। 'অস্ রাইদা পংকুই কুইনা লৈবিরনু। ধর্ম্ম তিন্নদবা যবনশিং করি তৌরকনি খংবা য়াই। অতুগী মথক্তা অমুক য়াম্বা মীগা তীর্থ লেংবা অসি করিবরা'? প্রভুনা সনাতন্না হায়বা চুম্মি খন্দুনা কানাইরনাটশালা [রাজমহলদগী ক্রোশ অহুম্মোম লাপ্না লৈবা মকম্নি] য়ৌবন্নগা নীলাচলদা হন্দুনা লেংগ্রে। অচাউরম, লনথুম কয়ম তৌরগা থাদোকসিগেগী য়া মচিন্মনাওসু খন্নখবে। অহানবদা মাখোয়না কৃষ্ণমন্ত্রগী পুর ণ তৌরে মরমদি অতুনা চৈতন্যচরণ কংবদা অকায় অতোই থোক্তনবনি। [মন্ত্রগী সিদ্ধি কংনবগী অহানবা হৌনবী তৌবা অতুবু পুরশ্চরণ কৌই।] মাখোয়না মতাং অসিদা পুরশ্চরণ তৌরুবগী ময়মু গৌরাঙ্গ কৃষ্ণমন্ত্রি হায়বগীনি। হায়বদি শচীগী মচা অসিনি নন্দগী মচা হায়বদো।

বৃন্দাবনগী অমেংবা নিপাদো গৌর নিংথিবা অসিনি। মনুষ্যা মুয়পা মপান্দা ওৌবা মচু নাপু মানবা (সনামচু মানবা) "ছন্নঃ কলৌ" মশা কলিদা কুপশিনবা লোৎশিনবা মাহাক অহুব প্রহ্লা'দনা নৃসিংহ স্তুতি মতমদা কলিদা লাকদবা মাহাক অহনা মশা কুপশিল্লগা লাকনি মাহাকী মশাগী মচু উবা কংলোই, মপাল থংবা মঙাল অহুদা উপনি। মাগী মচু অতোপ্পা মচুনা কুপকনি হায়বা রাধাগী অঙৌবা মঙালনা কুপ্পা শ্যাম নিংথিববুনি।

'অনুগ্রহায় ভক্তানাং মানুষং দেহমাশ্রিতঃ।' মনাই ভক্তশিংবু চানবিহ্নন। মীওইবশী হকচাং লৌবি। ব্রজলীলাদা কৃষ্ণনা কোংবিবনা মাহাকী রা তারগা মীওইবগী নীংজিংবগী রাথল লাকচনবনি অহুগা গৌরলীলাদনা কৃষ্ণ নীংবগী খুদম জীবদা উৎপীরে। অহনা তাকপীরম্মি 'আপনি আচরি ভক্তি শিখাইমু সভারে।' ইশানা তৌজ্র-বদি ভক্তি তম্বিবা য়াদে হায়বনি। অহনা হন্দক ইবুঙোনা নবদ্বীপ্তা লেংবিরকপদি যুগ অমদা পৈশিন্দুনা থম্বিরম্লবা প্রেমলীলা পুকৈদগী অথাকপা লৈতনা, মীশক নাইদনা প্রেম অমসুং 'প্রেমভক্তি লীলা তম্বিবা য়েনবিবা, পীহুনা কংহনবিবা লেংঙকপানি। যুগ অনিগী লীলা যুগ অমদ। মীওইবগী ওইজনবা 'থনম্বা' যুগ অসিদা মীওইবগী মরল ওইহনবিব। অমসুং গোপী প্রেমগী রাংথ্রবা, লাম্বা রাবা থাক অহুগী লম্মন শিংবা মপুং ফানা ওম্নবা প্রভু লেংঙকপানি। ভজন মতৌ অসিগী পল্লেপকম ওইরিবনা নাম সংকীর্ত্তননি। চৈতন্যদেবগী—নাম য়েনবদি জগাই মাধাইতগী রা নত্তে, পাপী চণ্ডালতদা নত্তে—শা, কৈ খাক্তে। শিবানন্দ সেনগী হুইদ ফাওবা নাম পীবিখি। মাহাকী মওংদি সম্মোহিণী তন্ত্রনা হায়বা 'গোপণীয়ং গোপণীয়ং গোপণীয়ং প্রযত্নতঃ দত্তেচ সিদ্ধি হানিঃ স্যাৎ তস্মাদ যত্নেন গোপয়েৎ' কী ইওন ওয়রবনি —[লোৎশিন্না থম্মু, লোৎশিন্না থম্মু, লোৎশিন্না থম্মু চেকশিন্না। পীথোক্লবস্থ সিদ্ধি মাংই অহনা চেকশিন্না থমগদবনি।] মরমদি

লীলা অতৈদনা থোক্লাল ভগবানগী মখা পোল্লি, হন্দক্কি ভগবান অদো কল্লবা, লিক্রুবা থোক্লালগী মখা পোল্লি—করিনা হন্দক লাকপদি থোক্লাল 'করিগুম্বা মতমদা কনাদস্থু পীখিদ্রিবা'—'মশা-মক্তী লল' থাক্তনা পীরুরগে লাক্রবনি অহুনা থাকচিনবা, লোৎশিনবা, খুমজিনবগী য়া চংদ্রে।

গৌড়গী মথায়োম্বদ মুর্শিদাবাদ জেলাদা লৈবা মাড়ুগ্রামদা রূপ সনাতনগী অহান্নম্নগী মৈ। [মতম অদুদা বঙ্গদেশকী অয়াম্বা শরুক গৌড়দেশ হায়না খংনরম্মি] রূপনা মাড়ুগ্রাম অমুক্তা য়োরুগে হায়রুনা নবাবতগী ছুটি পোহুনা চেনখ্রে। মাহাক্কী ময়ল মথুম পুন্নক য়াওহুনা মাহাক চংগ্রবনি। অসোমদা সনাতনগী অবস্থা মওং চাদ্রে। ছুটি নীরবস্থু মাহাক প্রধান মন্ত্রিনি পীরোই; তোক্কে হায়রবস্থু অদুং ওনবা দখি ক্ষমন। গতি লৈগ্রহনা সনাতন নাশিন্নহুনা লৈরে। রূপা মগী খেলনগী লুপা লিশিং তরা অচা অথক পোনবা দুকান অমদা শিন্নরম্লগা অরেম্বা অহু দান অমস্থুং মরি লৈনবশিংদা পীথোকখ্রে অদুগা সনাতন থবক তোকেস্থু হায়দ্রে, ছুটি পীবুস্থু হায়দ্রে, নাশিন্নহুনা কাচিন অমদা ফমহুনা লেপ্লে। অদুদস্থু মাইবা থারক্লুনা য়েংহল্লবে। মানা নবাবতা ওয়ৎরে, সনাতন নাদে শাস্ত্র নৈনহুনা লৈহোই অদুদা নবাব মশামক লাকুনা সনাতনগী মযুমদা মাগা উন্নরবে। মাহাকপু উরগা 'সাকরমল্লিকা থবক তৌদনা তুমিন ফমহুনা লৈরবদি সরকার শাসন করম্না চখ্লগদগে হংলরে। অদুদা সনাতন্না খুমখি. এগী থবক তৌনিংবগী ভাব লৈত্রে, এগী ইহুত্তা কনাগুম্বা অমবু হাপ্লিরো। নবাবনা শাওনা —নংনা খংনা খংনা থবক্তা নপুক্লিং চংদ্রে, নয়াম্বা রঘুনন্দনস্থু লুট পাট তৌহুনা প্রজাগী য়াম্না মাংহল্লে খাজনানচিংবা অমতা পীদ্রে অদুগা নংস্থু তৌরিবা অসিন। মথংদা লালদা চংশি হায়রে অদুদস্থু য়াদ্রে, 'মরমাদ উরিষ্যাগা শোরুগদবা লালনি। নবাবনা লাইগী

জায়গাদা অকায়বা পীরবদি ঐ থাংবা ওস্মোই।' নবাবনা হাতকড়া চন্দুনা কৈশুমশংদা থম্মু হায়রম্নগা চংখ্রে।

মরক অসিদা সনাতন্দা রূপনা চিঠি ইহ্নুনা থারক্রে। মাগা অমুপমগদি প্রভুগী মাক্তা চংলে সনাতনবুস্থ যেছা উপায়দা চেন্নক্রো হায়রক্রে। মাহাক্না অচা অথক য়োনবা দোকান অমদা লুপা (মুদ্রা) লিশিং তরা থনম্বনি, মাহুনা রা-নাহুনা লাক্নবা লাক্কঃরো। চিঠি ফংবদা সনাতন্দা অকনবা ইরাং অমা হৌরক্রে—মাহাক ওাই-ওমদবা কীবমদা লৈরে। মাবু শংলবা নিপা অতুবু চীংবা য়ানবা রাথম্ন তৌরক্নুনা হাইরকই 'নংদি জিন্দাপীর (সিদ্ধ ওইরবা) মহাপুরুষনি। নংগী কেতাব কোরান নং মপাঙ্গ নাইদনা থংলবা নিপানি। নংমুক নরাইবক ফবসিবু কয়া শৈরমগদগে?' প্রধান মন্ত্রি সাকরমল্লিকী থাগৎরা তাবদা অশংবা নিপা অতুগী মপুক ওন্নে। 'নংনা কৈশুমশংদগী রাররবা বন্দী অমবু থাদোকপীরবদি ভগবান্নস্থ নংবু সংসারগী অপুনবা পুম্বদগী কোকপীগনি' হায়রুনা হায়জবগী অম্নোবা মিৎয়েংনা সনাতন্না য়েংলে ; অতুগা 'নংদি সাধনদা সিদ্ধ ওইরবনি, নংনবু অসি খংদ্রিবরা?'

'করি তৌগে তাকপীয়ু।'

'নীশিংলিনি, ঐস্থ নংগী কান্নবা কয়া তৌখ্রে। নং হৌজিক অতুগী থরতস্থ শিংঙু। ঐবু থাদোকউ কৈশুমশংদা থম্নস্থ।' মনাক্তা চংশিন্নক্নুনা খোল নেমথনা 'শেল (লুপা) লিশিং মঙা পীগে। নংনা পুণ্য তানবগা লোইননা শেলস্থ ফংলনি।' মাস্থ লোন্না খুম্মি—'নবাবপু কীই।' তাবদা সনাতন্না মখা তাথরে 'নিংথৌ লালদগী হল্লক্কবস্থ য়াই করিনা শিবস্থ য়ারিবনিনা।' 'হল্লক্রবদি?' 'অতুদা খুম্মু, অমুকী হকচাং শেংদোকপগী গঙ্গা রাংমদা চৎপদা মিৎ থরা লম্নুবদা গঙ্গাদা চোংথখরে। য়াম্না থিরে থিবা ফংদ্রে। মথুত্তা হাতকড়া রাওখি, ঈরোইবা ওস্মোই ঈরাক্রহুনা শিগ্রবনি।

ঐ শিরে হায়রদুনা নিংথৌনা দণ্ডি পীররোই। অদুগা অসিমসু তাও, করিমতা কীগনু। নথোয় লৈপাক্কী মনুংদা ঐ লৈররোইদবনি, দরবেশ ওইদুনা মক্কা চৎপ্রগদবনি।' অদুদসু প্রহরীবু লেংহনবা হুমদ্রে 'করে লিশিং তরেৎ পীরগে। দোকান্দা পুদুনা চৎলো, ঐনা অদুদা শেল থম্লি। শেল মশক উরো, মশিং থিরো,—অদুদগী ঐবু থাদোক্লো'। শেগধাম উবদা প্রহরী মপুক ওল্লে। মথুংকী য়োহ্লিং কক্কুনা সনাতনবু থাদোক্লে। অহিং অদুমক্তদা গঙ্গা লান্দুনা চেনখ্রে।

প্রভুগী চানপ্রবা মনাই, সংসারগী অপুনবা পূম্বা করবা সনাতন মীনম্বা অমসুং চিবোম্বা খুৎসাই ওইরদুনা নাম্থোক্লবগী দমক্তা শেল পীজবা ফাওবদা হায়লেংখিদবে। মাসিদা পাপকী য়া করিমতা লৈতে —পুণ্যতম ওইরিবনি। নীংজরিবা মাগী মবুঙেঙা অদুগী চরণ ফংনবগী দমক অথিংবা লাকপা পূম্বা লৌনময়া পাঙ্গলনয়া, বুদ্ধিনয়া পাং-থোকপা লেংজ্রবা, য়াংপ্রবা ধর্ম্মনি, চাউরবা পুণ্যনি। মীনম্বা ওইরবসু মপুং ফাববা অচুম্বনি। মায়া সংসারগী মায়া করবগী দমক ওইদবা অয়ানবা হায়বা অথানবা নত্তে—তৌকম থোকপনি। অসিগুম্বা মকথদা অওইবনি হায়না ঙাক্কুনা চৎপা অদুনা কায়জবা অমম্বা ধর্ম্মনি। অদুনা সনাতন গুম্বা নিপা মতাং অসিদা মীনম্বনা চিংবদা হঙ্গোইখিদে। কৃষ্ণ ভক্তিদবু অকায়বা পীরবদি পুণ্য কর্ম্ম ওইজসনু থাদোক্কদবনি। মশা নুংঙাইনবগী য়াথলদা পুণ্য তাল্লি মীওইবনা —মশাগী নুংঙাইবগী য়াথল ওইরবা কৃষ্ণ ভক্তিদা অথিংবনি। অমনা ইন্দ্রি পেয়বগী হোৎনবনা মীওইবদা পাপকী থবক ওইহল্লি। মরমদি অসিদসু মশা নুংঙাইবগী য়ানি, অদুনা কৃষ্ণ ভক্তিদা য়েক্লয়ে। কৃষ্ণ নুংঙাইনবগী য়াদা পাপ পুণ্য চংদে। পুণ্যনা নুংঙাইনবগীনি হায়বা থল্লোইদবনি। অদুনা পাপ পুণ্য অনিমক থাদোক্কনি।

লম্বী অচুম্বা নুংঙাইবা লম্বি থাদোক্কনা মীনা চৎনদবা লম্বী থন্দুনা মনাই ঈশানগা লোইননা সনাতন খোংশাল্লে। অহিংদা

পাতড়া চীংদা থুংলরে। [মকম অহুদা গৌড়-কোমুং লানবনগী খোংলগী দিল্লী কাওবা চৎপা সোরোক অচৌবা অমা লৈরম্মি, অসিবু মীনা গঙ্গিদার লম্বী হায়না কৌরম্মি। হায়রিবা লম্বী অসিদা রাজবন্দীনচিংবা চেনবা শুমদনবা মিৎশেন থাংবা লাম্বী থমম্মি। অহুনা অদোমদা চেনবা ওইথেক্লোই খন্দুনা সনাতননা লম্বী অকবা অসি থাদোকুনা খুদেংথিবা লম্বী পাতড়া চীংগী লম্বীদা চেনখিবনি।] মকম অহুগী লম মপু ওইরিবা ভুঁইয়া [লমগী মপু, মমাংঙৈগী জমিদার অচৌবা নত্রগা মীথা পোনবা নিংথৌ] দা 'ঐবু খরা লাম্বোকপীয়' হায়রুরে। অরোন থুপ খংবা শুম্রবা হোৎপা হৈবা মিপা অমা মনাক্তা য়াওরমহুনা মানা ভুঁইয়াগী নাকোংদা সনা মোহর নিপাল য়াওরি তাকপদা হুরাওন তরাম তরাম্না সনাতন্দা হায়রকই 'ঈক্ত মায়থজরুরো থোঙ থাক্লবা পীরগে, নপুক থম্না চাথোক্লো, অহিংদ মী পীগে থিম্বা' হনিয়ক চাবা থকপা লোইহুনা অস্রম পোথাবদা সনাতন্দা চিংনবগী রাখল অমা থোক্লক্লে। ঐবু মানা খংকম থোক্কে, অসিদগী হেন্না গোম্বগদবা লাইরবা ফিজোল লৈত্রবনি ঐনা শেংলিবা অসি, অহুমক্তদা মানা ঐবু শুক লুনা তৌরিবা করি ওইকম থোকই। অহুনা তৌরিবা অসিবু করম্বা খুদোংথনবগী কুয়োয়ো' ? অহুদগী ঈশান কৌহুনা হংলে—'নঙোন্দা মীনা পাম্বা য়াবা শেল থুম করি য়াওরি?' ঈশান্ন হায়রকই—'মোহর তরেত্তং য়াওরি।' অমুবা লিলগুম্বা যম অহু করিগী পুহুনা লাক্লি? কদাই ঐঙোন্দা পীয়ু।' ঈশান্না পীরে মোহরশিং অহু পুহুনা ভুইয়া নাক্তা চৎখ্রে অহুগা হায়রকই, সে„ মোহর তরেৎসি য়াওরি; ঐখোয়বু লুনা তোবিবগী ইকায় খুম্রবা উৎপগী মশক ওইনা নঙোন্দা পীরবনি। ঐখোয়বু চীং লাম্বোকপীরো নংগী পুণ্য ওইগনি।'

'তরেৎ নত্তে, নিপাম্নি মোহর' হায়রে ভুইয়ানা—'নিপাল।'

ভুঁইয়া নোক্তুনা 'করে লৈজরসরু। ওসি অহিং নখোয়বু হাংলগা মোহরশিং লৌশিনগে তৌবানি। যাহু ওইত্রে। নং নশামক্কা লাক্তুনা ঐঙোন্দা দান তৌরম্রে। নংনা ঐবু মী হাংগা পাপ্তগী কনবিরে। তারো ঐ মোহর লৌয়রোই, পাপ্তগী পুণ্যনা ঐ হৌজিক পায়ে। ঐ মী পীরগে, নখোয়বু চীং লাম্থোকপীহনা অশোই অচাম থোকহল্লরোই।' সনাতন হক্তিন্দুনা লৌ য়াত্রে। অতুগা হায়রকই-'য়েরুবসি ঐগা লোয়নরগা হুরানচিংশিনী মথুত্তা ঐ শোয়দনা শিরয়নি। মোহরশিংসি লৌরগা ঐগী থবায় কল্লো' হায়রহনা মোহর তরেংতু লৌ য়াত্রবদা গতি লৈত্রহনা লৌশিল্লগা মী মরি পীহনা বন লম্বীদা মাখোয়না ঙাক্তুনা লাম্থোকপীরে। অসিন ভক্ত বৈষ্ণবকা ঙাইহাক সঙ্গ ওইজরুবদা মপুক পুম্না ওনথি। সাধু-সঙ্গী কৃপা কংহৌরে ভুঁইয়া।

চীং লাম্থোক্লগা ঈশান্দা 'নংগী নখুত্তা থয়া লৈরিবরা' হংলকই। ঈশান্না 'উপায় ওইনবা মোহর অমতং লৈরি' হায়। 'অহু নং লোক্তরো। অহু পুরগা নহুম য়োথ্রো।' ঈশান্না কপ্লক্রে। সনাতন্না মমিং ঈরা চেল্লহনা হায়রকই 'ঐ ইতোমতা লাইরনা চংথ্রগে। ঐ সঙ্গ থমত্রবনি, ঐ তোল্লবনি।' ঈশান মমুমলোমদা হনথ্রে। লাইরনা তোয়া চংথ্রে সনাতন—

> তারে বিদায় দিয়া গোঁসাঞি চলিলা একলা।
> হাতে করোঙ্গা ছিঁড়া কন্থা নির্ভয় হইলা॥
>
> মাবু বিদায় পীরগা চংলে গোসাই মতোমতা।
> খুত্তা খুজাই শেগাইবা কান্থা কনা কীদা॥

সনাতন কীরুবা য়ারুবগী য়াথল অমতা য়াওখিত্রে, মাঙোন্দা করিগুম্বা অতোপ্পা অকৈবা য়া অমতা লৈখিত্রে, মরমদি মাহাক শ্রীকৃষ্ণদা আত্মসমর্পণ—মশা মথরায় পুম্না কংথ্রে, কৃষ্ণদা মাগী

ঙাকশেনবা শিন্নপ্রে অহুনা মা করিত্ত চিংনরুক্রে।—চংজখ্রবা অমস্তুং করিগীস্থু মপু ওইখিত্রবা—অনি অসিদগী উৎলকপা মওং অমতনি হায়বা য়াই। কৃষ্ণগী পেন্নবা হিরমদা চপমুংবা, কৃষ্ণ নিংজবদা অকায়বা ওইবা অহুবু থাদোকপা. কৃষ্ণনা ঐবু কনবিগনি হায়বদা থাজবা, ঐগী ঙাকপী শেনবীনবা হায়ববু মানি হায়না লাম্থোকপা, মশাবু মাগী ওইদবা হায়বদি পুম্না কথোকপা আত্মসমর্পণ অমস্তুং ঐদি গতি লৈজদে হায়না তোঙবা—অরাবা উৎপা তরুক অসি ভগবান্দা চংজবগী খুদম্নি। অসি শুনা লৈরবা সনাতন কনাবু অমস্তুং করিবু কীরুদে, কীনিংঙাইস্থু লৈতে। মাহাক 'শরণাগত' ধর্ম্ম চৎপ্রবনি, করিমতা লৈত্রবনি। সংসারবু পাম্মুত্রবনি। কৃষ্ণ সেবাগী সংসার থাদোকপ্রবনি। অহুনা অমুক্তং ভগবান্ অহুদা চংজহুনা 'ঐ নংগী ওইরে' হায়জবদা মাহাক্না মনাইবু অকী অথং পুম্বদগী কনাবে।

ভগবান্দি অতোন লমতাবু লুনা তৌবি, অহুগা শাগে জাৎ কবা, মহৈ হৈবা, ইনাকখুনবনা থোঙ্গ। থোঙ্গরিবা কাংবু অহুগী শক্তিনদি মায়া লাম্থোকপা ঙমদে। অহুনা ভগবান্দা চংজরবতদা মায়াগী মখয়াত্তগী নাম্থোকপা ঙম্মি।

অস্থুম্না সনাতন হাজিপুরদা থুংলবে। মকম অহুগী লৈকোল অমগী মনাক্তা হৌবা উ অমগী মথাদা কমহুনা নুমিৎ অহুগী পনকম ওইরে। করি রাথল খল্লুদনা মপুক পেন্না হরিনাম শোন্দুনা লেপ্লে। ভগবান্দা পুন্নমক কৎপ্রবা সনাতন মাগীনি হায়বা করিমতা লৈত্রবা, করিস্থু পাম্মুত্রবা সনাতন মথা করি খল্লিরৈঙ্গেনা মানা চংজপ্রবা মবুঙেঙা অহুনা মাগী লম্বী অহুম হাংলকই। হাজিপুরদা সনাতনগী মচনগী মপুরোইবা শ্রীকান্তগী মযুম্নি। মাহাক গৌড়গী নিংথৌগী শগোল হুল্লি। মনাক্তা হরিহর ছত্রগী মেলা তৌই। মাহুদগী শগোল লৈরগা মাহাক্না গৌড়দা থাই। লুপা লাখ অহুমগী কায়বায়নি।

হরিনাম শোনবগী মখোল শ্রীকান্তনা তারে। চংহুনা য়েংলয়ে—'এঃ সনাতননিনা অসিদে। নিংথৌগী ঐশ্বর্য্য পূম্বনা য়োমহুনা পানবা হকচাংগী মওং অসিনা করিনো? করিনো তৌরিবা অসে,? সনাতন লোয়া শ্রীকান্তদা বা পুখা তয়ে। প্রভুগী দমক কৈশুমখংদগী চেন্নকপনি তারে। 'অহুদা ফিজোল অসিনা করিনো? চৎলো ঐগী য়ুমদা হুমিৎ খরদং পোখাউ। খুজিংস খুয়া, শম, কোই কক্তুনা কীবম শেমদোকখিসি। উফুল রাইফুল শেংদোকউখিসি' হায়না কন্না তক্লে। সনাতন্না নোক্লহুনা য়াম্না ইংনা খুম্নকই 'ঐ অসিদা পল্লরোই, কাশী য়োৎরগে। ঐবু গঙ্গা লাম্হোকপীরো'। অহিংদা মী অমগা লোইনহুনা শ্রীকান্তনা লাক্লগা কৃষ্ণ কথা কয়া ভাংনরে।

অতোপ্পা মওংগী সনাতন অমা শ্রীকান্তনা থেংনরে। মফি ময়োল কঙবা থিবদা মপুক চংভ্রবা, ঈশ্বর রাখলতনা ফিজোল ওইরবা, ঈশ্বর নীংজবনা চিঙ্গাক ওইরবা, ঈশ্বরদা কথোকচবতনা মাগী মুংভাইজবগী মতোল লোমজবা—পুম্নো নৌবা সনাতন অমা ওইখরে।

শ্রীকান্তনা গঙ্গা লাম্হোকপীরে। অইংবা ভারুবা ভোট কম্বল অমতং পীরকই। অসুম অসুম লাকপনা কাশী য়োৎরক্লে। কাশীদা প্রভু লেংশিল্লি তারে। প্রভু কাশীদা লম্বী ওইবগী পল্লম্বা নত্তে, ভক্তনা খুদুম চনবা, ভক্তদনা পেলহনবা ভগবান মনাই ভাইরিবনি কনানদি খংউবা নত্তে। চন্দ্রশেখরগী য়ুমদা প্রভু লেংশিল্লি, মাগী য়ুম থিরক্তনা কোম্হোংদা সনাতন কমহুনা লৈকয়ে। চাক্লীবা কন্না ওইগনি হায়হুনা কনানসু সনাতনদা পুক্লিং চংলুদে। মমুংদগী প্রভুনা লাউরকই—'য়েংউ কনাগুম্বা বৈষ্ণব অমা কোম্হোং মপান্দা ফম্বগুম তৌই—মাবু কৌশিল্লকউ।' চন্দ্রশেখরনা মপান থোক্তুনা য়েংবদা কনা বৈষ্ণবপু উদ্রে। প্রভুনা 'লৈত্রনে' হংবদা 'বৈষ্ণব কনা কমদে দরবেশ অমদি লৈহোই'। 'অং দরবেশনে। অহুবু পুশিল্লকউ' হায়রগা

প্রভুগী পুক্রিংদা, হকচাংদা ইয়াং অমা হৌরকই।

চন্দ্রশেখরনা সনাতনবু পুশিল্লক্লে। শুমাং মতোল হেক য়ৌরকপা উবদা প্রভু চেম্ম্বাক্তনা মনাইবু চেজেৎ কোল্লয়ে। 'ঐবু শোকম্ম শোকম্ম হায়দুনা সনাতন কপ্পক্লে। 'ঐদি লৈখা তারবনি, তোল্লবনি, ঐ শোকপদা মতিক চাত্রবা মীনি' হায়রকই।

প্রভুনা চৌংশিন্দুনা মনাক্তা কমহল্লগা—

শ্রীহস্তে করেন তার অঙ্গ সম্মার্জ্জন।
তোঁহো কহে মোরে প্রভু না কর স্পর্শন॥
প্রভু কহে তোমা স্পর্শি পবিত্র হইতে।
ভক্তি বলে পার তুমি ব্রহ্মাণ্ড শোধিতে।
প্রভুগী শ্রীহস্তনা মশাদা নানবিরে।
মাহাক্তা শোকপীগনু ইশা হায়জরে॥
প্রভুনা হায় নং শোকপনি ইশা শেংনবা।
ঙম্মি নং ভক্তি পাঙ্গলনা ব্রহ্মাণ্ড শেংবা॥

নংদি নথব্রায়, হকচাং, হোৎনবা, লৈজবা, শেল থুম, অপাম্বা পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণগী খুৱাদা কৎপ্রবনি; অদুগুম্বা নহাক্তি অতোনবা জাৎ ওইরবা কাওবদা শাগৈ জাৎ য়াংলবা ব্রাহ্মণ ভক্তি লৈতবদগী থাক য়াংনা হেল্লি। নংদি অতোনবা জাৎতা পোকপম্ম নত্তে, বেদগী শাস্ত্রগী ললনা লৈতেংলবা নংগী ভক্তি অদুনা সংসার মরোল অদুম চেংদোকপীবা লায়না ঙম্মি। ভক্তিবু য়াওব্রবদি মীদি লায়রদুনা মশাবু কাওবা শেংবা ঙমদে। অদুনা নংবু ঐনা য়েংনিংই, শোক্নিংই, নগুণ শক্নিংই। ভক্তবু উবদা মিৎ মহৈ য়াঙ্গে, ভক্তনা হকচাং শোকপদা হকচাংনা মহৈ য়াঙ্গে, ভক্ত মগুন শকপদা লৈয়েংনা মহৈ য়াঙ্গে। অদুনা জগৎ অসিদা ভক্ততনি অতাংবা—'সুদুর্লভা ভাগবতা হি লোকে।'মথংদা প্রভুন' কৃষ্ণনা নংবু লানবিরবনি'হায়দুনা মাবু তপথহল্লে। সনাতন্না খুম্মি 'ঐদি কৃষ্ণ খংদে, ঐনা খংবদি নংতনি, নংগী কৃপানা ঐবু কৈতুমশংদগী থাদোকুনা পুবিরকপনি'।

মথংদা মানা নাম্বোক্লকপগী ৱারি ৱাখোং পূম্নমক প্রভুনা হংবদা হক্লংলে। অতুগা প্রভুনা মাহাক্কী মনাওনিপা অনি রূপ, অনুপমগা উন্নবগী ৱা তম্লগা মাখোয় বৃন্দাবন চংখ্রে তম্লে। অতুদগীদি মাহাকপু তপনমিশ্র অমসুং চন্দ্রশেখর বৈদ্যগা প্রভুনা খংনহল্লে। তপনমিশ্রনা বার্ত্তোন তৌরে মাগী য়ুমদা ভিক্ষা ওইবিনবা। প্রভুনা সনাতনগী মশম-মনা, কোই-সুং, ককথৎ-কোকথোক্লনা মশা শেংদোক্লবগী দমক মিশ্রদা হায়রে। অতুদগী চন্দ্রশেখরদা গঙ্গা স্নান তৌহন্দুনা মফি মরোল হোংদোকহল্লুরো তাকপীরে। পূম্নমক লোইহ্নুনা গঙ্গাস্নান্দগী লাক্লবদা ফি অহনবা পুরক্লনা পীরে। সনাতন লৌ যাদ্রে, প্রভুদি পেনবনা লোইবে। প্রভুনা সনাতন পুহনা ভিক্ষাগী দমক তপন মিশ্রগীদা লাক্লগা সনাতনবু ভিক্ষা ওই- হল্লো তাকপীররে। সনাতনদি মাগী মথৌ খরা ৱাংলি হায়হনা প্রভুবু লুক হাইনখ্রে। মথংদা তপনমিশ্রনা প্রভুগী অরেম্বা লুককম অহু পীহনা সনাতনবু প্রসাদ থুল্লো হায়রে। অমোংপা শেগাইবা ফি অহু হোংদোক্লনা অহনবা ফি হোংদোক্লবা তপন্না পীহনা হায়জরে। সনাতন যাদ্রে—অহনবা পামদ্রে হায়রগা অমনবা শেংনরবা অমা পীয়ু হায়না নিরে। তপন্না পুথোক্লনা পীরবদা কৈক্তোম অহু শোগাহনা বহির্ব্বাস অমসুং কৌপীন শেমহনা সনাতন্না মফি হোংদোক্লে। [গর্হস্থ্য ধর্ম্ম থাদোক্লবা, মপুক লেপপ্রবা, সংসার থাদোক্লবা মীওইশিংনা ফিজোল অসি শেংলি। হৌজিক উরে ফিজোল অসি লৌবদা মন্ত্র নত্রগা গুরুগী ৱা চংদে মন্ত্র ফংবা তারগনা অতোপ্পনি। অনৌবা অহনবা ফি-লোলগী পোৎচং লাক্কে। কনাগুম্বা পুকচেল চাউবা নিপা অমগী ফিমল অমনা বহির্ব্বাস অমসুং কোপীন শেমহনা শেংলগা 'বেশ ওনবা' ওইরে। অহনা সনাতন গোস্বামিনা তর্পন মিশ্রগী ফিমল নিরগা বেশ ওনখি। অসুম্না বেশ ওনবা ফিজেৎ হোংবা

অসিবু অসুম ওন্থরকপনা 'ভেক কংবা হায়না খংনৈ। মমুংদা শেৎপা লেঙুটি গুম্বা অহনা কোপীন অহুগী মপান্দা শেৎপা অহুমা বহির্ব্বাস (মপান কি) কৌই। বেশ ওম্নবগী দমক শ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুদা (লম্বোইংব্রিগৈ গী প্রভুদা) কি অহনবা কত্তুনা থম্বা মণিপুরদা নিংথিনা চৎনরি। কৎলিবা অহুদি পুজারি অহনা কংজকম থোকই, করিনা লাইদা কৎপদি সেবা কংজরিবা লাই লাৎপা অহনা কংই। অহুগা লম্বোইনবগী দমক্তদি মাহাক্না লৌদবা তুংগী লম্বী শেমহনা থম্বা ওইবা তাই। অসুম্না বেশ লাংহনা থম্বিরবা, শিরমদাইদা ভেক গুরু ওইগনি লেপ্পরবা মীশক অহনা মতা চাথিদবা অমদগী অকংবা ব্রাহ্মণ অমনা বেশ অহু ওলহনপ্রবদি মাহাক্না গুরু ওইথিবা আইননি চৎনরি। অহুদস্থ অমতা নংহৌদবা থোক্তুনা মনাক্তা শংবা বামণ নত্তবা মাইবনা হুকপস্থ য়াওই—মওং অহুদদি মাইবনা গুরু ওইদে। মাসি মণিপুরগী দমক লমস্থ লম্বোইদবা, ওাস্থ চাবা ব্রাহ্মণশিংনা শেম্বিবা আইন ওইবা তাই। সনাতনগী থোকখিবা থৌদোক অসি মহাপ্রভুগী মাংদনি। সনাতনগুম্বা নিপানা চুম্মি থম্মুনা তৌথিবনি অহুগা প্রভুনস্থ লাল্লি তাকপীখিদে। [ভেক হায়বা ৱাহৈ অসি ঐথোয়না খংলিবা অর্থ অমস্থং ভাব অসিদা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়নস্থ অহুম শিজিনৈ, মাসি 'অপভ্রংশ' (corruption) হায়রবদি মশাগী লৈজবা ৱাহৈনা ওন্থরকপনি। বেশ (কিজোল) 'ব' না 'ভ' পাবা, ওাংবা মুংওাইবগী মতুং ইন্না ওইরকই মরমদি 'শ' না 'খ' নত্রগা 'ক্ষ' গী থোম্বোক ওইরকপদা 'বেখ' গী মহুত্তা হায়বা মুংওাইবগী মতুং ইন্না 'ভেক' তা মথং মথং ওন্থরকপনি। কীর্ত্তনগী লোলদা 'নিঠুর পুরুখ জাতি' অসিদা 'খ' 'ষ' দগী ওইরিবনি। 'পুরুষ' না 'পুরুখ' ওইখবনি।]

মহারাষ্ট্র ব্রাহ্মণগা সনাতন গোস্বামিগা প্রভুনা থংনহল্লবদা মাহাক্না সনাতনবু কাশীদা লৈরিবা মতম পুম্নমক্কী দমক বাগীদা

ভিক্ষা ওইবিনবা মহানিমন্ত্রন তৌরে। সনাতন্না হাক্রে—মাহাক মাধুকরীনা হিংগনি, ব্রাহ্মণগী য়ুম্দা করিগী অতূক কুইনা চাগনি হায়রে। তাবদা প্রভু য়েৌনা পেনখ্রে। [ঐগীদা ভিক্ষা ওইবিয়ু হায়রবদি চন্না অতুমা মপুং ফানা খুনবা তারে—ভিক্ষা অসিবু কুইনা ওইবিয়ু হায়বগী মহানিমন্ত্রণনি। ভিক্ষানা মকম অমদা প্রসাদ থন্না খুনববুনি মাধুকরী হায়বনা য়ুমথোং য়ুমথোং চত্তুনা থন্না নিবা (মুষ্টি ভিক্ষা) নি, হায়বদি খোইমুনা লৈ অমদগী অমদা চত্তুনা থন্না থন্না খোম্বদা লৈদা অমাংবা অকায়বা লৈতবা—'মধুকর' খোইমুনা তৌবগুম তৌহনা নিরগা চাববু মাধুকরী কৌই।]

প্রভুনা সনাতনগী মপুক্তা, মশাদা চাউথোকপা থোঙবগী থরদং লেমহোরবস্থ নত্রগা মানবা থন্না য়াওরবস্থ পূম্নমক লোইশিনবিরগে লেপ্লবনি। প্রভুনা সনাতনগী ভোট কম্বল অদুদা তোয়না তোয়না য়েংবা উবদা সনাতন্না মানা কি আস শিজিন্নবা প্রভুনা পেন্দবা তাই খল্লে। মাধুকরীদা চারগদবা মানা লুপা অহুম পীবা কম্বল শিজিন্নবা চুমদ্রে, বৈরাগ্য ধর্ম্মদা অকায়বা ওইরে খংলে। অসি খন্না খন্না মধ্যাহ্নগী মতম ওইরহুনা গঙ্গাস্নান চৎখরে। গঙ্গা মপান্দা গৌড়িয়া অমনা কাম্থা শেগায়রবা অমা শুহনা কোরম্বা উরুরে; অদুদা মানা মাগী কম্বল অদুগা শিন্নাস হায়রুরে। থাজরমদবা নিপা অদুনা অওইবা ওহরকপদা য়াম হন্নাওনা য়ারহুনা শিন্নখ্রে। কাম্থা শেগাইবা অদু মরেংবাশা য়ান্নগা সনাতন প্রভুগী মাংদা লেপ্লুরে। প্রভুনা পূম্নমক খংলে খংহুনা হায়রকই 'কৃষ্ণনা নংগী লল থুমগী অপাম্বা পূম্বা কোকপীরে। খুদম ওইনা তাকপীখি—অহেবা মাইবনা অনাবা মথাক থমদে—

সে কেনে রাখিবে তোমার শেষ বিষয় ভোগ।
রোগ খণ্ডি সদ্বৈদ্য না রাখে শেষ রোগ॥'

নংগী ললগী মহাও করিগী লেঙ্কাম্নি মান্না।
নাবা ফরগা মচেৎ খাক্কে মাইবা হৈবনা॥

প্রভুগী রা তাবদা মথরায় চাউরক্কনা প্রভুগী নাক্তা তম্লিংবগী রাখঙ্গা নকশিন্না ফমখি। তোল্লবা মম্লবা সংসার কোমদা লেপ্পুরবা মাবু কনবিরে, হৌজিক মাগী মথৌ করিনো তাকপীনবা হঙ্ংখি। সনাতন্না রাংলবা, অমাং অতা চংদবা নিত্য ওইরবা রাহং অহুম প্রভুদা হংজখি।—ঐ কনানো; অরাবা অহুম্না ঐবু রাহল্লিবা করিগীনো; করিনা ঐগী অফবনো?

প্রভুনা হায়খি 'সনাতন নং কৃষ্ণগী কৃপা পুম্না লৈরিবনি, অহুগা নংস্থু খংলিবনি। অসিমক্তদা নংনা খংলবা অহুবু হংলি। মাসি নংগী জ্ঞান অহুবু চেংশিন্নবা, চিংনবা লৈত্রনবা হোৎনবনি। শোয়ত্রে হায়বা লেপ্পবা রাহংনি। মাসি সাধুশিংগী হোনবনি।'

'কে আমি কেনে আমারে জারে তাপত্রয়।
ইহা নাহি জানি আমি কেমনে হিত হয়॥'

ঐ কনানো রাবা অহুম্না করিগী চাকই।
অসিস্থু খংদে ঐগী অফবা কারনা ওই॥

ভাগবত ধর্ম্মগী থুম্নবা তত্ত্ব খংনিংবগী রাখঙ্গনা অথোইবা ওইরিবা মাখোয়না ফংজানংলিবা পুন্নমক থিন্দনা ফংজে। [তত্ত্ব—পোৎ খুদিংগী মরুওইবা শরুক অমমম লৈ—মরু পুম্নমক্কী মরু ওইরিবা অহুবু তত্ত্ব কৌই। পোৎকী মশক খংনবা বিজ্ঞানবু তত্ত্ব কৌই হায়না শ্রীধরস্বামিনা হায়]। হৌজিক তারো তত্ত্বগী রা পুম্বা-নংদি ভক্তি ধর্ম্ম শন্দোকপদা মতিক চারবা নিপান।

তাপত্রয়না অরাবা পীরিবা ঐ কনানো হায়বগী রা তারো। 'জীব' অসিগী মশক করিনো অহুগা 'ঐ' হায়বা জীববু অচাকপা অহুম পীরিবনা কনানো নত্রগা করিনো?—হৌরককম খংদ্রবা মতমদগী লোইকম খংদ্রবা মতম ফাওবা জীব পুম্বা কৃষ্ণগী মনাইনি। অসুম ওইহুনতা লৈরবা জীবশিংস্থু মায়াগী মখা পোনবা মওংদদি

মশাবু কাউথোকচরবস্থ, কৃষ্ণগী মনাইনি কাউথোক্লবস্থ পোৎশক থংলকপা জ্ঞান লৈবা মীনা কৃষ্ণগী মনাইনি হায়রবা অসি কাউবদি কাউই।

'জীবের স্বরূপ হয় কৃষ্ণের নিত্যদাস।
কৃষ্ণের তটস্থা শক্তি ভেদাভেদ প্রকাশ॥'
জীবগী শক্লা কৃষ্ণগী মনাইনি লেংত্রবা।
কৃষ্ণগী তটস্থা শক্তি কোংই খেন্ন-খেন্নদবা॥

কৃষ্ণগী অন্তরঙ্গা (চিচ্ছক্তি) স্থ নত্তবা বহিরঙ্গা (মায়া শক্তি) স্থ নত্তবা শক্তি অহুবু তটস্থা (জীব শক্তি) কৌই। তটস্থা শক্তি অসি অন্তরঙ্গা বহিরঙ্গা শক্তিগা মরি লৈনবা য়াই অহুগা ভগবানগস্থ করিগুম্বা অংশগা খেন্নদবা অতুগা করিগুম্বা অংশ অমগনা খেন্নবা থোকই।

বিষ্ণুপুরাণনা ১।২২।৪ দা হায়—

একদেশস্থিতস্যাগ্নের্জ্যোৎস্না বিস্তারিণী যথা।
পরস্য ব্রহ্মণঃ শক্তিস্তথেদমখিলং জগৎ॥
মফম অমদা মৈনা লৈ, অহুবু মাগী মঙাল্লা
মায়কৈ মরিদা শন্দোকই। অতুম তৌহুনা ব্রহ্মস্থ
লৈ, মাগী শক্তিদগী বিশ্ব অসি শেম্মি।

মুমিৎকী মঙান্দা হাইদোক্লক্লিবা পুম্বা মঙাল ওইনদি মুমিৎকা খেন্নদে অমস্থং মফম্না থনখিবনা মুমিৎ মমাংদা চংশিনবা ওমত্রবদা মুমিৎকা খেন্নরে; অতুগা মৈগী মশেকশিং অতুস্থ মঙাল ওইনা মৈগা খেন্নদে অতুগা মাঙোন্দগী থাইদোক্লক্লুন। মওং অমা ওইনা তারকপদা খেন্নরে। অস্থুম্না জীব পুম্বসি চিদানন্দগী অংশ ওইনা ভগবানদগী খেন্নদ্রে অহুদা মায়ানা শুস্কৎখিহুনা ভগবান্‌গা মায়োক্লবা ফংদে, মরম অসিদগী খেন্নে। অহুনা কৃষ্ণগী মনাইতা ওইহুনা লৈরবা জীব, মফম পুম্নমক্তা শিনথুংনা লৈরবা পরম ব্রহ্মগী পিকথ্রবা শরুক অমনি।

ঈশ্বরনা মপান নাইত্রবা জ্ঞানগী পুকৈনি। অহুগা জীবনা পিকপ্রবা জ্ঞানগী মরিকী মরিক্লি। জীব পুন্নমক মতম পুম্বদা মুংঙাইবগী (চিদানন্দগী) মনাই ওইবনা কৃষ্ণগী মনাইনি। কৃষ্ণদি কুংনা মুংঙাইংবা (আনন্দঘন) মপাল নাইত্রবা পুরুষনি। [মতাং অসিদা মহাপ্রভুনা মনাই সনাতনদা অচিন্ত্যভেদাভেদতত্ত্ব তাক্লি।]

কৃষ্ণবু কাউথোকপদা নংনা অচাকপশিং কংই। ঐ কৃষ্ণগী মনাইনি, সেংম্রবা মনাইনি কাউথোক্তনা নমায় হেক লৈথোকপদা মৈচাক অহুম্না (ত্রিতাপ জ্বালানা) চাকই। অদুদগীদি মায়া মমুংদা লুপখিহুনা ঈরাক্নে। ত্রিতাপ তাপত্রয় অরাবা অচাকপা অহুম হায়বদি (১) আধ্যাত্মিক—পুক্লিংনা, পুক্লিংগী মরম্নাই ওইবা মরমদা রাবা, ত্রম্মাগী হায়বদি লাইগী মরমদা রাবা ; (২) আধিদৈবিক—লাইদগী থোকপা অরাবা, বজ্রতাবা, নোংলৈ মুংশিত্তগী থোকপা অরাবনচিংবা ; (৩) আধিভৌতিক – ভূত্তগী কংবা অরাবা, মথরায় পানবদগী থোকপা অরাবা হায়বদি শাকে, লিপকাংনচিংবদগী থোকপা অরাবা—অহুম অসিবু ত্রিতাপ কৌই। আধিনা' অরাবা অচাকপবু খংই। মাসিনা থোকহনবদি—

"কৃষ্ণ ভুলি সেই জীব অনাদি বহির্ম্মুখ।
অতএব মায়া তারে দেয় সংসার দুখ॥
কভু স্বর্গে উঠায় কভু নরকে ডুবায়।
দণ্ড্যজনে রাজা যেন নদীতে চুবায়॥

কৃষ্ণদগী মতম খংদনা মায় লৈরবা।
মায়ানা পী মাঙোন্দা সাংসারগী অরাবা॥
করিদা স্বর্গ য়োইহল্লি নরক করিদা।
দণ্ডি কংবদা নিংথৌনা তিংগুম ভুরেন্দা॥

কৃষ্ণদগী মমায় হেক লৈথোকপদা সংসারগী অরাবা লাক্লবগী মরম্নি। মায় থিত্তং লৈথোকপদা মায়াগা থেংনরে, থেংনবা অসিদগী মায়ানা

খুদুম চনখি। অদুনা মায়াবু লাম্বোক্লবগী উপায়দি কৃষ্ণদা লেংজবা রাখল, অদুংবা ভক্তি অমত্তুং অচেংপা প্রেম থমজদুনা মাবু সেবা তৌজবনি। ত্রিতাপ অসিদগী নাহোক্লবগী দমক্তা গুরুবু লাই-মক্লি থনবা অমত্তুং ভাব অসিনা লেংজবা ভক্তি থমদুনা ভগবানবু নীংজবতনা মাসিগী উপায়নি।

শ্রীমদ্ভাগবতকী ১১ শুবা স্কন্ধ-অনিশুবা অধ্যায়গী ৩৭ শুবা শ্লোকশা হায়।

ভয়ং দ্বিতীয়াভিনিবেশতঃ স্যাদীশাদপেতস্য বিপর্য্যয়োঽস্মৃতিঃ।
তন্মায়য়াতো বুধ আভজেত্তং ভক্ত্যৈকয়েশং গুরুদেবতাত্মা।

—ঈশ্বরদগী লাপথোকখ্রবা মাহাক অদু ঈ য়বু কাউরবনি। মশাগী শকল্ কাউরবনি। মওং অসিদগী থোরকপনা হকচাং অদুবু মাহাক্না আত্মানি হায়না খল্লি অদুনা অমুক ওইরিবনা ভগবান্ নত্তবদা মাগী অপাম্বা পোক্লে। অদুদগী কংবা মহৌনা শিববু কীবা। পূর্ণমক অসি ঈ রগী মায়াদগী ভাক্লি। মরম অসিনা অশিংবনা গুরুবু লাইনি, আত্মানি থম্দুনা ভক্তিগা লোয়ননা ঈশ্বরবু নীংজে।

মশানা থংজ্রিবা, থংনিংবা গুরুদগী থংবা ওমজে অদুগা থংলবা অদুস্ গুরুদগী অমুক তারগা চিংববা পূর্ণা মাংখিদুনা অচুম্বা লেপ্না ওম্মি। অদুনা গুরুদা থাজব্রবা, ভক্তি লৈজবা ওইজবগী মরম থোকহনবা ওমদে। ঈ য়দা থাজবগুম গুরুদস্ থাজগনি, ভক্তি তৌগনি, পেনবিনবা তৌগনি। অদুনা লাইগুম্বদগী লাই অদুম ওইরে। গুরু কৃপাদগী ভগবান্গী কৃপা কংজরে।

মথক্তা পনখিবগুম থংজবা মতমদগী হায়বদি কুইনা কৃষ্ণবু কাউখিবনা কৃষ্ণদগী মমায় লৈথোকই। অমুম্না মমায় লৈথোক্লবা জীববু থংজবা মতমদগী মায়াগী মথা পোলহনগ্রে। মরম অসিদগী ভগবান্না চাল্লবী মায়ানা জীব অদুবু শিবা, হিংবা, অরা অনাগী ঈচেললা সংসারগী অরাবা, অচাকপা পী।

'সাধু শাস্ত্র কৃপায় যদি কৃষ্ণোন্মুখ হয়।
সেই জীব নিস্তরে মায়া তাহারে ছাড়য়॥'

কৃষ্ণদা নৈশিল্লবা সাধু শাস্ত্র কৃপানা।
জীবছু লাজরে মাবু থাদোক্রে মায়ানা॥

শ্রীভগবতগীতায়াং সপ্তমাধ্যায়ে চতুর্দ্দশ শ্লোকঃ— ৭।১৪

শ্রীভগবতগীতানন্থ ৭শুবা অধ্যায়গী ১৪ শুবা শ্লোকতা হায়—

দেবী হ্যেষা গুণময়ী মম মায়া দুরত্যয়া।
'মামেব যে প্রপদ্যন্তে মায়ামেতাং তরন্তি তে।

ঐগী গুণ তেল্লবী দেবী মায়া মাবু লাঙ্থোকপা যায়া লুই। ঐঙোন্দা চংজরবা মাখোয়শিং অতুনা মায়াসিবু লাঙ্থোকপা ঙম্মি। করিনা ঐগী অকবনো হায়রবগী মা তাহ্রো সনাতন। মথক্তা মায়াদগী লাঙ্থোকপগী উপায় হায়ব্রে। অসিদগী লাকপদি কৃষ্ণ নীংবতনা মরু ওইবা মাকয়ি হাযবনি অতুদি কৃষ্ণদি কনানো? কৃষ্ণ ঐগী (জীবগী) মবুঙেঙানি, মাঙোন্দগী হেনবা মপু' মবুঙেঙা' কনা অমা লৈত্রে,— মাতনা কনবিনবা মশক্তি। কংকম থোক্লিবস্থ মাহাক্তনি, অতুদি কংনবা অতুগী উপায়দি, পাম্বেদি করিনো? - সাধন ভক্তিতনা মাবু কংনবগী লম্বীনি। [সাধন ভক্তি—ইন্দ্রি শিজিন্নরগা থোকপা ভক্তি হায়বদি শ্রবণ কীর্ত্তনচিংবা—তাবা শোনবনচিংবা ইন্দ্রিগী মরিদগী থোকপা ভক্তি অদুবু সাধন ভক্তি কৌই।]—

শ্রীমদ্ভাগবতা ৭।৫।২৩—২৪ শ্লোকশিং—

শ্রবণং কীর্ত্তনং বিষ্ণোস্মরণং পাদসেবনম্।
অর্চ্চনং বন্দনং দাস্যং সখ্যমাত্মনিবেদনম্॥
ইতি পুংসার্পিতা বিষ্ণৌ ভক্তিশ্চেন্নবলক্ষণা।
"ক্রিয়েত ভগবত্যদ্ধা তন্মন্যেঽধীতমুত্তমম্॥

বিষ্ণুগী নাম তাজবা, শকচবা, শোজবা, মখোং সেবা তৌজবা,

পুজা তৌজবা, খুরুমজবা, মনাই ওইনা, মরূপ ওইনা অমসুং মবুঙেঙ্গা ওইনা মশা কথোকপা মওং (লক্ষণ) মপাল অসিগী ভক্তি ভগবান্ বিষ্ণুদা লৈজবা অমসুং লৈজহনা চৎচবা মী অদুগী তমজবগী মহৈ য়াল্লে।

গুরুপাদদা চংজবা, মন্ত্র দীক্ষানচিংবা অমসুং নাম তাবা শোনবা, শকপা পুম্নমক সাধন ভক্তি মসুং চল্লি। মাসিসু অমুক বৈধী অমসুং রাগানুগা খেন্নবগী মতুং ইন্না অনি ওই — বৈধী অমসুং রাগানুগা,— বেদগী শাস্ত্রগী বিধি কায়দদনা সাধন তৌজবা অদুবু বৈধী কৌই। পামজবগী লল ওইবা, মাগী দমক্তা অকনবা খৌরাংবা, মাঙোন্দা অয়ুংবা (অকুংবা) পুক্নিং থিংজিনববু রাগ কৌই। মুংশিবা (স্নেহ) য়োমদা চংশিন্নরগনা অমুমসু হায় — মুংশিবা অদুনা অরাবসু মুংঙাইবা ওইবা অদু রাগনি — অদুগা মুংশিনবা (প্রণয়) না কুংথিবা মরমদা কৃষ্ণ শজনা চংবদা হেজিন্না অরাববু থম্মোইদা মুংঙাইবা ওইনা কাউবা অদুবুসু রাগ কৌই হায়। অসিগুম্বা রাগ নত্রগা রতি ভক্তিদা য়াম্না কন্না লৈবা অদুবু রাগাত্মিকা ভক্তি কৌই। রাগাত্মিকা ভক্তিবু ইন্দুনা তৌবা ভক্ত অদুবু রাগানুগ। (রাগ + অনুগা) কৌই। প্রেমদা পুক্নিং থিংজিনবগী লক্ষণ লৈবা অদুনা রতিনি। রতি অসিনা কুংশিন্নগা প্রেম ওই। ভগবান্গী হ্লাদিনী হায়রবদি মুংঙাইবাপীবী শক্তি অদুগী মরুওইবা শরুক অদুনা ভাবনি। ভাব অসিদগী প্রেম লাকই। প্রেম অসিনা রাংথৎ রাখৎলগা স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ, অনুরাগ, ভাব, মহাভাব ওই। স্নেহ—প্রেমনা হেনগৎলগা থম্মোইবু থোৎহনবা অদুবু স্নেহ কৌই। মান—স্নেহনা কুংশিন্নদুনা হেনগৎলকপদা অনৌবা নত্রগা মমাংদা কাউরবা মাধুর্য্য নত্রগা মহাও চুপহল্লরবদা পুক্নিংগী অচুম্বা অদু থাদোকদুনা তৌশিন্নবা অদুবু মান কৌই। প্রণয়—মাননা হেনগৎলকদুনা 'বিশ্রম্ভগী' কৌবম ওইরক্লবদি মাদুবু প্রণয় কৌই — বিশ্রম্ভ হায়বনা মুংশিনন্নিবা অদুগা পুক্নিং

থোক্নবা অহুবুনি। অনুরাগ—রাগ অহুনা হেনগৎলকপা, হুংশিন্নকপদা হুংশিথোইবা অহুবু মতম পুম্বদা কাউহনতা লৈরবহু নৌনতা থোকপা অহু অনুরাগনি। ভাব—অনুরাগ অহুনা মাগী আশ্রয় চুংকম অহুগী ওমথৈ য়োনা রাংথৎলকপা অহুনা ভাবনি ; হায়রিবশিং অসি প্রেমগী লীলা ওাক্তনি। ভাব অসিনা কুংশিন্নরগা হায়বদি রাংখৎ-লরগা ওমথৈগী অয়োইবা য়োবা অহুনা মহাভাব ওই। মাসিদি অতৈ কনাদা ওইদে ব্রজদেবীভদা কাউবনি। চু পাম্বীনা মথং [illegible] থাক কায়কপনা সিতামিশ্রি য়োরকপগুম রতিনা মথং মথং মহাভাব ওইরকই অমসুং থাকশিং অহু প্রেমগী বিলাস ওইবনা প্রেমনা পুরপ ওপাচিন্নি। সাধন অসিগী রাওনবা রাত্রবা প্রয়োজন-পোৎচংদি করিনো, প্রেমি। অসিদগী হেনবা কৃষ্ণ কংনবগী পোৎচং লৈত্রে।

অপাম্বা পুম্নমক্তগী লাম্হোক্তুনা শেংলবা কৃষ্ণ সেবাবু পুক্নিং লোংদনা ইক্লিনা তৌবা অহুবু ভক্তি কৌই। হরিভক্তি বিলাসনা অমুমসু হায়—হকচাংনচিংবা অতোপ অতোপ্পা হীরমশিংদা অপাম্বা, নীহোবা অমত্তা লৈরুদনা শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম থিংজিন্না পামজবা অহুবু ভীষ্ম, প্রহ্লাদ, উদ্ধব অমসুং নারদনা ভক্তি কৌই। ভক্তিগী মমক প্রেমগী হেনবা পোৎচং অমসুং কায়বা লৈত্রে হায়ত্রে। অসিনা রাংবদি পুরুষার্থ হায়বদি মী অমগী সাধন তৌজকম থোকপা [illegible] পুম্নমকী ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষগী কোকথকী মণিনি।

"কৃষ্ণ মাধুর্য্য সেবানন্দ প্রাপ্তির কারণ।
কৃষ্ণ সেবা করে আর কৃষ্ণ রস আস্বাদন
কৃষ্ণগী অথুম্বা সেবা হুংজাইবা পীবীনি।
কৃষ্ণ সেবা তৌহনা কৃষ্ণ রস চুপ্পনি॥

প্রেমনা কৃষ্ণ মাধুর্য্যবু চুপই। প্রেমনা কৃষ্ণ সেবা তৌই। প্রেমনা কৃষ্ণ

রস চুপই। প্রেম য়াউদনা, প্রেম লৈতনা কৃষ্ণ নীংবগী করিগুম্বা উপায় অমা লৈত্রে। অহুনা প্রেমতনা মহাললনি। প্রেমগী মপান্দা কৃষ্ণ ফংনবগী মওং মশক অমা লৈতে। মখাদা লাক্লিবা বারি অসিনা খুদম ওইনা পীরি।

লাইরবনা তংলবা ইমুং অমদা য়াম্না শিংলবা পূম্নমক থংবা নিপা অমা লাকই। মাহাক্না য়ুম্বু অহনা বাবা উরগা 'নং অস্রুক বারিবা করিগীনো? নংগী য়ুম্ফম অসিদা নপাগী লল য়াম্না ফুমহনা লৈরে। তৌথোক্লগা শেল ময়াম অসি লৌরগা নংগী লাইরবা কোক্লৌ।' তাবদা য়ুম্বু্না কদোমদা তৌগদগে হংবদা মাহাক্না খুম্মি— মথারোমদগী তৌরবদি খোইরেল থোক্লকনি, শেল ফংবা য়ারোই। মনীংলোমদা তৌরগা যক্ষ অমা থোক্লকু্না যৈথারবা থোকনি অমস্তুং ভূতনা তোংহনা লৈগনি, শেল লৌখৎহল্লোই। অরাংদা তৌরগা লিলজাও অমা থোক্লকু্না নহাকপু য়োৎকনি। নোংপোক্ক-দনি লৈরিবা শেল মপৈ অহু, খরতা তৌবদা নহাক্না নখুৎকা হেক্কা থেংনগনি।

অসিগুম্না কর্ম্মনা, জ্ঞাননা, যোগনা পীহনা নত্তে ফংগদবা ভক্তিতনা লমজিংহনা খবদং তৌবদা ফংগদবনি কৃষ্ণ-লল হায়বদি অতৈ মায়কৈদা হোৎনদনা, মাখোয়শিং থাদোক্কু্না ভক্তিগী মায়কৈদা তৌরগা কৃষ্ণ ফংগনি তাকপনি।

ঐছে শাস্ত্র কহে কর্ম্ম জ্ঞান যোগ ত্যজি।
ভক্ত্যে কৃষ্ণ বশ হয়, ভক্ত্যে তাঁরে ভজি॥

শাস্ত্র হায়স্তুম্না, কর্ম্ম জ্ঞান যোগ থা-না।
ভক্তিনা পুন্নি কৃষ্ণ, মাবু নীংবা ভক্তিনা॥

শ্রীমদ্ভাগবতকী ১১।১৪।২০ দা হায়—
ন সাধয়তি মাং যোগো ন সাঙ্খ্যং ধর্ম্ম উদ্ধব।
ন স্বাধ্যায়স্তপস্ত্যাগো যথা ভক্তির্মমোর্জ্জিতা॥

হে উদ্ধব ! মসুংলরা ভক্তিনা ঐবু লাকশিনবগুম যোগনা, সাংখ্য-জ্ঞাননা, ধর্ম্ম ভাকপনা, বেদ পাবনা, তপস্যা তৌবনা, লেপ্থোইবনা (ত্যাগ-খাদোকপনা) তৌবা ঙমদে।

মথক্কী থূদম্না উৎপদি মান। তৌরিবা 'কর্ম্ম' অহন্না হায়রবদি খোইরেলনা চিকপদা অকৌবা কংবা, অনাবা কংবগুম কর্ম্মদা মপূক থিংজিনবা জীবগী মথস মথা অয়াম্বা অরা অনাবনচিংবা থোরক-নিজাইদ্রি। দক্কী যোগনা লল থুম শংবদনি, লল অহু মশানা শিজিন্নবা ঙমদে, অতোপ্পদা পীবসু ঙমদে। অসুম্না যোগপী লম্বীনা যোগিশিংনা ভগবানবু কাউবা মথৈ কংই, অহুগা ভগবানগী মাধুর্য্য অহুদি কাউবা কংদে, অতোপ্পদা কাউহনবসু ঙমদে। অরাং লোমদনা অমুবা লিনজাওনা য়োংখিনি হায়রি। মাসি দৃগদৃষ্টান্তগী মতুংইন্না থা, নোংচুপ, অরাং মথংশিংনা কর্ম্ম, জ্ঞান অমসুং যোগ সাধন অহুম অসিবু লেপ্পি অহুগা খোইরেল দক্ক, লিল অমুবা থূদমশিং অসিনা স্বর্গ, মুক্তি, অণিমানচিংবা সিদ্ধিশিংবু লেপ্তুনা প্রমাণ ওইনা পীরি। নোংপোক্কী থূদন্না ভক্তিবু থংহল্লি অমসুং কংশিবা লল অহুবুনা কৃষ্ণসলবুনি থংগনি। কর্ম্ম তৌবনা কৃষ্ণ কংবা ঙমদে, খোইরেলনা চিকপগী চৈনাখোলগুম রাহুনগা তোকই। জ্ঞাননা শংবমথৈ শংলবা ব্রহ্মদা তিনখি। যোগ সাধন্না কৃষ্ণ কংদে, অমুবা লিলগী থরাজ্ঞা তাবা মীনা রাবগুম অরাবগী মশক ওইরবা অণিমানচিংবা সিদ্ধিশিং কংহুনা তোকই। অহুগা ভক্তি সাধনদি কৃষ্ণ কংই। অহুনা কৃষ্ণ, কৃষ্ণভক্তি, প্রেম থোইদোক হেন্দোকপা ললনি। বেদনচিংবা শাস্ত্র পুম্নমক্কা কৃষ্ণনা অথোইবা সম্বন্ধনি (কংনবা পোৎনি) হায়রি। মাসিগী ভাব কংজবদা মায়া মশানা অহুম মাংজখি।

শ্রীমদ্ভাগবতে ১১।১৪।২১

ভক্ত্যাহমেকয়া গ্রাহ্যঃ শ্রদ্ধয়াত্মা প্রিয়ঃ সতাম্

ভক্তিঃ পুনাতি মন্নিষ্ঠা শ্বপাকানপি সম্ভবাৎ ॥

সাধুশিংনা লুংশিজয়িবা আত্মা ঐনি, থাজবা ভক্তিতনা ঐবু কংই। ঐগোম্মা পুক্নিং থিংজিপ্পবা অছুবু ভক্তি কৌই। ভক্তি অসিবু লৈরবদি চণ্ডাল কাণবা পোকপগী দোষ অছুদগী কোক্না শেংঙি।

"গৌণ মুখ্য বৃত্তি কি অন্বয় ব্যতিরেকে।
বেদের প্রতিজ্ঞা কেবল কহয়ে কৃষ্ণকে॥"

গৌণ মুখ্য রাকম অন্বয় ব্যতিরেক্তা।
বেদনা লেপ্লিবা ওইবনি কৃষ্ণতদা॥

মাসিদা গৌণগী রাকম্না পোৎখনবগী রার্কাম্ন অছুগা মুখ্য রাকম্না তৌদবা রাত্রবা কংনিংঙিবা অছুবু কংনবা সাধনবুনি। মা লৈরগা লৈবা অছু অন্বয়নি, মা লৈত্রগা লৈতবা অছুনা ব্যতিরেকনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈপাক্কী চকু থোকই অছুগা সনা লৈবনা নাইনগী লৈনবা ওই, অছুনা মাসি অন্বয়নি। অছুগা লৈপাক্কা সনাগা লৈত্রবদি চকুগা নাইনগা লৈগোই অছুনা মাসি ব্যতিরেকনি। অসুম্না মরম পুম্নমক্কী মরম ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণ লৈবনা জগৎ লৈবনি, মাহাক লৈত্রগনা জগৎ লৈরোই। অর্থ অসি বেদনচিংবা শাস্ত্র পুম্নমক্কা মকম অমদা গৌণ বৃত্তিদা অমদা মুখ্য বৃত্তিদা, করিগুম্বদা অন্বয়দা, করিগুম্বা অমদনা ব্যতিরেকতা অসিনচিংবাশিং অসি লৌরক্নুনা কৃষ্ণতবু সম্বন্ধ (কংনবা পোৎ) নি হায়রি।

শ্রীমদ্ভাগবততে ১১।২১।৪১-৪৩

কিং বিধত্তে কিমাচষ্টে কিমনূদ্য বিকল্পয়েৎ।
ইত্যস্যা হৃদয়ং লোকে নান্যো মদ্বেদ কশ্চন॥
মাং বিধত্তেঽভিধত্তে মাং বিকল্প্যা পোহ্যতে হ্যহম্।

শ্রীমদ্ভাগবতকী ১১।২১।৪১-৪৩ দা হায়—

বেদকী কর্ম্মকাণ্ডদা শীরিবা নিয়ম, দেবতাকাণ্ডদা কোংদোক্লিবা অছু,

জ্ঞানকাণ্ডদা মরম পুৱোক্তনা তর্ক তৌরিবা পুম্নমকী মরু হুনখ্রবা অদুদি ঐ নত্তনা কনানসু খংদে। অশেংবদি কর্ম্মকাণ্ডনা হৌনবনি হায়রিবা ঐবুনি। দেবতাকাণ্ড ঐনা কোংবনি অদুগা জ্ঞানকাণ্ডদা তর্কনা যুক্তি তৌদুনা লেপ্পিবা ঐবুনি।

[বেদগী কর্ম্মকাণ্ড, দেবতাকাণ্ড অমসুং জ্ঞানকাণ্ডগী মরু ওইবা রা ভগবান্‌নি]।

লল কংলগা করি কাইরে ? নুংঙাইবা কংই, নুংঙাইবা অদু কংলগা লাইরবগী অরাবা মাংখ্রে। অদুনা লল কংবগী মরু ওইবা হায়বদি মুখ্যাকল নুংঙাইবনি। অদুগা লাইরবা মাংখিবনা মশানা ইঙ্গরকপা মহৈনি। অদুগুম্বদুনা সাধন ভক্তিগী মহৈনা প্রেমনি—প্রেম অদু কংলগা কায়বা করিনো ? প্রেম কংলগা কৃষ্ণবু চুপচবগী নুংঙাইবা কংই। অদুগা নুংঙাইবা অদুদগী সংসারগী নুংঙাইবগী রা মাংখি। সংসারগী নুংঙাইবা মাংখিবা মশানা ইঙ্গরকপনি। অদুনা কৃষ্ণ প্রেমগী নুংঙাইবনা মরু ওইবা মুখ্য প্রয়োজন (মসুং মপানগী পোৎচং) নি। বেদ শাস্ত্রদা সম্বন্ধ, অভিধেয়, প্রয়োজন হায়রিবা অদু 'কৃষ্ণ,কৃষ্ণভক্তি প্রেম 'তিন মহাধন' বুনি। মথক্তা আদি ৭গুবা মতাংদসু হায়রে— শ্রীকৃষ্ণ সম্বন্ধনি হায়বদি প্রমাণ তৌনিংঙিবা পোৎ অদুগা অদুবু খংহল্লিবা অনিগী পুনকম মরী—সম্বন্ধনি ; শ্রীকৃষ্ণভক্তি অভিধেয়নি হায়বদি তৌদবা য়াদবা কংনবগী সাধননি। প্রেমনা প্রয়োজন হায়বদি মসুংদসু মপান্দসু ভগবৎকা থেংনজবা উজবা হায়বা রাকম অদুম বেদান্ত সূত্রদা প্রমাণ তৌরবনি হায়না ব্যাখ্যা তৌই। মুখ্য সম্বন্ধ অসি থোকপদগী মায়াগী অপুনবা পুম্বা মাংখি। অদুনা ভক্তিনা কৃষ্ণ কংনবগী উপায়নি। শাস্ত্র পুম্নমক্না মাসিবু অভিধেয় কৌই।

সনাতন হৌজিক কৃষ্ণতত্ত্ব তায়ো।—

অদ্বয় (অনিতত্রবা), জ্ঞান তত্ত্ব অদু কৃষ্ণতত্ত্বনি। মাগী মায়বা অতোপ্পা পোৎ অমা লৈত্রবা অদ্বয়নি—মাসিনা করিতত্ত্বা

পোৎ মত্থাপা পাঞ্জল ভাইদনা মতোমতদগী পাংথোকচবা (সিদ্ধ ওইবা) ওয়া 'স্বয়ংসিদ্ধ' —অহুবু থংই। মাহাক্কা চাংদম্নবা কনা অমতা লৈতে। জ্ঞানগী অর্থনা সৎ, চিৎ, আনন্দনি — 'সত্যং জ্ঞানমানন্দং ব্রহ্ম'। সত্যনে জ্ঞাননে আনন্দনে অসিনা পূনবা অহু ব্রহ্মনি। অহুনা সচ্চিদানন্দসে কৃষ্ণগী মশক্তি।

সর্ব্ব আদি সর্ব্ব অংশী কিশোর শেখর।
চিদানন্দ দেহ সর্ব্বাশ্রয় সর্ব্বেশ্বর॥

হৌকন থাইকম কিশোর মকোক্নি।
চিদানন্দ হকচাং খ্বাই চংকম মপুনি॥

ব্রহ্মসংহিতানা হায় —

ঈশ্বরঃ পরমঃ কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দবিগ্রহঃ।
অনাদিরাদিগোবিন্দঃ সর্ব্বকারণকারণম॥

কৃষ্ণ থোইদোক হেন্দোকপা ঈশ্বরনি।
মাহাক সৎ চিৎ আনন্দ মূর্ত্তিনি। হৌরককম থংদবা
অমসুং থংবা মাহাক্নি মরমদি মরম পূন্নমক্কী মরম গোবিন্দ মাহাক্নি।

'স্বয়ং ভগবান্ কৃষ্ণ গোবিন্দ পর নাম।
সর্বৈশ্বর্য্য পূর্ণ যার গোলক নিত্যধাম॥'

কৃষ্ণ ভগবান্‌মক্নি, গোবিন্দ অতৈ মিংনি।
মতিক পুম্বা পুম্বা গোলোক মাগী নিত্যধাম্নি॥

শ্রীমদ্ভাগবতনা ১।৩।২৮ দা হায়—

এতে চাংশকলাঃ পুংশ কৃষ্ণস্তু ভগবান্ স্বয়ম্।
ইন্দ্রারিব্যাকুলং লোকং মৃড়য়ন্তি যুগে যুগে॥

মাথোয় পুন্নমক (তারবা তাদবা অবতার পুন্নমক)
পুরুষগী শরুক নত্রগা শরুক্কী শরুক্নি। কৃষ্ণতনি
ভগবান্‌দি। মাহাক্না দৈত্যশিংনা ওৎপিয়বা জগৎপু

মাহাক্কী অবতারশিংনা কনবিচনা যুগ যুগ থুদিংদা
মুংঙাইবা পীবি।

জ্ঞান, যোগ, ভক্তি সাধন অহুম অসিনা মানা মানা পুরক্নিবা ব্রহ্ম, পরমাত্মা অমসুং ভগবান্ মওং অহুমসি ওইনা কোংই। ব্রহ্ম মাহাক্কী হকচাংগী মঙালগী মশক্তি।—সুমিৎপু শউলগী মিৎবা মঙাল মতুমগুম উবগী মওংনি। পরমাত্মা কৌরিবা অহু কৃষ্ণ অহুগী অংশ (শরুক মচেৎ) অমতনি। আত্মাগী আত্মা ওইরিবা অবতার পুম্বগী থোককম—অবতার ওইরককম ওইবা কৃষ্ণনি—'আত্মার আত্মা হন কৃষ্ণ সর্ব্ব অবতংস।' ভক্তিদা ভগবান্‌বু ফাউজবা মপুং ফাবনি। অসুম্না(অমতনা)মশিং খংজ্রবা মশক ময়াম ওইরিবা বিগ্রহ অমতননি।

শ্রীমদ্ভাগবতনা ১০। ৪। ৫৫ দা হায়—

কৃষ্ণ মেনমবেহি ত্বমাত্মানমখিলাত্মনাম্।
জগদ্ধিতায় সোঽপ্যত্র দেহীবাভাতি মায়য়া॥

কৃষ্ণ অসি আত্মা পুম্নমক্কী আত্মানি হায়না খংউ। জগৎকী মঙ্গলগী দমক থোইদোক হেন্দোকখ্রবা পুরুষ ওইরবসু মাহাক্না যোগ মায়াদা থুপ্লহনা চুম্নগী মীওইবগী মশক অমা লৌরগা ফোংবিরি। শ্রীমদ্ভগবদ্গীতানা ১০। ৪২ দা অমুক হায়রি—

অথবা বহুনৈতেন কিং জ্ঞাতেন তবার্জ্জুন।
বিষ্টভ্যাহমিদং কৃৎস্নমেকাংশেন স্থিতো জগৎ॥

শ্রীমদ্ভগবদ্গীতা ১০। ৪২। দা শ্রীকৃষ্ণনা—অর্জ্জুন অমমমতা খংবনা কান্নবা করিনো? ঐগী অংশ অমতনা জগৎ থুংনা শিন্দোক্লনা থম্লিবনি—তাকপীখি।

অবতার সব পুরুষের কলা অংশ।
কৃষ্ণ স্বয়ং ভগবান্ সর্ব্ব অবতংশ॥
অবতারশিং পুরুষগী কলা অংশনি।
অবতার মকম কৃষ্ণ ভগবান্দুনি।

লোইকম লেপকম খংন্নবা কৃষ্ণ মওং অহুম থোক্না খাইদোকই—ব্রহ্ম, পরমাত্মা, ভগবান্ হায়না। কৃষ্ণদি নিরাকারনি। মাহাকী মূর্ত্তি মশক মতৌ থেন্নকম, লেপকম খংদবা, করম্বা মওংনি হায়বা ঙমদবনি। [সম্মোহিণী তন্ত্রনস্থ হায়রি—

অনন্তো নির্গুণো নিত্যো নির্ব্বিকল্পো নিরঞ্জনঃ।
নিরাধারো নিরাকারো নিরাভাসো নিরাশ্রয়ঃ॥

মাগী ঙমথৈ খংদবা মায়াগী গুণনা মাবু শোকপা ঙমদবা, অয়েপ্পা কায়হন্দবা, অঙকপা লৈতবা, অমকপা য়াওদবা, মানা তুংঙ্নবা লৈতবা মশক লেপকম খংদবা, মাগা মান্নবা লৈত্রবা, মাবু চংজকম পীবা ওম্বা লৈতবা মাহাক্নি।

গীতাদা অর্জ্জুন্না বিশ্বরূপ দর্শন কংথিবগী মশক মওং অদু তন্ত্র অসিনা হায়রিবা অসিনি। মাহাকী মশক করিনো, মওং করিনো কয়া পাকই, শাংই, রাংই খংকম য়াওদবা, খংঙমদবা মওং মশক য়াওকম খংদবা অদু কৃষ্ণনা ওইবা নিরাকারনি। কৃষ্ণনা খাইদোকইবা শককম অহুম অসিগী ব্রহ্মনা নিরাকার ওইনা লৈরে; পরমাত্মানা মশক নাইরে অদুবু মাগী খোংলোই খোংবু কনা য়াওদে মতোমতথক লৈবনি অমসুং ভগবান্গী খোংলোই খোংবু লৈ, লীলা বিলাস লৈ অদুগা মশাস্থ সাকারনি—মশক নাইবনি। অদুনা জ্ঞান সাধকশিংগী মকমদা মাহাক ব্রহ্মনি, যোগ সাধকশিংদা পরমাত্মানি অমসুং ভক্তি সাধকশিংদা ভগবান্ ওইনা কাউই। পুম্নমক অসিগী মসুংদা মীওইবগী শককম লৌহুনা লেংঙকইবা কৃষ্ণদো। মাহাক্না পুম্নমক্তগী থুম্বা, মুংশিবা, মীওইবগী মুংশিজনকম ওইবা শককন্নি। লাইবকক্কবী

পৃথিবীনা মাগী শায়কম ওইজে, অদুগা লম্মুক্ত্রবা মীওইবগী—সাধু সঙ্গগী কৃপানা লমজিং মৈয়া ওইরি ।

ভগবানগী মশক অহুম্নি। স্বয়ংরূপ, তদেকাত্মরূপ অমসুং আবেশ । মওংশিং অসিনা ওইহুনা মাহাক্না লৈরক্লি ।

'স্বয়ংরূপ, তদেকাত্মরূপ আবেশ নাম।
প্রথমেই তিনরূপে রহে ভগবান্।'

স্বয়ংরূপ, তদেকাত্মরূপ আবেশ কৌনা।
অহানবদা শক'হুম্না লৈ ভগবান্না।

ফনাদগী করিগুম্বা অমা লাক্লিংঙাই লৈতবা মশাগী শকফম অহুমক্না ফোংবা অহু স্বয়ংরূপনি। শকফম অহুনা স্বয়ংরূপকী অতোপ্পদি নত্তবা অহুদা মওংদা মতৌদা কিজেত্তা শাজংতা তোপ্পা উবা মাহাকপু তদেকাত্মরূপ কৌই হায়বদি মৎস্যানচিংবা লীলা অবতারশিং। ভগবান্না মাহাকী জ্ঞান, শক্তিনচিংবগী শকক্না কনা জীবদা চংবা অহুঙম্না মকোকথোংবা জীব অহুবু আবেশ কৌই। স্বয়ংরূপতা অনি অমগা লৈরি—অমনা মশামক—স্বয়ং, অহুগা অমনা ফোংবা—প্রকাশ, স্বয়ংরূপ কৃষ্ণনি, ব্রজদনা গোপ মূর্তি ওইবহুনি।—'স্বয়ংরূপে স্বয়ং প্রকাশ দুইরূপে স্ফূর্তি। স্বয়ং এক কৃষ্ণ ব্রজে গোপমূর্তি ॥' স্বয়ং মূর্তি অমথক্তনি—মাহাক্তি অহোংবা অমাংবা ওম্বোকপা নাইদে। মাহাক গোপবেশ থোনবা, বেনুবাঁশি পাইবা নটবর, ব্রজেন্দ্রনন্দন ইবথংলকপা মপুং ফাবগী মশক্তদা ওইবা স্বয়ংরূপনি। [অককপা ফক্তবা, অঙৌবা, অশংবা, নাপু, অঙাংবা মচুনচিংবনা মকম চানা চানা হাপ্পুনা লংলবা অমসুং কুম্মৈগী মওং ওইনা শেম্বা কিজোলবু নটবরবেশ হায়না খংনৈ]। মূর্তি অমতনা মকম অয়াম্বদা মতম অমতদা ওইবা অহুবু প্রকাশ কৌই, খুদমদি—রাসকী মতমদা কৃষ্ণ অমগা গোপী অমগা লেপমিন্নহুনা শায়খিবা অমসুং মতম অমতদা

অতোপ অতোপ্পা মকমদা ইবেম্মা ময়াম লুহোংখিবা প্রকাশকী খুদম্নি। গোপী খুদিংগী কৃষ্ণ অমমম, ইবেম্মা শিশিং তরাতরুক্কী লুহোংবদা কৃষ্ণ মশিং শুনহনবা অহুবু প্রাভব প্রকাশ কৌই। অহুগা স্বরং-রূপকী হকচাংদা অতোপ্পা বর্ণ (মচু) না ওইবা অহুনা 'বৈভব প্রকাশ' কৌই। খুদম্মা বলরাম। মচুতা থেন্নবনি, অতৈদি কৃষ্ণগী কৃষ্ণ অহুনি—'বৈভব প্রকাশ কৃষ্ণের শ্রীবলরাম। বর্ণ মাত্রভেদ সব কৃষ্ণের সমান।' দেবকী মচা অহু বৈভব-প্রকাশ নি। পাম্বোম অনিগী ইবুঙ্ঙোনা মরি পালুরিবা অহুননি। পাম্বোম অনি পানবা শককমগা করি থেন্নদবা মরমদগী দ্বিভুজ ওইরিবহুনা প্রাভব প্রকাশনি অহুগা চতুর্ভুজ ওইরিবা অহুনা বৈভব ওইনা শান্নবা লীলানি। স্বয়ংরূপতা গোপ-বেশ থোক্লি, গোপনি তাকই। বাসুদেবগী ক্ষেত্রিগী বেশনি অহুদা ক্ষেত্রিগী ভাব উংলি। স্বয়ংরূপ অহুনা মাধুর্য্যদা খাইগী মথক্লি।

ভক্ত্যে ভগবানের অনুভবে পূর্ণরূপ
একই বিগ্রহ তাঁর অনন্ত স্বরূপ ॥

ভক্তিদা ভগবান্ কাউই মপুংফানা।
মাগী শক মশিং থংদে মূর্ত্তি অমতনা ॥

ভক্তিদা ভগবান্গী মপুং ফাবা শকফম্মা কাউহল্লি।

কৃষ্ণনা শান্নবা লীলা মকম অহুমদনি—গোকুল, মথুরা অহুগা দ্বারকা। অমুম্না মথুরাদা কেশব, নীলাচলদা জগন্নাথ, প্রয়াগতা মাধব, মন্দারদা মধুসূদন, আনন্দারণ্যদা বাসুদেব, বিষ্ণুকাঞ্চীদা বিষ্ণু, হরিদ্বারদা হরি—ভক্তশিংগী দমক্তা মথল মথা ওইনা ফোংবি।

সব্বত্র প্রকাশ তাঁর ভক্তে সুখ দিতে।
জগতের অধর্ম্ম নাশি ধর্ম্ম স্থাপিতে ॥

ভক্তনা নুংঙাইনবা মানা ফোংবি থুংনা।
জগৎকী ধর্ম্ম শেম্বিবা অধর্ম্ম মাংহন্না ॥

থা তরানিথোইগী লাই মশক তরানিথোইনি। হিয়াঙৈদা কেশব, পোইনুদা নারায়ণ, য়াকচিংদা মাধব, কাইরেলদা গোবিন্দ। লমতাদা বিষ্ণু, শজিবুদা মধুসূদন, কালেন্দা ত্রিবিক্রম, ইঙাদা বামন। ইঙেন্দা শ্রীধর, থৱান্দা হৃষীকেশ, লাংবন্দা পদ্মনাভ, মেরাদা দামোদরনি। [মেরাদা থাওমৈ কন্তুনা চিংখৎপদা দামোদর শোন্দুনা মেরা রা মতোন্দা' কৎনরকই।]

হকচাং কায়াদ তরানিথোইগী শেমহৌনা নাম তরানিথোই শোন্দুনা চন্দন মকমশিং অহ্ মথং মথং শোক্তুনা মূর্ত্তি তরানিথোই ধ্যান তৌগনি। লাইবক্তা চন্দন থিনবদা কেশবপু ধ্যান তৌগনি। পুক্তা নারায়ণ, থবাক্তা মাধব, খৌরি অকুৎপদা গোবিন্দ, য়েৎ থংবা পুক্তা বিষ্ণু, য়েৎথংবা পাম্বোমদা মধুসূদন, য়েৎথংবা লেংবান্দা ত্রিবিক্রম, ওইথংবা পুক্তা বামন, পাম্বোম ওইদা শ্রীধর, লেংবান ওইদা হৃষীকেশ, নংগন্দা পদ্মনাভ অমসুং খ্বাংদা দামোদরবু ধ্যান তৌগনি।

কৃষ্ণদগী ওইরকপা অবতার মশিং থিঙমদবনি। কনানা মশিং থিবা ঙমগ্রবনি। ঙমগ্রোইদবনি। মনা কুংনা পাল্লবা উগী মশা মরক্তা থা মচা মচা উবগুম কৃষ্ণ অমতনা মাগী লোইবা নাইদ্রবা লীলাগী দমক মশিং খংদ্রবা অবতারগী শককম্না কোংই।—

অনন্তাবতার কৃষ্ণের নাহিক গণন।
শাখা চন্দ্রন্যায় করি দিগ্‌ দরশন॥

লোইদ্রবা কৃষ্ণ শক্লোল ঙমদে থিবা।
উশালক্তা থাগুম মায়কৈতনি উৎপা॥

[অবতার—জগত সংসারগী থবক্তী দমক স্বয়ংরূপনচিংবনা উৎলবা অহ্ অবতার কৌই। (১) মাহাক ঈশ্বরগী শক্তক ওইবা অমসুং প্রকৃতি, সত্ত্বনচিংবা গুণশিংগী মতৌ ওইহনা প্রকৃতিদা য়েংবনচিংবা

তৌবা, মপু অমসুং অবতার ময়াম্বগী মশক ওইবা মাহাকপু পুরুষ কৌই। (২) শান্নবগী দমক তৌবা অবতারবু লীলা অবতার কৌই। (৩) বিশ্বগী সৃষ্টি, স্থিতি অমসুং পালন—শেম্বা, লৈহনবা অমসুং ভাকপগী দমক সত্ত্ব, রজ, তম গুণশিংগী মপু ওইনা তৌবা অবতার (ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব) গুণাবতার কৌই। (৪) মন্বন্তর খুদিংগী অবতার তৌবা অদুবু মন্বন্তরাবতার কৌই। (৫) যুগ খুদিংদা তৌবা অবতারবু যুগাবতার কৌই। (৬) মতিক চাবা কনা জীবদা ভগবান্গী শক্তি চংবা অদুবু শক্ত্যাবেশ অবতার কৌই।]

অবতারশিংগী য়ার্রী ময়াম তাব্রকপদা সনাতন্না হংলকই 'প্রভু হৌজিক কলিনি। কলি অসিগী অবতারদি কনানো? কয়ম্না খংগদগে?' প্রভুনা খুম্মি 'অবতার অতৈ শাস্ত্রনা তাকপা মতুং ইন্না খংই, কলিগী অবতারসু শাস্ত্রগী মতুং ইন্না খংগদবনি। অবতার অদুনা মাহাক্না তৌরকইবা অবতার অদু ঐনি.ঐনি হায়না লাউথুনা চংলোই, খুদম্না ওইরিবা য়েংলগা, খল্লগা লেপকদবনি।' সনাতন্না খুম্মি 'মচুনা নাপু ওইবা, পোকপগা কীর্তন হৌদোক্লবা অমসু প্রেম পীনরিবা মাহাক কলিগী অবতারনি। চুম্মি চুমদে তাকপীয়ু প্রভু। অশেংবা তাকপীয়ু। চিংনবা পূম্বা কোকচরগে। প্রভুনা হায়রকই 'হৈয়ন শিংমনগনু সনাতন। কৃষ্ণগী অতৈ য়া তারো।'

ব্রজলীলাদা ইবুঙো শ্রীকৃষ্ণনা বাল্য অমসুং পৌগণ্ডগী শরুক্ম লৌথি অমসুং লৌথুনা শান্নখিবা লীলা কয়ানি। বাল্য কৃষ্ণ অমসুং পৌগণ্ড কৃষ্ণ নিত্য স্বরূপনি--লেংঙ্গবা হোংঙ্গবা কৃষ্ণগী নিত্য স্বরূপনি। [বাল্য—চহি মঙা কাওববু বাল্য কৌই। মঙাদগী তরা কাওবনা পৌগণ্ড অদুগা তরাদগী তরামঙা কাওবনা কৈশোরনি]। বাল্যলীলা মরূপকী য়া য়াওদে, মধুরসু য়াওদে, অদুগা পৌগণ্ডদসু মধুরগী ভাব য়াওদে। কৈশোরতদা ভাব পূম্নমক্না পুল্লি। নিংথিজবা অথুম্বা রসনা থনবা গুণ পূম্নমক মপুংফানা, থম্না য়োম্লিবা কৈশোরদনি।

কৈশোরগী মকোক ধর্মী না ব্রজেন্দ্রনন্দননি। [গুণ পূর্ণমক্কা পূনববু 'ধর্মী' কৌই।] অদুনা গুণ পূর্ণমকী তুংকম ওইরিবা কৈশোরগী ভক্তিতনা থাগৎকম ওই। কৈশোরগী মথাদদি প্রৌঢ় (মীরাম্ন চনবা) বার্ধক্য (হমুবা) গী লীলা লৈতে। কৃষ্ণদি কিশোরতা ওইদুনা লৈবনি। কৈশোরনা লেংদনা লৈবনা রাসনচিংবা, লীলা শাস্ত্রে —'রাস আদি লীলা করে কৈশোরে নিত্য স্থিতি।'

পূর্ণ, পূর্ণতর অমসুং পূর্ণতম — হায়বদি কৃষ্ণগী মপুংফাবা, মপুং ফেন্না ফাবা অমসুং মপুং থাইদগী ফেন্না ফাবা স্বরূপ-মওংদি -- দ্বারকাদা পূর্ণ (মপুং ফাবা), মথুরাদা ফেন্না ফাবা অমসুং ব্রজদা থাইদগী ফেন্না ফাবা রূপ ওই। মও' অদুম অসিগী চাওদি মনাইশিংগী মফমদা প্রেম ফোংবিবগী মতুং ইন্না মাসিগী বিচার তৌই। দ্বারকাদা খরতনি মথুরাদা খরা হেল্লি, ব্রজদনা পূমহেন হেল্লি। ব্রজগী কৃষ্ণদো অদুতনা পূর্ণতম্নি—'এক কৃষ্ণ ব্রজে পূর্ণতম ভগবান্।'

কৃষ্ণগুণদি ঙমথৈ লেপ্পিডাঙ্ক খংদে। লোইকম থিবা ঙমদে। কৃষ্ণ মশামক্তসু মশাগী মগুণগী লোইকম খংদে। অনন্তদেবনা মচিল লৌশিংনা মগুণ শক্ক্রিবা হৌরককম খংদ্রবা মতমদগীনি অদুবু হৌজিক ফাওবা লোইবা ঙমদ্রি। মাহাক মগুণ অমৃত ঈপাকী মরিক অমা ফাওবা পুক্লিংনা, হকচাংনা চিন্না খংজবা, শোকচবা ঙমগদবা নত্তে। কৃষ্ণগা মান্নবা কনাসু লৈতে, মাহোন্দগী রাংখৎনবা কনা অমত্তসু লৈতে। অদুনা মাহাকপু মামুক রাংবা লৈতবা মাগা মান্নবা লৈতবা হায়রৈ।— 'তাতে বড়, তারসম কেহ নাহি আন।'

কৃষ্ণের ঐশ্বর্য্য অপার অমৃতের সিন্ধু।
অবগাহিতে নারিল তার ছুঁইল একবিন্দু॥'

কৃষ্ণ মতিক ঙমথৈ লৈতে—অমৃত ঈপাক্কি।
লুপ্পা ঙমদে মরিক থক্কা শোকপনি॥

অদুনা কৃষ্ণনা মশাগী ঐশ্বর্য্য, মাধুর্য্য মশানা চুপচরি।

কৃষ্ণগী মতিক্কী মগুণগী ৱা হায়ৱক হায়ৱকপদা প্রভুগী লোল মকা লায়ৱক্লে, অহুগা পুক্লিংনা লুপগ্রে মাধুর্য্যদা। কৃষ্ণগী মর্ত্ত-লীলাগী মমুং হুনবা মৱম য়াওৱক্লে। কৃষ্ণগী লীলা পূম্নমক্কী মম্ন দা মীওইবগী লীলা অসিনা ইথোইথোইবনি। মাহাক্কা লৌৱিবা অঙ্গ অসিনা লৈতেংগী লৈতেংনি। থোনবনা যজ্ঞেন্নাহাগী ফিজোলনি-কোয়ৱিবনা যজ্ঞেন্নবগী মপোৎ মচৈনি। খুৎতনা বাঁশি, কোকথক্তা চূড়া-ৱাহোং মতুগী চূড়া, থবাক্তনা লৈপরেং, খজাইদা লাইবক্তা থোইথোইনা চোম্থরক্লা শেম্নবা শম্নাক্তা চন্দন্না মম্বা মাসিবু 'অলক-তিলক ভালে' হায়

য়েংউ সনাতন, শক অহুগা চাংদম্নবা করি, কনা লৈ। চাংদম্ন-কম লৈত্রবনি। শককম অসিনা চীংলোইদবা মথৱাই পানবা করি, কনা লৈরি। জীব পূম্নমক—মথৱায় পানবা খুদিং মাখোয়মত নত্তনা উরি, ৱারি, উ ৱানচিংবা পূম্নমক মাহাক্লা চীংশিন্দবা লৈতে চীংশিল্লি-বনি মতম পূম্নমক্তা।—

'কৃষ্ণের মধুর রূপ শুন সনাতন,
যে রূপের এক কণ, ডূবায় সব ত্রিভুবন,
সর্ব্বপ্রাণী করে আকর্ষণ।'

তাও সনাতন,কৃষ্ণগী রূপ থুমলবা।
রূপ অহুগী মরিক্লা থুক্কাল্লি মরোল অহুম্মা,
চংঙ্ক থৱায় পানবা পুম্বা॥

মণিগী মথক্তা মুক্তানা থাম্নবা, কজবা পূম্নমক্তা মথক্তা কজবনা থোম্নবা শক অসিনি ভক্তশিংগী থুপ্লবা লল, থম্মোইগী মিৎনা মতম পুম্বদা চেকশিন্না মাংখিনি কনা তত্তনা শেম্নরিবা রূপনি। মাগী শাথেক, অহুম, মেংনা কজবা ললিত ত্রিভঙ্গ মূর্ত্তি, মাগী পীগুমগী, মিৎচিগী থাইথোইনা লৈইরকপা মিৎকমগী মিৎয়েং, করি হায়নি সনাতন!

মশাগী মশক অসিদা মশাস্থ ঙকচরিবনি। অদুনা মশাবু মহাও ডংনিংবা মাস্থ নীংলিবনি, পাম্লিবনি।

মপুরোইবা নিংবদা মকোক থোংলবী কনানা মাখোয়দা চিংন-নিংঙাই ওইরবী বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশিংনস্থ কৃষ্ণদা চৌংশিনবীনি। অদুগা কৃষ্ণনা চৌংশিল্লিবী ব্রজগী গোপীশিং-মাখোয়গী প্রেমদি শেংলবা কামগী, অপাম্বগী মনম য়াওদ্রবা পোশক্নি অসিগুম্বী শেংলবা প্রেমগী মুংশিবীশিং অসিগনি কৃষ্ণনা শান্নরিবা রাসলীলা. অঙকপনি কৃষ্ণনা শান্নরিবা রাসলীলা. লীলা অসিনা মদন মপুক ফাওবা নৈথেকই। পুম্নমকপী শুম্বাৎনবা মশক ওইরিবা মাহাক অদুমকপুনি শুম্বাংলিবা। মতাং অসিদনি কৃষ্ণবু মদনমোহন কৌরিবা—গোপী থম্মোই দোলাই তোংদুনা মদনগী মন শুম্বাংলি অদুগা মমিংনা মদনমোহন লৌই— 'চড়ি গোপী মনোরথে, মন্মথের মন মথে, নাম ধরে মদনমোহন।' অমুকস্থ হায়রবদা

রাধাসঙ্গে যদা ভাতি তদা মদন মোহন:।
অন্যথা বিশ্বমোহোঽপি স্বয়ং মদন মোহিত:॥
কোটি মন্মথ সৌন্দর্য্য জগৎমোহন বিগ্রহ শ্রীগোবিন্দলীলামৃত
মন্দস্মিত তনো গোপীকা পরিবেষ্টিত ॥ শ্রীগোবিন্দলীলামৃত

রাধাগা নৈমিন্নবা মতমদা মদনবু শুম্বাংলি।
অদু নত্তবদা তেংবানবা শুম্বাৎলবস্থ মশাদি মদন্না শুম্বাংলি ॥
কোটি মদন্দগী ফজবা জগৎ শুম্বাৎপা মূর্ত্তি।
মোমোম্বা রূপ গোপীশিংনা কোইশস্বা।

কৃষ্ণনা ওইরিবা মওংদি মুক্তা পরেংনা উরোক পরেংনি, রাহোং মতুনা চুমথাং, সনাকিগে অঙাংবনা নোংথাং কুপ্পনি। কৃষ্ণনা অনৌবা নোংপুবা নৈচিন্নি, জগৎ-মহৈ মথক্তা লীলাগী অমৃত ঈরি চুবিরি—

'মুক্তা হার বকপাঁতি, ইন্দ্রধনু পিঞ্ছ ততি,
পীতাম্বর বিজুরী সঞ্চার।
কৃষ্ণ নবজলধর, জগৎ-শস্য উপর,
বরিষয়ে লীলামৃত ধার ॥'

উরোক পরেং মুক্তা লিক্লা, চুমথাং ব্রাহোং মতুনা,
অঙাংবা কিগে নোংথাং কুপ্পীরি।
নোংপুবা কৃষ্ণ লৈচম্না, জগৎ মহৈ থক্তা শিম্না,
হৈথবীরি লীলামৃত ঈরি ॥

ছন্দকী অসি নোংপুবা অনৌবা লৈচিম্নি' জগৎ-মহৈ জীবগী মথক্তা অমৃত নোং চুবিররি। অমুবা নোংপুবা অসিগী ব্রাহোং মতুশিংনা ঙাহাক্কী চুনথাং নক্তে তথক 'তথক লেংজবা নোংথাং ওইনা মতম খুদিং লেংদনা লৈ। রাজর্ষি ভগ্যচন্দ্রনা কৎচরম্বা কজেংলৈ নটবরবেশকী তথক-নোথাং অতুগী মশক্রি।

অতুগা সনাতন অসিমসু তাও মাধুর্য্য হায়বসি ভগবান্ অতুগী অরোইবা পন্থেং অসিনি ভাগবত্তা শন্দোক্লিবা ভগবান্গী থুম্নবা ব্রাহৈ-শিং। অতুনা ভাগবত তাকম থোকপনি, তাজহুনা জীব পুম্বনা ভাগবত্তা চংজগদবনি। অসিদগী জীবনা ভাগবান্দা মমার ওনশিন্নকপা ঙমজে, মমিং পাংজরকই, জ্ঞান কংলকই, ভাব তারকই। ভগবান্না লীলা অমৃত খিকথবিরকপা, চুথরকপা থেংনজবা কংই। মাধুর্য্যনা ভগবান্গী মচিনি। মাসিবু ব্রজদা শন্দোকপীরম্মি—'মাধুর্য্য ভগবত্তা সার, ব্রজে কৈল পরচার'।

কৃষ্ণমাধুর্য্যগী রা সুম সুম ভাংলকপদা প্রভুদা প্রেমগী বিকার লাক্লে ; সনাতনগী খুং পাইরহুনা মথুরা নগরীগী মগুণ থারক্লে। কৃষ্ণগী রসদা হায়বদি মথুরা নগরীগী মরোলদা প্রোকশিং থিরকলে।

গোপীশিংনা করি লাইনিংবু নিংখিবা, মতম পুম্বদা মমিৎনা কৃষ্ণ রূপকী অথুম্বা ললিত ত্রিভঙ্গরূপ—মেংলবা শাথেক অতমগী ফিরেপ চিঘান্দা থুম্লবা মুরলীধরগী মুরলী, তেংবানববু চৈংশিল্লিবা খোই খোইবা-মিৎয়েং ভঙ্গিবু চুপচহনা মথরায়-পুন্জি হকচাংবু খাইগী থক্তা থাঙ্গৎখিবা ?

'সখিহে ! কোন তপ কৈল গোপীগণ ?
কৃষ্ণ-রূপ-মাধুরী, পিবি পিবি নেত্রভরি,
শ্লাঘ্য করে জন্ম তনু মন ৷

সখি ! করম্মবু নিংখিবা গোপীশিংনা ?
কৃষ্ণরূপ অথুম্বা মমিৎ থন্না থকাখিবা ?
পুন্জি, মশা, মন রাওহন্না ? কবিরাজগী লোলদা|—

গোপীভাব গোপীতগী ভাব অদুগা কৃষ্ণগী মাধুর্য্য অশুকপনি অমনা অমবু মায়থিবা পীবা ওমদে। গোপীভাবনা রা খৎ রাংখৎলকপগা লোইন-লোইননা কৃষ্ণমাধুর্য্য লংখংলকই। অমরোমদা কৃষ্ণ মাধুর্য্যনা রাংখৎ-রাংখৎলগা গোপী ভাবশু অহুন অহুম লুবা, শেংবা হেনগৎলকই।—'ক্ষণে ক্ষণে বাঢ়ে দোঁহে কেহো নাহি হারি'

কর্ম্ম, জপ, যোগ, জ্ঞান, বিধিভক্ত, তপ, ধ্যানশিংদগী মাধুর্য্য ক ওমদে রাগমার্গদা অনুরাগদা কৃষ্ণ নীংজরবতদা কৃষ্ণ মাধুর্য্য লায়না ফংই। মুমিৎ থুদংগী অনুরাগতা লুপ্তনা নৌনা নৌনা কাউহনা, নৌনা নৌনা মশাদা থোক্লনা নাংজরগতা রাগমার্গ অসিতদা কৃষ্ণ-মাধুর্য্য চুপচবা ফংই। অস্রম্মা ভাবনা য়োমহনা তৌনা সেবাতনা মতেংান।

'কর্ম্ম জপ যোগ জ্ঞান বিধিভক্তি তপধ্যান,
ইহা হৈতে মাধুর্য্য দুর্ল্লভ।
কেবল যে রাগমার্গে, ভজে কৃষ্ণ অনুরাগে,
তারে কৃষ্ণ মাধুর্য্য সুলভ॥
কর্ম্ম জপ যোগ জ্ঞান, বিধিভক্তি তপধ্যান,
মাধুর্য্য কংবা অসিনা লুই।
রাগ মার্গদা চংলগা অনুরাগদা নীংলগা
মাঙোন্দা কৃষ্ণ-মাধুর্য্য ছোংই॥

কর্ণামৃতদা—

মধুরং মধুরং বপুরস্য বিভো-
মধুরং মধুরং বদনং মধুরম্।
মধুগন্ধি মৃদুস্মিতমেতদহো।
মধুরং মধুরং মধুরং মধুরম্॥

থুমই—খোহিদগীসু হেন্না থুম্মি কৃষ্ণগী ককচা"
থুমই—খোজিদগীসু হেন্না থুম্মি মাগী মায়থোং
ওহোকই! থুম্নবা মনম্না য়োম্নবা মোমোন মীনোক
থুমই থুমই থুমই থুমম—খ্বাইদগী পুমথুম থুম্ম।

সনাতন লাই খুদিংগী মন্ত্র অমসুং গায়ত্রী লৈবনি গায়ত্রী অরাইবা পোৎ নত্তে। চেকশিন্না মরু মুন্না খংগদবান। শোজরিবা শকচারিবা অহুবু কনাব হায়দুনা গায়ত্রী কৌই। মন্ত্র অমসুং গায়ত্রীনা পূজা তৌগদবনি। লাই খুদিংগী লৈবিবা গায়ত্রী শৃঙ্গাবরসগী মবুঙেঙা শ্রীকৃষ্ণগীসু লৈ। আদিরস—হংগন হানবা রস অসিগী হৌরককম কৃষ্ণনি। ইবুঙেঙানা সংসার শেম্নগে সৃষ্টি তৌরগে হেক নিংবদা শৃঙ্গার-রস মশানা অহুম থোক্লক্লে কৃষ্ণগী গায়ত্রী মমিং কামগায়ত্রী কৌই, মাহুদি—'কামদেবায় বিদ্মহে পুষ্পবাণায় ধীমহি তন্নোহনঙ্গঃ প্রচোদয়াৎ।' পাম্মজবা কংনংবা শংহনবা দমক কাম হায়রিবনি।

ক্লজবদা, থুম্বদা, শাম্নবদা, রসদা কৃষ্ণনা খাইদগী কংনিংবা পোৎনি। গায়ত্রী অসি জপ তৌরগা কৃষ্ণ কংনিংবা পোক্লকই, য়াম্না মুংঙাই-বগী ঈথক হৌরকই। অদুগা কৃষ্ণদি মাতদা ওইবা কনা অতৈদা ওইথোক্কবা 'নবীন মদন' নি—;নৌদনতা লৈবা মদননি। মাগী খোইথুম্নবা মীনোক্কী মায়থোং জীব পুন্সিগী লেংদনা লৈরবা উৎসবনি।

'সনাতন কৃষ্ণমাধুর্য্য অমৃতের সিন্ধু।

মোর মন সান্নিপাতি সব পিতে করে মতি,

দুর্দ্দৈব বৈদ্য না দেয় এক বিন্দু।'—

—সনাতন কৃষ্ণ মাধুর্য্যদি অমৃত ঈপাক্নি। ঐগী থম্মোইগী থুন্সাই শাংহৌন। লোইনবা থক্লিংই, সাইবকথিবনা মরিক অমা কাওবা পীবিদে মাইববা। চায়না প্রভুনা অমুক্কম্ন তাকপীরে। খৌরাং-গ্রবনি,- নিংজরিবদি মাধুর্য্য ঈপাক্ন অমৃত মরিক অমত্তা থাক্কনা পুম্ন থক্লিংইবনি। অদুগা সনাতন মাগী বাঁশি মখোল তারবরা? মখোল অদুদ করম তৌবগে হায়ববু তানিংদবা মীগী মনাকোংদম্নু লাক্নুনা থুংদৈ। অতাবা পুম্নবু ঙাওহল্লি, মনাক্তা নমহুনা চীংশিল্লি মরুওইনা মুগী কাংলুপ্ন, মখোল অদু শত্তা ঙাওগ্রে, মপুরোইবা নীংবীগী ব্রত থুগাংহবি, মপুরোইবগী তম্পাক্কী চীংহুনা পুবকই। বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশংবুম্ন মানা অমুন চীংশ ল্লবানং অদুদা গোপীশংনা হায়নরি, লক্ষ্মীশিংনা অমুম তৌবদা নারায়ণগী মথবাক থাদোক্কদবগী ঈরাং তৌরবদা গোপ নিঙোল ঐখোয়াদ করি ওগান! সনাতন, নংসি নরায়বক য়াম্না কবান কৃষ্ণনা নংবু য়াম্না চানবিরে। ঐবু যন্ত্র ওইহল্লগা থরায়বুনা ঙাওহল্লগা ঐগী ইচন্দগী মাগী ঐশ্বর্য্য অথুম্বা নংবু তাহল্লি। ঐদি অঙাওবন, করি হায়গে নীংলগা করি হায়-দোকখিবা মকম থংজ্রবনি। থংঙ সনাতন,—ঐ অঙাওবনি, হায়নি

হায়রোই খংত্রবনি। শ্রীগী ই.থাদি কৃষ্ণ মাধুর্য্যগী ঈচেলদা তাউহনা চংচবদনি।—

'আমিত বাউল, আন কহিতে আন কহি।
কৃষ্ণের মাধুর্য্য স্রোতে আমি যাই বহি॥'

সনাতন, হৌজিক্কি ভক্তি তত্ত্ব তারো।

করি পোৎনো মাঙোন্দগী কৃষ্ণ প্রেম-লম ফংবা য়াবা, মাহুদগী কৃষ্ণবু খংবা য়াবা অমসুং অহু খংলগা অতৈ অমা খংনবা লৈত্রবা?— কৃষ্ণ ভক্তিতনি অভিধেয় পান্দমকম ওইগদবা ফংনবগী দমক সাধন তৌদবা য়াত্রবা। কৃষ্ণভক্তিতনি তৌত্রবা য়াত্রবা নথো। ভক্তি হায়বদি করিনো? ভক্তি হায়ববু সেবানি। অহুদা তৌগদৌরিবা সেবা অহুদি নশাগী নুংঙাইনবা নত্তে, কৃষ্ণ নুংঙাইনবগী দমক্তনি। অসি নত্তবা অপাম্বা নত্রগা অচ্চা পূজা থাদোক্কদবনি। ইন্দ্র পুন্নমক য়াওনা কৃষ্ণগীতা নৈনগদবনি খনগদবনি অহুগী থুংলুকন্না কৃষ্ণ পেন্নবগী থোওং। কৃষ্ণতনবু পেনবিরবাদ বিশ্বজগৎ পেল্লে। [মহাভারতকী বনপর্ব্বদা হ্রথোশাগী মথুংতগী কনাবনবা কন লৈত্রবদা দ্রৌপদীনা মবুঙেও বু—'গোবিন্দ দ্বারক বাসিন্ কৃষ্ণ গোপীজন প্রিয়ো' হায়না সঙাপ বদা কৌজখিবা অমুকসু কৌজরক্লবদা কৃষ্ণ লেংঙক্লুনা চাক চাগে নিয়রে, দ্রৌপদিনা লৈত্রে হায়বমক্তদা চাকথোং চফুদা য়েংহনবদা মরু অমতং পক্লমহুনা অহু হারগা পেল্লহুনা থগেরক্লবদা সংসার পুম্বা পেনখি অহুদা দুর্ব্বাশাসু য়াওখিহুনা পাণ্ডবপু কীহুনা চেনখিবগী রা অহু অসিনি]। অহুনা কৃষ্ণ পেন্নবা হোৎনবা তৌত্রবা য়াত্রবনি।

কর্ম্ম, যোগ, জ্ঞান হায়বাশিং অসিবু 'ভক্তি মুখ নিরীক্ষক' ভাক্তগী য়াকা য়েংবা হায়না শিংথায় কর্ম্মসু, যোগসু, জ্ঞানসু হলে লৈতবনি —ভক্তি য়াওদবা কর্ম্ম, ভক্তি য়াওদবা যোগ, ভক্তি য়াওদবা জ্ঞান

পুন্নমক অরেম্বা, মহৈ কংজবা খৌচংনে -লৈহোম্বিবদি ভক্তিতনি। মাসিদা কর্ম্ম, যোগ, জ্ঞানগী মহৈস্থু শৈ, মায়াগী অপুনবদগীসু কোকপী। নিত্যমুক্ত—অকা অপুন কনা কৱি লৈত্রবা জীব অহুদি কৃষ্ণগী খোং-লোইনি। মাগী অরাবা কৰি লৈখিনি। চাক্তি কৃষ্ণচরণদা তত্তনা ওনশিল্লবনি, মাগীদি তত্তনা সেবা কংজবগী লেপত্রবা মুংঙাইবনি।

নিত্যবদ্ধ — অকা অপুন্না কৈরা' চন্নবা সংসারদা লুপ্নবা মাহাক্না কমদোবা? মাগীদি শাখিরবা খুদোং থিবনি। মাদি তত্তনা সংসারদা পুন্দুনা লৈরবনি কৃষ্ণদগী মমায় লৈথোকত্রবনি। অহুনা মাদি মতম শাংনা নরককী অরাবদা ওন্দুনা লৈরবনি। মাহাক অপাম্বা অশাও-বগী মথা পোল্লবনি। অরাবা অহুম—ত্রিতাপকী মৈশা লাংলিবনি, মায়ানা খুহুম চনখিহুনা তত্তনা চৈবাক ফংলিবনি—তত্তনা ওৎপিরবনি। অহাদ মাগীদি কৱি উপায় লৈত্রবরা? লৈ, মাগী উপায় লৈ।

মাগী উপায়দি সাধু-মাইবনে। কৱিগুম্বা মপোক অমদা মরাইবক ফহুনা 'সাধুসঙ্গ কংজরবা অহুগা সাধু অহনা চানবিহুনা কৃষ্ণভক্তিগী পাউতাক পীবিরবা অমসুং সাধুসঙ্গদগা কংজবা ভাক্ত অহুতদা মায়ানা লম্বী থাদোকনি সাধু, শাস্ত্র কৃপানা কৃষ্ণদা ওনশিঙ্গরবা জীব অহু কনবিরে, মায়ানা মাবু থাদোকপীরে—

'সাধু শাস্ত্র কৃপায় যদি কৃষ্ণোন্মুখ হয়।
সেই জীব নিস্তরে, মায়া তারে ছাড়য়॥'

অহুদগী মায়ানবু থাদোকুনা চৎপীথরবদি সংসারদা লুপ্নম্বা অহুসু চৎত্রে। কৃষ্ণভক্তিদা চংঙ্গহুনা হোৎনজরগা কৃষ্ণগী নাকা চংজরকই। কৃষ্ণ ভক্তি পোকপগী মরুদি সাধুসঙ্গান — কৃষ্ণভক্তি জন্মমূল হয় সাধু-সঙ্গ।' মমঙ্গ য়ামত্রবা লমনি সাধুসঙ্গ। কৃষ্ণ কংনবগী চাউনা ফাংপীবা লম্বীনি। অহুনা লম্বী অসি থাদোক্লোইদবনি।

ভক্তি রসামৃতসিন্ধুনস্থ (৩।২।৬)দা হায়—

অপাম্বা অশাঙবনচিংবগী অরানবা য়াথং মওং কয়া তাক্লুরে। অদুদা মাখোয়না ঐবু চানবিদরে। মাখোয় ইকায়বস্থ থংদে, লেপ্পস্থ লৈতে। হে যদুপতি! অদুনা মাখোয় থাদোকুনা, হৌজিক জ্ঞান তারকুবদা নঙোন্দা চংজরবনি। ঐবু ননাই ওইনা থম্বিয়।

'কৃষ্ণ সূর্য্যসম মায়া হয় অন্ধকার।
যাঁহা কৃষ্ণ তাঁহা নাহি মায়ার অধিকার॥'

কৃষ্ণনা সূর্যিৎকুম্বনি মায়ানা অমম্বা।
কৃষ্ণগী লৈব্কমদা মায়া ওমদে লৈবা॥

কৃষ্ণদা অমুক্তং ঐ নংগীনি হায়রুবদা মায়গী থৌরিদগী কৃষ্ণনা মাবু নাঙ্গোকহনবি। হরিভক্তিবিলাস ১১/৩৯৭ দা হায—অমুক্তা ওইরবস্থ 'ঐ নঙোন্দা চংজরবনি' হায়বা অসি হায়দুনা ঐবু পামজ-রবা ঐনা মাবু মতম পুম্বদা অকীবদগী কনবি—মাসি ঐগী ব্রতনি—অংপ্লান'

'ভুক্তি-মুক্তি সিদ্ধিকামী সুবুদ্ধি যদি হয়।
গাঢ় ভক্তি যোগে তবে কৃষ্ণরে ভজয়॥

শিংলবদি ভোগ মুক্তি সিদ্ধিপাম্বাশিংনা।
নৈংজে কৃষ্ণবু অকনবা ভক্তি যোগনা॥

শ্রীমদ্ভাগবত ২।৩।১০ দা—

অকামঃ সর্ব্বকামো বা মোক্ষকাম উদারধী:।
তীব্রেন ভক্তিযোগেন যজেত পুরুষং পরম্॥

অপাম্বা লৈত্রবা ভক্ত, পুম্নমক পাম্বা মাহাক নত্রগা মোক্ষতবু পামজ-বনা শিংলবদি কন্নবা ভক্ত যোগনা থোইদোক হেন্দে কুবা পুরুষবু নিংজৈ। অদুক্তস্থ ১০।১৫।৮ দা হায়,

শ্রেয়ঃ সৃতিং ভক্তিমুদস্য তে বিভো ক্লিশ্যন্তি যে কেবলবোধলব্ধয়ে।
তেষামসৌ ক্লেশল এব শিষ্যতে নান্যদ্‌ যথা স্থূল তুষাবঘা তনাম্॥

মঙ্গলগী মশক ওইরবা ভক্তিবু থাদোক্লগা জ্ঞান পূর্ণমক কংনবগী আ-শাদা কনা হোংনরিবা (হায়বদি শাস্ত্রনচিংবা পাহনা নৈনহনা), অরাবা থাংলিবা অহুদি মাই কররগা চেং লৌনবা লাক্লবগা অক্মানি।—হায়বদি ভক্তি য়াওদনা ভগবানবু কংনবা উপায় করিমত্তা লৈতে।

অতৈ করি পাম্বা কনানা কৃষ্ণবু নীংজরুরবা হায়জত্ৰবস্থ, নিজত্ৰ-বস্থ কৃষ্ণনা মাগী চরণ পীথোকই। কৃষ্ণনা 'ঐবু নীংলি লল থুম মুংওাইনবগী দমক অপংবা অসিনা অমৃত হন্দোক্লগা হ নরি। ঐদি অশিংবনি, অপংবা অ সদা করিগী লল থুম ভোগ পীরুনি, চরণামৃত পীহনা মাগী আশাহু কাউহনগনি।' চরণবু কংলবাদ অপাম্বা অতৈ অমা লৈত্রে।

'কাম লাগি কৃষ্ণ ভজে পায় কৃষ্ণ রসে।
কাম ছাড়ি দাস হৈতে হয় অভিলাষে॥'

অপাম্বগী নীংই কৃষ্ণ, কংবনা কৃষ্ণরসনি;
অপাম্বা থারগা মনাই পাম্না ওইনে॥

মিংশেল মচেৎ থমুব 'থিক্ৰবস্থ সাইবক কবদগী মমল নাইত্ৰবা মণি কংজে, কলুবা মাহাক্রা তৌবিমল থংজরে বর অমা পামত্রে। অস্থমা-

'সংসার ভ্রমিতে কোন ভাগ্যে কেহ তরে।
নদীর প্রবাহে যেন কাষ্ঠ লাগে তীরে॥

সংসার কোইবদা কনা লাল্লি লাইবক্লা।
তোর্ব্বান্দা থেংগুম তুরেলদা তাউবা উনা॥

থংহোদনা সাধুসঙ্গ কংজরুবদগীস্থ কৃষ্ণদা পূক্লিং থিংজিনবা কং-জবা থোকই। অসিগুম্বা অচৌবা কৃপা অমা কংজরুরিবা ভগবৎ কৃপানি। অহনা ভগবৎ কৃপা অসি ভক্ত কৃপাগী মথাপোনবনি।

সাধুগী চরণধূলি কংজিবা মথৈ কৃষ্ণগী মখোং থম্বালদা পুক্লিং চংদে। কংলবতদা সাধুসঙ্গ সিদ্ধি পুম্বা ফংলে— 'লবমাত্র সাধুসঙ্গে সর্ব্বসিদ্ধি হয়।' অসুম্না কৃষ্ণনা মনাই ভক্তদদা কোংই, ভক্তগা থানদে। খোঙ্খালগী মপু কৃষ্ণনা মনাই ভক্ত অর্জ্জুনদা পান্দম্নগা জগত্তা পাউতাক থম্বিরম্লে—'কৃষ্ণ কৃপালু অর্জ্জুনেরে লক্ষ করিয়া। জগতেরে রাখিয়াছেন উপদেশ দিয়া॥' খ্ৱদগী মরু ওইবা তত্ত্বনি তাও হায়রুনা শ্রীভগবদগীতাগী ১৮। ৬৪ দা হায়—

মন্মনা ভব মদ্ভক্তো মদ্যাজী মাং নমস্কুরু।
মামেবৈষ্যসি সত্যং তে প্রতি জানে প্রিয়োসি মে॥

ঐঙোন্দা নপুক অত্থু কখোকউ, ঐগী ভক্ত ওইয়ু,
ঐবু পূজা তৌ, ঐবু খুরুম্মু। নং ঐনা মুংশিবনি।
নঙোন্দা অশেংবা হায়রিবনি—ঐবু নংনা ফংগনি।

কৃষ্ণভক্তি তৌববতদা কর্ম্ম পুম্নমক তৌরবনি। অমুংবা ভক্তি লৈবা মী অত্থুতনা ভক্তি ধর্ম্মগী পুরোহিত ওইকম খোকপা মীশক্নি। মাগী ভক্তি য়াম্না চেংপা, মীগী অচুম চুনদা নিংঙাইদনা নাচুমদবা, শাস্ত্র চংখোম্না হৈবা, মানা লেপ্লিবদা চিংনদবা মাহাক পুরোহিত ওইকম খোকপগী মরক্তা অথোইবনি। শাস্ত্রদা চংখোম্রবসু মাগী থাজবা লেংদবা মাহাক ময়ায় ওইবনি অত্থুগা শাস্ত্রদা চংখোনবদা লাইরুনা মাগী থাজবা অত্থু ময়া লেংবা, মায়য়োক্নবগী নিংঙাই তারগা হেক্তা নোনবা মাহাক অত্থুনা ইতোন তোনবনি।

লেংই পাল্লিবা পুম্বদা ভগবানবু উবা অত্থুগা ভগবান্দা লেংই পাল্লিবা পুম্বা উবা মাহাক অত্থু ভক্ত অথোইবনি। ভগবান্দা প্রেম লৈবা, ভগবদ ভক্তগা চান্নবা, অপ বদা খোঙ্খালবিবা অমসুং ভগবানবু খওই উশিত্তবা মীবু খোশারুদবা মাহাক ময়ায় ভক্তনি। অত্থুগা

থাজরহন। বিগ্রহতনা ভগবানবু পূজা তৌবা, কনা অমত্তবু তৌদবা মাহাক ইভোন তোনবা ভক্তনি।

তাও সনাতন মুন্না।—কৃষ্ণগী গুণ পূন্নমক কৃষ্ণভক্তদা লোইনা চনশিনবনি—'সর্ব্ব মহাগুণগণ বৈষ্ণব শরীরে।' গুণশিং অহুনি করি করিনো? গুণশিং অহুদি থোজাল, য়েক্কবা লৈতবা (হিংসা য়াওদবা) অওইবা ভাংবা, পূন্নমকপু মিৎয়েং অনতনা য়েংব, মরাল লৈতবা রাভাং হু শিবা, তপ্পা, হকচাং শেংবা, ইংবা 'থক্কবা), চংজরকংগী তুংকন ওইবা অসিগী মথক্তা কৃষ্ণভক্তশিংদি মথাগাশিং অসিন্থ ওংগদবনি—অপাম্বা লৈতবা, মীহোৌবা য়াওদবা, তপথবা, নিশ চংদবা, মীবু ইকায় থুন্নবা, মশা থাগত্তবা–চাউথোক্কবা, চীংজেম্ব। তথং তথং তৌদবা), মীনুংশি লৈবা, পূন্নমক্তা চান্নবা, তত্ত্ব খংবা, হৈংশংবা বা য়াম্না ভাংদবা, য়াম্না চাদবা, কলক থেংথিবা থাবা অমসুং মী পূন্নমক্তা কান্নবা ওইবা।

মচং নাইবা, লৈবাক মচা তাবা—মচং কবা হাযবনা মীওইবগী বিধিনি, নিয়মনি। অথিংবা, তৌবা হৌদবনা মচং নাইদববুন মরু ওইবা বিধি, নিযমনা তত্তনা কৃষ্ণ লোনবা, ভক্ত নত্তবগ সঙ্গ তৌবগা তিন্নবা অনিশিমক থাদোক্কদবনি। ভগবদ্ভক্তি লৈতব পূণা লীকপা মীশিংবু মিংনা য়েংবা কাওবা য়েংভোংদবন

ম খোয়গা তিন্নকবা মরদগী অওইবা, অশেংবা, প্রকাশ, বুদ্ধি ইকাইবা, লনথুম, মিংচেং, ভকপীহৈবা, অইংবা, ইন্দ্র-থুতমচনবা. মতিক মঙাল মাংথন্নকপা অহুগুম্বা অথকপা, অপংবা পম্মেই লেপ্পুবা হায়বদি মশাদা মশা মশাগী বুদ্ধিতগী ওইবা অমসুং মুশীশিংগী শান্নপোৎ ওইবা শাথিবা দশা কংসবা মপুক চুমদবশিং অহুগী সঙ্গ থাদোক্কদবনি। মৈনা কোইশিল্লবা লাতগী মমুংদা থাংবনা কৃষ্ণ রাখল য়াওন্নবা মীশিংগা লৈমিন্নবদগী হেন্না কৈ অহনা মাখোয়গা

লৈমিন্নবগী অন্নাবা অহ্ থাদনবা হোৎনগববনি। কৃষ্ণদি পুন্নমক ওম্মি, তৌবিনগ খংই, থৌঅাল হে অহ্‌ী মথক্তা ভক্তবু চান্নি। —মাঙাকপু থাদোক্তুনা কনা অশিংবনা কনাবু নীংগনি? ওঅা পুন্নমক্তী ভুংসম ওইরবা কৃষ্ণ, পুন্নমক্তী মকপ ওইরবা কৃষ্ণ, ভক্ত পুম্ববু মুংশিবিবা কৃষ্ণ মাহাকপু থাদোক্কদবা কনানো? মাহাক্তি নীংজবদা অপাঙ্গা পুন্না পীব-মখা কাওবনি, মাহাক্তি হেনগৎপা ভাথবা নাইন্নবনি। অসিগুম্বা ভক্ত মুংশিবা অরেম্নদা হান্নবা, পুন্নমক্তী মক্কপ, তৌবিমগ খংবা মাগাকপু থাদোক্রগা কনা অশিংবনা কনাদা চংজগনি?— মাহাক্তি খোমদা কালকূট হু তোগা মাহাকপু হৎকে ানবা পূতনাবু মমাশিওনা থাজংপীবা অস্থক থৌজ্ঞাল লৈবা মাহাকপু থাদোক্তুনা কনাদা চংজগনি?

শ্রীমদ্ভাগবত্তা ৩।২ ২৩দা -

অহো! বকী যং স্তনকালকূটং, জিঘাংসয়াপায়য়দপ্যসাধ্বী।

লেভে গতিং ধাত্র্যুচিতাং ততোহন্যং কং বা দয়ালুং শরণং ব্রজেম॥

হৌজিক সাধন ভক্তিগী রং তারো [মাসি হজিনবগুম তৌরে শম্পাংনা পনবদ ন]। ইন্দ্রিয়গী মতম হেৎনজহনা তৌজবা ভক্তিবু সাধন ভক্ত কৌই। জীব থুদিংগী থম্মোইদা থুপ্তনা লৈবা প্রেমবু মরাম শংখৎহনবা অহুনা সাধননি। সাধন ভাক্তগী লক্ষণাদি করিনো? পোংশক শাগৎপবা অহু স্বরূপ লক্ষণনি। পোৎশক কংহল্লিবা অহুনা ভটস্থ লক্ষণনি। থুদমদি—তাজবা শকচবনচংবা নববধা ভক্তি সাধন ভক্তিগী অঙ্গ নত্রগা পোৎচং ওইরিবা অহু সাধন ভক্তিগী স্বরূপ লক্ষণনি অহুগা মাহুগী মতুং ইন্না লাক্লজবগী মহৈনা কৃষ্ণপ্রেম থম্মোইদা মকোক কাংখৎলকপা নত্রগা ঈহৌরকপা অহুনা সাধন ভক্তিগী তটস্থা লক্ষণনি। -

'শ্রবনাদি ক্রিয়া তার স্বরূপ লক্ষণ।

তটস্থ লক্ষণে উপজায় প্রেমধন॥'

তাবনচিংবা থোৌদা স্বরূপ লক্ষণনি।
তটস্থ লক্ষণদনা প্রেম পোকপনি।

সাধন ভক্তি অনিনি। অমনা বৈধী, অমনা রাগানুগা। পুক্নিং চংশিল্লদনা শাস্ত্রগী চৈরাক কীতুনা কৃষ্ণবু খুরুম্মি, নীংঙি—কৃষ্ণনা নুংঙাইনবা নত্তে — অসিনা অহানবা মথলনি। অমনা অনুরাগনা লৈংচত্নবা যাবা যানবা বিধিগী নিয়মগী রাংমদা, হৌনবা হৌদবগী রা চদনা, থম্মোইগী পুম্নবা কাচিন্দগী হৌরকপা ঈহৌনা থরায়গী মবুত্তো অহুনা পেনবিনবা হোৎনজবা অহুনা অনিশুবা অসিনি।

মথংদা সাধন ভক্তিগী মরু ওইবা অঙ্গ (মণক) অহু তাও।— গুরুপাদদা চংজবা, দীক্ষা (লাইমিং) লৌবা, গুরুসেবা তৌবা ; অকবা ধর্ম্ম তম্বা, হংবা লম্বী তিন্নবা সাধুশিংগী মচৎ শাস্ত্রবিধি কারদনা ইনবা ; কৃষ্ণ পেনবা নুংঙাই রাইফ মওং থাদোকপা, কৃষ্ণ তীর্থদা লৈবা, ঐগী চংনবা য়াগদবা অহুতা মতৌবা ; একাদশীনা চরা-হেনবা, হৈক্রু, খোংনাং, বগ, ব্রাহ্মণ, অমসুং বৈষ্ণব পূজা তৌবা ; সেবাপরাধ, নামাপরাধ থাদোকপা।

সেবা অপরাধ মথক কুম্মানিবোইনে— ১। গাড়ী, দোলাই অমসুং খোংউপ, খুরুম তোংহুনা লাইশংদা চংব (মাসনা লাইগা শং পুম্বু থংহ) ২। ভগবান্ যাত্রা থোকপা নুমিৎকা উসবশিংদা রাওনবা ৩। ভগবান্গী মাংদা খুরুমদবা ৪। সুধাক তৈবা কক-চাং অমসুং হকচাং শেংদোক্তনা ভগবান্ খুরুম্বা ৫। খুৎ নামতনা খুরুম্বা ৬। মাগী মাংদা অতৈ লাই-নুমিৎনাচৎবা কোইবা ৭। মাগা মথংদা থোং তিংখোকপা, ৮। মাহাকা মমাংদা খুউ পুনবা —খুংনা ওইরবসু, ৯। মাগী মমাংদা তুম্বা, ১০। চাবা ১১। মাংগ্বা ভাংবা ১২। লাউনা ভাংবা ১৩। মাগি মাতাই শাবা ১৪। কপ্পা ১৫। থংনবা ১৬। মুবা ১৭। থোৌজাল উৎপা ১৮। মী থিনা হায়বা ১৯। ভগবৎ সেবাদা কম্বল ইনবা, ২০। মমাংদা মীগী তাথিরা ভাংবা ২১। মী থাগৎপা ২২। অকাম্বা বা ভাংবা ২৩।

সুংশিং থাযবা . ২৪। ওয়া ওয়া ওমশিন্নচুনা ভগবৎ সেবাদা শিক্পশিনবা ২৫। লাইদা কত্তনা চাবা ২৬ মতম মতম অতৈদা মহৈ মরো' উ'হু রাহৈ খোকপা কত্তবা ২৭। করিগুম্বা পোৎ পুবক্লগা মকোকথ বা মীওোন্দা পীগ্রগা অরেম্বা অহু ভগবান্দা কৎপা ২৮ শ্রীমূর্ত্তিদা তুং ওয়োক্লনা কম্বা ২৯। শ্রী মূর্ত্তি মা'দা অতোপ্পবু খুরুম্বা ৩০ গুরু মাংদা খুরুম থাজংবা তৌদনা তু'মম্না ক্ষমচুনা লৈবা ৩১। শ্রীমূর্ত্তি মমাংদা মশা থাগৎপা ৩২। লাইবু তাথিরা ক'য়বা। অসি নত্তনা বরা'হ পুরাণদা সেবাপরাধ অতৈ নিযু অমস্ত রাওরি।

নামাপরাধ তরানি থম্মে হ' রাংবা. পুকচেল চাউহবু তাথিরা হায়বা ২। বিষ্ণুগা শিবগা তোঙান তো'ঙানবনি থনবা ৩। গুরুবু খৌশাদবা ৪ বেদ অম'দ বেদ ইঙ্গা টবা শা'স্ত্রশি'বু নিন্দা তৌবা ৫। হরিনামগী মগুণদা অর্থ অয়ান-লা'ন্দ থঁবা ৬ হ'রিনাম মাহা-ত্ম্যবু করি লৈতনা লৌবা ৭। নামগী পাঙ্গলদা পাপকী লমচৎ চৎপা ৮। কর্ম্ম অক্পবা অনগা নামগা চা'দম্নবা ৯। যপুক্নি চ'দবা পামদবা মীদ হরিনাম মবমদা তাকপা ০। না'ম এগুণ ত রবদগ্র নামদা এপুক্নিং চংদবা। সেবা'পরাধ অমস্তুং নামাপরাধ থাদোক্নবা চেকশিনগদবা'ন।

বৈষ্ণব নত্তবশিংগা তিন্নরোহন্দবনি মরম'দ মাথোয়গা তিন্নরগা ভক্তি মাংথি। শিষ্য মগ্গাম থম্মোইদবনি। লাইগি'ক মগ্গাম, মহৈ মগ্গাম থাদোকনি— বহুগ্রন্থ কল ভ্যাস ভা'ক্পগা যেক্লবা লাইবিক মগ্গাম অমস্তু' কলা শিক্ষা (মহৈ মগ্গাম) ভগবৎ-মরি লৈতবা মহৈশিং ঙৈশৈ জগোইনচিংবা থাদোকনি। বিষ্ণুনিন্দা তারোই, চিন্তাং রা'র তারে'ই-দবনি। পুক্নিংদা, চিন্না কনাগুম্বা মথরাগ পানববু লা' তক্লহল্লে'ই-দবনি। নশানা কীর্ত্তন তৌগনি, অহুগা অতৈ কনানা তৌবা মতমদা পুক্নিং চ'না তাগনি। কীর্ত্তন লৈত্রবা মতনদা পু'ক্নিং খিংজিন্না কৃষ্ণ শোনগনি। পূজা তৌগনি, খুরুমগনি, নোঙ্গগনি অহুগা সেবা তৌজগনি। ঐ নাগী যাথং ইজবা মনাইনি খঙ্গচুনা মাঙোন্দা থবক

পুন্নমক ইথোক্লনি, মা ঐগী মরুপনি খন্নুনা খশোইরা পুম্বা লেনা হায়গনি' অহুগা কখেক্লনি। [সংকীর্ত্তনগী মতমদা সংকীর্ত্তন হৌবগা নাম কন্না শোনবা কংবু অমা মণিপুরদা ভাইনা থেংনৈ। মাখোয়গী মঙং অহু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা তাকপীরিশা অসিগদি পাম্না থেন্নরে

পোৎশক মরিগী সেবা চৎপদা কক্লনা পেগ্নি — তুলসী, বৈষ্ণব মথুরা অমসুং ভাগবত তৌরিবা, তৌজবা থবক পুন্নমক ভগবান্না পেনবিনবগীনি থনগনি। — 'কৃষ্ণার্থে অখিলচেষ্টা' থৌদোক খুদিংদা কৃষ্ণকৃপা কাউক্লগনি। খুদোংথিবদসু, অরা অনাদসু ভগবান্গী মঙ্গলগী ইচ্ছানি থনগনি। মতম পুন্নমক্তা মাঙোন্দা চংজবনা খোইদোকপা লৌশিংনি।

সনাতন—সাধন বিধিগী রা তারে মাসিবু শমজিল্লগা অঙ্গ মঙা অসিনা খ্বাইদগী অথোইবনি — সাধুসঙ্গ, নামকীর্ত্তন, ভাগবতশ্রবণ, মথুরাবাস অমসুং পুক্নিং থ্বনা শ্রীমূর্ত্তি সেবা তৌব অসিনি।—

এক অঙ্গ সাধে কেহো সাধে বহু অঙ্গ।
নিষ্ঠা হৈলে উপজয়ে প্রেমের তরঙ্গ।
কনা অঙ্গ অমা না কনা ময়াম্না তৌই।
পুক্নিং লুপ্নগা প্রেমগী ঈথক হৌরকই॥

তথাহি পদ্যাবল্যাং (৫৩)—

শ্রীবিষ্ণোঃ শ্রবণে পরীক্ষিদভবদ্বৈয়াসকিঃ কীর্ত্তনে প্রহ্লাদঃ
স্মরণে তদঙ্ঘ্রি ভজনে লক্ষ্মীঃ পৃথুঃ পূজনে
অক্রূরস্ত্বভিবন্দনে কপিপতির্দাস্যেঽথ সখ্যেঽর্জ্জুনঃ, সর্ব্বস্বাত্ম-
নিবেদনে বলিরভূৎ কৃষ্ণাপ্তিরেষাং পরা॥

তাজবনা পরীক্ষিৎ, শকচবনা শুকদেব, নীংজবনা প্রহ্লাদ, মখোং সেবা তৌজবনা লক্ষ্মী, পূজা তৌজবনা পৃথু, খুকমজবনা অক্রূর, মনাই ওইজবনা হনুমান, মরূপ ওইজবনা অর্জ্জুন অমসুং মশা

কৃথোকপনা বশিনা কৃষ্ণ ফংখি। মাসিনা অঙ্গ অমনা সাধন তৌবগী খুদম্নি।

অঙ্গ ময়াম্না সাধন তৌবগী খুদম্না—সূর্য্যবংশগী নিংথৌ অম্বরীষনি। শ্রীমদ্ভাগবতকী ১১। ৫। ৩৭ শ্লোক্তা হায়রি—

নহ্যতঃ পরমো লাভো দেহিনাং ভ্রাম্যতামিহ।
যতো বিন্দেত পরমাং শান্তিং নশ্যতি সংসৃতিঃ।—

সংসার অসিদা কোইনা চংলিবা হকচাং পানবশিংনা মাসিদগী হেন্না থোইদোকপা ফংনবা অমা লৈত্রে; করিনা হায়রবু কলিযুগ অসিদা নামসংকীর্ত্তন্না থোইদোকপা অইংবা অমসুং সংসারগী অপুনবদগী নাম্থোক্নবা ওই।

শ্রীমদ্ভাগবতকী ৯। ৪। ১৮—২০ দা হায়রি—

অম্বরীষনা কৃষ্ণগী চরণদা মথরায় থম্মি, মাগী মচিন্না কৃষ্ণগুণ ভাংবদা, মখুংনা শ্রীকৃষ্ণমন্দির তৈববা, মনানা কৃষ্ণগী রা তাবদা, মমিৎনা কৃষ্ণগী মন্দির অমসুং মূর্ত্তি দর্শনদা, মশানা হরিভক্তশিং কোন্নবদা মনাতেন্না কৃষ্ণদা কংলবা চরণগী তুলসী মনমদা, চাবনা কৃষ্ণগী প্রসাদতা, মখোংনা তীর্থ চৎপগীদা, মকোক্না চরণ খুরুম্নবদা, মাগী নিংজবা পামজবা পূম্বনা ভগবৎ সেবাদা—অসুম্না অঙ্গ ময়াম্না সাধন তৌই।

শাস্ত্রগী বিধি চৈরাক পূম্নমক থাদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণদা পুম্না চংজরবা মাহাক অহৃদি লাই, ঋষি, ভূত, মরিমতাং অমসুং মপা মপুগী লমন পূম্বদগী কোক্লে; মাহাক কনাগীসু মনাই ওইদ্রে। করি অমুক হায়গনি।

সংসারগী অপুনবা নাম্থোক্নবগী অথোইবা উপায়দি কলিযুগতা নাম সংকীর্ত্তন্নি। অসিগুম্বা মীওইশিংদি পাপকী থবক্তা মপুক্লিং চংগ্ন য়াদে। খংদনা অমদি য়ানিংদনা পাপতা য়াওকুরবসু কৃষ্ণনা মাহ্ চুমথোকপী, প্রায়শ্চিত্ত তৌবিদে— 'কৃষ্ণ তারে শুদ্ধ করে না করে প্রায়শ্চিত্ত।' জ্ঞান

বৈরাগ্য ভক্তিগী শরুক নত্তে, অঙ্গ নত্তে অদুগা ইন্দ্রিয় থুদুম চনবা য়াবা য়াদবা নিয়ম, অশেং অমাং ভক্তিগী খুৎচিংনা মশানা অদুম লাকচৈ, কৃষ্ণভক্তগী খোংলোইনি। অদুনা ভক্তিনা ভক্তিগী মতেং-নি, ভক্তিনা ভক্তি চাউথংনবগী মচাক্নি। জ্ঞাননা, বৈরাগ্যনা ভক্তদদি কাম্নবগী ঙাক ওইদে। অদুনা হরিভক্তিদা লুপথবা মাখোয়দা অহিংসা—মীগী মাংনবা খন্দবা মশানা থোকচরকপদা ঙক্লিংঙাই করিস্থ লৈতে —মাখোয়না মী ওৎপা, মী রাহনবা করিগুংদা তৌনিংদে।

সনাতন, হৌজিক রাগনুগাগী রা শম্না অমুক্কা তারো।

ঐনা নীংজরিবা মাবু কন্না খৌরাংবা রাগনি। মাঙোন্দা পূক্লিং থিংজিন্দুনা প্রেম্না য়োম্নবা খৌরাংবা অদুবুনি রাগ কৌরিবা। রাগগী মশক ওইরিবী ভক্তি রাগাত্মিকানি। অকনবা খৌরাংবা মবু-ঙেঙাদা লৈবা রাগগী স্বরূপ লক্ষণনি অদুগা মবুঙেঙাদা পুন্না লুপথিবা অদুনা তটস্থ লক্ষণনি। হায়বদি পামজরিবা পোৎ অদুদা চংশিনবা, লুপচবা অদু রাগগী মরু ওইবা লক্ষণ নত্তে, তটস্থ লক্ষণ নি হায়বদি রাগগা অমতা নত্রবস্থ রাগবু খংহনবনি। মাসিনা শাস্ত্রগী যুক্তি লোদে; ভাবকী মাধুর্য্য অথুম্বা অদুতদা মীহৌই। অথুম্বা ভাবতা মীহৌবনা শাস্ত্রগী যুক্তি ('বধি) থৌশাদে। মপান্দনা নাম ভাই, শকই অদুগা মনুংদা শোল্লি অমসুং সেবা তৌই। মানা মানা পামজবা মতুং ইন্না থ্বাইদগী নুংশিবনি খন্দুনা মপুক্তা লেপ্তুনা সেবা তৌজে। মানা মানা থঞ্জরিবা—মনাইনি হায়রবস্থ, মরূপ্নি হায়রবস্থ, নুংশি থোইবনিবু হায়রবস্থ মতৌ অদুদগী অপেনবা পোক-লকই। অপেনবদগী মতোল চোংলক্লগা রতি অমসুং ভাব লাকই। রতি অসিনা কুংলগা প্রেম ওইবা, থেংনথ্রে।

মথং অসিদা প্রেমগী লক্ষণ তারো। মুংঙাইবা পীবী হ্লাদিনীগী হৌনপা মচৎ ওইরিবী থোইদোক্লা শেংলবা আম্মা ওইবা অহু প্রেমগী স্বরূপ লক্ষণনি। অহুগা কৃষ্ণবু ফংজনিংবা অমসুং মানা চানবিনবা থল্লিবা ভাব অহুনা তটস্থ লক্ষণনি। লেংত্রবা পুকচেলগী নকুবা মরিনি মাথোয়। কৃষ্ণ নত্তনা ঐগী কনা লৈজদ্রে থল্লিবা অহু ভাবনি অহুদগী প্রেমগা থানদ্রে অমসুং প্রেমরসনা কৃষ্ণবু পেনহল্লিংবগী রাখল লাক্লে। অসুম্না প্রেমরসনা য়োম্লবা ঐগীনি হায়না য়ৌনা থনবা অসিনি ভক্তি হায়ববু।

কনাগুম্বগী মরাইবক কহুনা লেংত্রবা থাজবা পোকচরবদি মাঙোন্দা সাধুসঙ্গী ভাব পোক্নুনা সাধুসঙ্গ তৌই। সাধুসঙ্গ অসিদগী তানীংবা শক্লিংবা হায়বদি সাধন ভক্তি পোক্লকই। সাধন ভক্তি আসিদগী ফত্তবা রাথল পুম্নমক মাংখি, নত্রগা পাপ মাংখি। অসুম্না মাংখিবা নত্রগা লাকশিনখিবা ভক্তি অসিনা নিষ্ঠা হায়বদি ফংনিংবগা লোইননা হন্না হন্না নীংজবা পোকই। অসুম্না কল্লক-মীহৌবা ললথুমগী রাখল মাংখিবনা পুরকপা 'নিষ্ঠা'দগী' 'রুচি' পামজবগী মহাও পোকই। রুচি অসিনা ভক্তিদা পুক্লিং চীংশিনখিবদা আসক্তি কম্না পোকই। আসক্তি আসদগী থম্মোইদা পেঞ্জবগী মতোল চোংই হায়বদি ভাব, রতি পোকই। মথক্তসু পনথ্রে—পেঞ্জবা অমদি রতিদগী প্রেম পোকই। প্রেম হেক ফংবদা মুংঙাইবা হায়বা পুম্নমক অহু ওইরে।

ভক্তগী লক্ষণদি করি করিনো? মাহাক্কী লক্ষণদি ঙাকপীহৈবা, মতম পুম্নমক্তা কৃষ্ণগী গুণ শকপা, য়ুম্বানবদা পুক্লিং চংদবা, থোঈদবা, কৃষ্ণ ফংনিংবা, কৃষ্ণ ফংনবগী দমক্তা লাংতক্নবা, কৃষ্ণ নাম শকচবদা মতম পুম্বদা মহাও ফংজবা, কৃষ্ণ গুণ শিংথাবদা পুক্লিং চংবা, কৃষ্ণগী লৈকমদা, তীর্থদা লৈবা পামজবা অসিনচিংবা অসিনি।— 'কৃষ্ণের সম্বন্ধ বিনা কাল নাহি যায়।' হায়বদি কৃষ্ণগী মরি লৈনদবদা মতম

মাংহল্লে। থল্লা অমুক হঙ্গিল্লবদা পেল্লবগী মতোল অসিনা হুল্লক্লবদা মাগী থম্মোইদা 'প্রাকৃত ক্ষোভে তার নাহি ক্ষোভ'—লল থুম ময়ুম মকৈগী ৱাবা লাংতক্লবা পূম্বদা নাচুংলুদে। ভক্তনা অহিং মুংথিল শকচবা, নীংজবা নত্রগা খুরুমজবদা পেন্দে। মমিৎকী পীনা চোৎ-তূনা মাগী পুল্লি পূম্বা কৃষ্ণদা কখোকই। মাঙোন্দা স্বর্গগী ভোগ, যোগ, সিদ্ধি, ইন্দ্রি অমসুং লল থুম্না মুংঙাইবা পীবা ওমদে 'ভুক্তি সিদ্ধি ইন্দ্রিয়ার্থ তারে নাহি ভায়।' থ্বায়দগী তোনবা মান লৌজে 'সর্ব্বোত্তম আপনাকে হীন করি মানে।' কৃষ্ণ কংগনি হায়বগী আশানা মাবু থাজহল্লি— কৃষ্ণনা কৃপা তৌবিগনি, শোয়দনা তৌবি-গনি হায়বনা মাগী লেংত্রবা থাজবনি-- 'কৃষ্ণ কৃপা করিবেন দৃঢ় করি জানে।' কৃষ্ণবু উজানিংবগী পামজবা অতু মাগী অকনবনি। অতুনা মবুঙেঙা উজানিংবা অতুদা থিন্থবদা খাংবা ঙম্দবগী মপুক্লিং ওইবনা নাম গুণ শকপদা থিংবা য়াদবা অপাম্বা লাকই। অমনা অমুক কৃষ্ণনা লীলা শান্নবা মফমদা লৈনিংই। থম্মোইদা কৃষ্ণ প্রেম্না হোৎরবা মাগী মল্লা অমসুং থবক্কী মরু থংবা ৱাই। মাহাক্না করিগুম্বদা কপই, করিগুম্বদা নোকই, করিগুম্বদা অমুক হয়াওতুনা ঈশৈ শকই। মাবু উৎরগা ময়াম্না অঙাওবনি থল্লি।

হৌজিক পঞ্চবিধ রসগী ৱা হায়গে তাও—শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর অসি রস মঙা হায়রিবা অতুনি। মাখোয় অসিগী মনুংদা থ্বাইদগী কুংবা অমসুং থ্বাইদগী মহাও ইহেন হেনবা মধুরনি—রস পূম্নমক্কী কোকথক্কী মণিনি। শান্ত অমসুং দাস্যদা লৈবনা যোগ বিয়োগতনি। কৃষ্ণগা মিলন ওইববসু যোগ কৌই। মিলন ওইরুরগা কায়নবনা বিয়োগনি।

সখ্য অমসুং বাৎসল্যগী মশক অহুম থোকই—সিদ্ধি, তুষ্টি অমনা স্থিতি। খৌরাংনা ভাইরগা ওইবা ফীবম অতুদা কৃষ্ণ ফংববু সিদ্ধি কৌই, কায়নরবা মতুংদা কৃষ্ণ ফংবনা তুষ্টি কৃষ্ণগা লোইননা পুন্না

লৈমিন্নবনা স্থিতিনি। অদুগা বিয়োগকী মশক্লা তম্নানি—তাপ (চাকপা) কৃশতা (কংশিনবা), জাগর্যা (তুমদবা), আলম্বশূন্যতা (থম্মোইদ তাথবা লৈতবা) অধৃতি (করিগুম্বা পুক্লিং থিংজিনবা ঙমদবা) উড়ত। (পংথবা), ব্যাধি (নাবা) উন্মাদ (ঙাওবা), মূর্চ্ছা (য়াম্থবা) অমস্থং মৃতি (শিবদি নত্তবা কৃষ্ণ কায়নবদা অগাকপা, অয়াবনা ভক্তনা শিবগুম লৈবা) অসিনি।

মধুরা রতি মখল অহুম্নি— সাধারণী, সমঞ্জসা, সমর্থা। সাধারণীদা মুংঙাইবগী অপাম্বা অদু লৈ। মাসিদা ওইরিবা ভাবনা নুংঙাইবমু নুংঙাইবু, অহানবদা ঐগী নুংঙাইবা অদু পামই। সমঞ্জসাদা নংগী নুংঙাইবমু পামই ঐগীমু নুংঙাইবা পামই, নুংগী নুংঙাইনবগী দমক নংগী মুপী (পত্নী) ওইনিংই। অদুগা মুপী ওইবা অদুদগী হায়বদি এবি অদুদগী নুংঙাইমিন্নবদু ঐগী অপাম্বনি। অদুগা সমর্থাদনা নং মু ঙাইবদা ওইসনু ঐখোয়গী নুংঙাইবগী বা যাওদ্রবমু করিমতা কায়দে। নংগী দমক ঐখোয় মীওইবগী ধর্ম্ম, বেদধর্ম্ম, বিধি ধর্ম্ম লোইনবা থাদোকপা ঙম্মি। সমর্থা রতিদগী হেন্না কুংনিঙাই লৈত্রে, মাসিনা য়াংবদি মহাভাবকী অরোইবা ঙমখৈ কাওবনি। কৃষ্ণ মুংঙাইনবগী পাম্বা নত্তবা করিগুম্বা অপাম্বা অমতনা মাঙোন্দা থেংলবদি থম্নহুনা প্রেমহুবু শোকপা কাওবা ঙমদে। গোপী উবদা কৃষ্ণনা মুংঙাইবা অদুগীকোটিরক হেন্না গোপীনা মুংঙাই। শাগৈগী মৌ ওইরগা হৌনবী পারি পুরিগী ধর্ম্মগী লম্বী কাওবা করি ওইদনা খল্লি। ‘রূঢ় অধিরূঢ় ভাব কেবল মধুরে।’ সমর্থা রতি নত্রগা মহাভাব অমৃতগী মশক ওইরবা স্বরূপকী নিংথিজবনি।

মহাভাবকী মখল অনিনি। – রূঢ়', অধিরূঢ়। রূঢ়গী লক্ষণদি অহানবমক্তদা মিকুপ অমা কাওবা থাংবা ঙমদবা অদুনা কদায কাওবনো হায়রবু মিং কুপ্পদা দর্শনগী মতম মাংথিবা অদু য়োনা থাংবা ঙমদে। অদুদগী মিলন মতমদা অসুক য়াম্না পুক্লিং চংথিবগে হায়রবু

কন্না অমগী মতমবু মিকুপ অমতা ওইনা খল্লি—মাসি, 'কল্পকল্প' হায়বা অদুনি। অমা অমুক লৈল্লি মাহনা 'ক্ষণকল্পতা'—কৃষ্ণ কায়নবদা ভাহাক্তংবু কল্প অমনি হায়না পুক্লিংনা লৌই। অদুদগী অমনা অমুক কৃষ্ণনা মুংঙাইনা লৈরবসু মপুক্তা খল্লি মাহাক য়াম্না রানা লৈরম্লগনি। মুংঙাইবগী মরক্তসু অরাবনা কোইন্ ইম্নহুনা লৈ। ঐগী মীগী পুম-কাও কাওখিবনা পুম্নমক কৃষ্ণগীনি হায়বা ভাব অসিনা পুহনা তাউহনা লৈ। করি অমুক হায়নি কৃষ্ণনা লাপ্না লৈরবসু খায়নবদা রারবীগী প্রেমগী পাঙ্গলতনা মমাংদা খংহৌদনা লেপ্পে।

অধিরূঢ় মখল অনিনি—মোদন অমসুং মাদন। অনিমক সম্ভোগ ভাক্তনি। মোদনদা রাধা কৃষ্ণগী হকচাং অনিমক সাত্বিক মঙাম্না লৈতেংই। অদুগা মোদন অসিনা মিলনগী মতমদা ওইরগনা মাদন কৌরে, অদুগা খায়নবগী মতমদা ওইরগনা মোহন কৌরে। মাদন অসিদি হ্লাদিনীগী অরোইবা পন্থংকল্লি অমসুং অসিগুম্বা মুংঙাইবা অসিদি রাধিকাদদা ওই অমসুং তত্তনা ইবেম্মরা লৈতেংই। মোহনগী কীবম ওইরবদি দিব্যোন্মাদ কাওবা লাক্ই। [মুংশিনা, চান্না মায়োক্লনা য়েংনবনচিংবা অমনা অমগী সেবাগী মশক ওইহনা নায়ক-নায়িকাগী হয়াওবা হেনগৎহনবী অদুবু সম্ভোগ কৌই। মোহন হায়রিবা মহাভাবনা হায়কম খংদবা কীবম অমা লাক্লুনা হায়কম খংদবা অওকপা মখলশিং ওইরকপা অদুবু দিব্যোন্মাদ কৌই। কায়নবদা মায়থোংদা কৃষ্ণ উন্নরবগুম উংপা অদুগা মশাবু কৃষ্ণনি খনবা অসিনচিংবা দিব্যোন্মাদতা থোকই।] সম্ভোগতা মশিং খংদবা অঙনি, লোইবা নাইদবা অদুদা বিপ্রলম্ভদসু অমদি বিরহ (কায়নবা) সু মুংঙাইবগী মশক্লি। সম্ভোগতা মুংঙাইবা হেনগৎনবগী মচাক বিপ্রলম্ভনি। বিপ্রলম্ভ মশাসু মহাও য়োনা লৈ। অরাবা অচাকপা অদুসু ঈশৈ ভংগুম্মি। তিম্নবদা মুংশিবদো মূর্ত্তি অমতনি অদুগা কায়নবদি মর্ত্তি মম্না মরোল অদুম শিনথুই—'সঙ্গে সৈব

তথৈকা ত্রিভুবনমপি তন্ময়ং বিরহে।' হায়বদি উন্নবগী মুংঙাইবদা শককম অমতা মউই অহুগা খায়নবদদি পোৎ খুদিংমক্তা মাহাক্তী শককম্ উই অহুনা 'ত্রিভুবন ব্যাপিনী' হায়রিবনি। [বিপ্রলম্ভ— লৈমিন্নরবা অমদি লৈমিন্নত্রিবা নায়ক নায়িকানা আলিঙ্গন (কোম্নবা) নচিংবা কংদবগী মরম্না অপাম্বগী থাক হাইগৎহনবা, সম্ভোগতা রাং-খৎনবগী মশক ওইবা ভাবপু বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গার কৌই]

বিপ্রলম্ভ মখল মরি শুই—পূর্ব্বরাগ, মান, প্রবাস অমসুং প্রেম বৈচিত্ত্য। [পূর্ব্বরাগ — সঙ্গম (তিন্নবা) থোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা উন্নবা অমদি তানবদগী নায়ক নায়িকাগী রতি থোকহনবা অহুবু পূর্ব্বরাগ হায়নৈ। মান—অমনা অমদা লূপ্নরবা নায়ক নায়িকানা মকম অমতদা লৈমিন্নরবসু আলিঙ্গন অমদি দর্শনচিংবদা থিংবা পীবা ভাব অহুবু মান কৌই। প্রভাস—মিলনগী মতুংদা মুংশিনবা মুংশিনবীনা লৈপাক লান্না চখোকখিহুনা লাপ্নবা অহুবু প্রবাস কৌনৈ। প্রেম বৈচিত্ত্য— মুংশি থোইরবা অহুগী মনাক্তা লৈনা লৈনা প্রেমগী খুং-চিংনা কনবনা কায়নগত্রা হায়বগী কীবনা রাবা অহুবু প্রেম বৈচিত্ত্য হায়। মাসিদা প্রেমগী ওইবা মওংশিংদা পুক্নিং খিংজিন্দবা, সম্ভোগ ওইনা থোক্রবসু পুক্নিং চংদবা, উনা উনা উদবা, মখুৎ চন্নবমক্তদা ফাউদবশিং অসি মাসিগী মওংশিংনি।]

শম্না হায়রবদা মিলন মতমদা মুংঙাইবা অরাবা অহুগা বিরহগী মতমদা অরাবা মুংঙাইবা পুম্বা পুন্সিন্দুনা পৈরগা থম্বা রাব্রবদি মাহুনা অধিরূঢ়নি। থরা অমুক শন্দোক্লা হায়রবদা প্রেমগী অরোইবা ওম-থৈগী শরুক অমৃতগুম্নবা ভাব অহুদগী সাত্ত্বিক ভাবশিংনা থোইদোক হেন্দোকপা থাক অমা ওইরকপা অহুবু অধিরূঢ় ভাব কৌই। মাসি ব্রজ গোপীশিংতদা থোকই!

অহুনা—'ব্রজেন্দ্রনন্দন কৃষ্ণ নায়ক শিরোমণি।

নায়িকার শিরোমণি—রাধা ঠাকুরাণী ॥'

ব্রজেন্দ্রনন্দন কৃষ্ণ নায়ক কোক্লেরি।
নায়িকাগী কোক্লেলনা রাধা ঠাকুরাণী॥

সনাতন! কৃষ্ণগী গুণদি লোইবা লৈতবনি, মশিং থংদবনি। মাহাক্কী গুণ য়াম্মৈ অসিনি।—

ভগবান কৃষ্ণ জীব পুম্নমক্কী লুচিংবনি, গুন্নাংপা হকচাংনা ওইবা, অফবা লক্ষণ পুম্নমক্কা লৈতেংবা, পুক্নিং হুবা, মুপা থোকপা, পাঙ্গনবা, পাখং (কিশোর) তা ওইবা, মথল মথা অয়াম্বা লোল হৈবা, অচুম্বা ঙাংবা, মুংশিবা লোলতা ঙাংবা, য়াঙাং হৈবা, পণ্ডিত, লৌশিংশিংবা, পাইরকশিংবা, রসিক, হৈশিংবা, থবক তৌবদা চংখোনবা, তৌবিমল থংবা, হায়থিবদা লেংদবা, মফম মতম মীশক থংবা, শাস্ত্রগী জ্ঞান পুম্না লৈবা, শেংবা, লেংদবা, ইন্দ্রি খুদুম চনবা, ঙাকপীহৈবা, লেম্বা, পুক্নিং লাকশিনবা, লৌনম য়াওদবা, থম্মোই রাংবা, ধর্ম্ম লৈবা, অথৌবা, থৌজাল হৈবা, ইকায় খুম্নক খোকপবু ইকায় খুম্নবা, নোম্লুকপা, ইতিং তিংবা, ইকাইথৌবা, চঞ্জরকপবু কনবিবা, ভোগ অমদি অয়াবগী মনম চংদবা, ভক্ত মুংশিবা, প্রেমগী মথা পোনবা, পুম্নমক্কী কান্নবা ওইবা, মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা, মিংচৎ লৈবা, মীওইববু মুংঙাই-হনবিবা, সাধুগী তুংকম, মুপীশিংগী থম্মোইবু চৌংশিনবা, পুম্নমক্কী-নীংজফম ওইবা, ললগী অমদি চাউথৎপগী মপু ওইবা, খ্বাইদগী হেনবা অমসুং মনিং তম্বা ঈশ্বর হায়বা শ্রীকৃষ্ণগী গুণ য়াম্মৈ অসি থাম্নবনি।

অতুগা রাধিকাগীনা—মেংনা থুম্না কজবী, মতম পুম্বদা মপুং ফাবদা ওইবী, তথক্না খোই খোইবা মিৎয়েংনা ওইবী, লংনা ঙাম্লবা মীনোক্না ওইবী, মাগী খোং খুত্তা নিংথিরবা লাইবককবীগী মন্নিনা লৈতেংবী, মাগী অঙ্গগন্ধনা কেশবপু গুন্নাংপী, থুম্নবা মেংলবা ঙৈশৈ হৈবী, মানা ঙাংথোক্লকপা য়া নিংথিবী, ফাগী জুগাই য়োনা হৈবী, নোম্লুকপী, থৌজাল হৈবী, রস নিংথিনা থংবী, ভগবতকী মরমদা রতি ক্রিয়াদা

নিংখিনা হৈশিংবী, ইকায়খিবী, মীবু ইকায়খুম্নবা হৈবী, অথাংকনবী, লেমজবী লীলা হৈবী, মহাভাবনা লৈতেংবী, মাগী প্রেমগী মকম্না গোকুল অহুগা জগৎসংসারদা মাগী মিংচৎনা থনবীনি। লাইগুরুনা চানবী, সখিপ্রেমগী মখা পোনবী, কৃষ্ণগী চান্নবীশিংগী অখোইবী অমসুং কৃষ্ণতদা পুক্নিং লৈবী—গুণশিং অসিনা লৈতেংবী রাধিকানি।

মপা লৈত্রবী নায়ক নায়িকা ব্রজেন্দ্রনন্দন অমসুং রাধা অনিগী রস ইঙ্গবদা থুম্নবা রস পোক্লকপা অদুনি ভক্তি হায়ববু। অসুম্না দাস্যদা দাস (মনাই) না. সখ্যদা সখা (মরূপ) না, বাৎসল্যদা মমা মপানা চংজকম্নি। রস অসি কাউজবদা ভক্তশিংদা ওইবা লক্ষণ তাও সনাতন—ভক্তশিংদদি মাখোয়গী অরানবা অশোয়বা ভক্তিনা চামথোকপী। মাখোয়গী থম্মোই পেল্লি অমসুং লংঙি। ভাগবত্তা মপুক লুপ্পি। ভগবতভক্তগী সঙ্গ কংজরগা মুংঙাইজৈ। কৃষ্ণ চরণদা লৈজবা ভক্তিগী মুংঙাইবা কংজবনা মাখোয়গী মথরাইনি। প্রেমবু কনা খাদনা সাধন তৌজবা অদুদা মথৌ ওইজে। মাখোয়না কাউজবা অসি মপোক মপোক থুদিংদা অমসুং হনজী মপোক অনিদা তৌজরকপগী মহৈ ওইনা মাখোয়গী থম্মোইদা লৈ। তৌজরকপগী মহৈ অসিনু রতি কৌই। রতিগী মশক্না মুংঙাইবনি। রতি অসিনা রসদা ওন্থরকই। স্থায়ী ভাবনা রতিগী রসতা ওন্থরকপগী পোংং ভাবতি বিভাব, অনুভাব অমসুং সঞ্চারীনি। ভক্তিগী বিভাব শ্রীকৃষ্ণনা 5বনি; অনুভাবনা তুজুংবনচিংবা অমসুং নোকপা মিৎকম চোংদবা; সঞ্চারী ভাবনা থোঙ্গবা, হরাওবা অসিনচিংবা ভক্তগী কাউজবগী লম্বীদা মাখোয় অসিনা থুংলরবদা রতিনা লেংত্রবা কুংনা মুংঙাইরবা রসদা ওন্থরকই। অডকপা অসিগী অরোইবা ওমথৈ রসদদা কংই। ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়বা পুরুষার্থ মরি হায়বদি মীওইবগী তাঙ্গকম থোক্লিবা মরি অসিগী রাংমদা মঙা-ঙবা পুরুষার্থদি কৃষ্ণপ্রেম লনি—'পঞ্চম পুরুষার্থ এই কৃষ্ণ প্রেমধন'।

তাও সনাতন ওপচিল্লগা পুমথোই থোইবা মা হায়গে নপুক্কিং কাইগনু —

'কুবুদ্ধি ছাড়িযা কর শ্রবণ কীর্ত্তন।
অচিরাতে পাবে তবে কৃষ্ণের চরণ ॥
যেই ভজে সেই বড়, অভক্ত হীন ছার।
কৃষ্ণ-ভজনে নাহি জাতি কুলাদি বিচার ॥
ভজনের মধ্যে শ্রেষ্ট নববিধ ভক্তি ॥
তার মধ্যে সর্ব্বশ্রেষ্ট নাম সঙ্কীর্ত্তন।
নিরপরাধে নাম হৈতে হয় প্রেমধন ॥

শকউ শোল্লু রাথল কত্তবা থাহ্না।
অহুতমা কংজগনি কৃষ্ণ খুমা থুনা ॥
ঙনীংবনা চাউই ভক্ত নত্তবা উৎনি।
কৃষ্ণ নীংবা শাগৈ জাৎ ব'রেপ চ'দবনি ॥
নীংবগী অথোইবনা নববিধ ভক্তি।
কৃষ্ণ প্রেম পীবা কৃষ্ণ কৌই মহাশক্তি ॥
পুন্হগী নাম সঙ্কীর্ত্তন্না পুমহৈগি।
কৌনমদবা নামদা কংবা প্রেমলম্মি ॥

সনাতন নং চৎলো, মথুরাগী লুপথ্রবা তীর্থ শং খিদোকউরো। বৃন্দাবন্দা শন্দোক্লরো কৃষ্ণ সেব', বৈষ্ণব লাচৎ অমসুং ভক্তিস্মৃতি-শাস্ত্র। কংলবা বৈরাগ্য থাদোক্লগা যুক্ত-বৈরাগ্য চৎহন্দুনা মাহ্নগী মর্য্যদা ঙাকহল্লু। করিগুম্বা পামশিনবা মপুক্তা যাওদনা লল থুম শিজিন্নবা, মাগী মপুক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা পুক্কিং চজবা পোকপা অহুবু যুক্ত-বৈরাগ্য কৌই। মাখোয়বু ভগবান্না অহুম য়োকপী থাকপী। ললদা ঙাওরবা মমিৎ তাংলবা ভক্ত নত্তববু সেবা তৌরুবা কাম্নবা অমতা লৈতে।

'এইরস-আস্বাদ নাহি অভক্তের গণে।
কৃষ্ণ ভক্তগণ করে রস-আস্বাদনে ॥'
রসসি মহাক্ফংদে ভক্ত নত্তবশিংনা।
কৃষ্ণ ভক্তশিংগীনি রস চুপচবনা ॥

শাস্ত্রনা য়ারবা বারেপ পূম্নমক খংলেদনকো সনাতন।

'প্রভু মংরেপ্পা ময়াম ঐঙোন্দা তম্বীরিবা ব্রহ্মানন্দ খংবা নত্তে।'

সনাতন্না চত্থকই প্রভুগী চরণ প'য়হনা 'অতেংনবদা পোক্নগা, অত্তোনবা সেবা তৌবা প'পী ঐনি. ঐগী কম্রি য়াওহ্রবা থম্মোই অসিনা পীবিম্রিবা অমৃত ঈপাক শোকপা ভমবদি লাইরহুনা মরিক অমা কাওবা কংবা ভমগদবা নত্তে। খেংহেকপবু জগোই শাহনগে হায়রদি ইকোক্তা নখোং থম্বিহনা বম্র পীনবিয়ু।' প্রভুনা মংকোক পায়হুনা বম্র পীবিরে—'নংঙোন্দা পূম্নক ভ'নবা ওইরসম্নু' হায়না।

আত্মারাম ওইরবশিং, মায়াদগী নাম্থোকপ্রবশিং মাখোয়সু ঈশ্বর নীংই—ঈশ্বরনা চীংশিনবসি অস্থক কম্রি। সংসারগী অপুনবা পূম্বদগী নাম্থোকপ্রবশিংগী ঈশ্বর নীংবগী কান্নবা কম্রি লৈরি ? অহবু ঈশ্বরনা চীংশিনবা কয়া কনবগে হায়রবনু মাম্নাগী ন্না চংন্নবা বেদগী শাস্ত্রগী বিধি অপুনবা পূম্বা থাম্নবা মুনিশিংসু ঈশ্বরদা মরম লৈতবা ভক্তি তৌই।

শ্রীমদ্ভাগবত ১।৭।১০ দা

আত্মারামাশ্চ মুনয়ো নির্গ্রন্থা অপ্যুরুক্রমে।
কুর্ব্বন্ত্যহৈতুকীং ভক্তিমিত্থম্ভূতগুণো হরিঃ॥

মাখোয়গী থম্মোইদা মোংগোবা, অপাম্বা লৈত্রবা অমম্নুং আত্মাগী নুং-ঙাইববগী স্বান্দা লুপ্পবা মুনিশিং অহম্নু মায়থিবা পীডনত্রবা শ্রীকৃষ্ণবু নিষ্কাম ভক্তি তৌই —শ্রীভগবান্গী গুণ হায়বদি অসিনি।

'প্রভু, নহাক্না আত্মারাম শ্লোকী ব্যাখ্যা সার্ব্বভৌমদা তম্বা-

নিপাল থোক্না তৌখিবা ঐঙোন্দমু থরদং তাহনবিয়ু 'হায়না সনাতন্না হায়খ্রে। প্রভুনা হন্দ্মাথোই থোক্না তৌবিরে।

আত্মাগী অর্থ—ব্রহ্ম, দেহ (হকচাং), মন, স্বভাব (মচৎ) ধৃতি (অথাংকনবা) বুদ্ধি, যত্ন (চেকশিনবা) তরেৎ অসিনি। তরেৎ অসিদা নুংঙাইবা মাহাক আত্মারামনি। মুনিনা—রাথল লৈবা, মৌনী ওইবা, তপস্বী লাইথিনিংবা, ব্রতী (ব্রহ্মচারীনচিংবা নিয়ম ঙাকপা), যতি (সন্ন্যসী) ঋষি, মুনি তরেৎ আসিবু খংহল্লে। নিগ্রন্থ—গ্রন্থিহীন অহঙ্কার-'থোঙবা চাউথোকপা য়াওদবা), —অবিদ্যা (মায়) চংদবা, শাস্ত্রনা থীংবা লৌদবা, অপংবা শস্ত্র জ্ঞানগী মপান্দা লৈব অতো-নবা, শল খোমজিনবা, মরম অমত্তা লৈতবে—বু খংই। অদুগা উরুক্রমনা অচৌবা খোংথাংবু থংহল্লি।—মাহাক্না শিন থুনা লৈদুনা পাঙ্গলনা পূন্নমকপু পায়রি অমসুং ঙাকই মাধুর্য্য শক্তিনা গোলোক, ঐশ্বর্য্যনা পরব্যোম অদুগা মায়াশক্তিনা ব্রহ্মাণ্ডনচিংবা নিংথিনা শেল্মি। উরুক্রম্না অর্থশিং অসি থোকহল্লে। মাগী খোংথাংদা মরোল অদুম নিকহনখিবা বিষ্ণুনি। অহৈতুকীগী অর্থনা ওহারবনা কৃষ্ণসেবা নত্তবা অতোপ্পা অপাম্বা য়াওদবা ভুক্তি, মুক্তি সিদ্ধ পাম্মুদনা কৃষ্ণসেবা তৌবা মাগী ভক্তি অদু অহৈতুকীনি। হেতু—মরম হায়বদি করিগুম্বা মহুৎ অমা পামদববু খনৈ। নাসিনা নুংঙাইবগী মশক ওইরবা শক্তি পূন্নমক্কী মপু শ্রীকৃষ্ণবু খুদুমচল্লে মাহাক সর্ব্বশক্তিমান—শক্তি পূন্নমক্কী মপুনি নত্রবদবু করম্না মহাক ভক্তগী মফমদা মথা পোনবা য়াগনি।

কৃষ্ণগী রা করি অমুক হায়গনি? মাহাক্কী মমাংদা ব্রহ্মাদা নুংঙাইবা নাপীগুম্বনি—'যার আগে ব্রহ্মানন্দ তৃণপ্রায় হয়।' মাহাক পূন্নমকপু চীংশিনবা, পূন্নমকপু নুংঙাইহনবা মমল নাইত্রবা হিদাক্নি। মশা নত্তনা অতৈ পূন্নমকপু, জগৎসংসারবু পুমকাউ কাউহল্লি।

অদুগা মানা মশাগী মাধুর্য্যনা মশাগী পুক্কিং হুরাল্লি—'আপন মাধুর্য্যে হরে আপন মন।' কৃষ্ণগী গুণ হায়বনা করি? সচ্চিদানন্দনা য়োম্বা ঐশ্বর্য্য, মাধুর্য্য, থৌজাল, ভক্তবু অাস য়ৌনা চাল্লি—মশা কাওবা দান তৌথোকই। তৌথোকপা অদুদা চিংনবা কন্নিমতা লৈতে। তুলসী মনা অমগা ঈশিং মরিক অমগী মহুৎ মানা শিংবা ওমজদে ভক্তদা। ভক্তগী লম্মন শিংবা ওমদহুন মশাবু ভক্তদা য়োম্হোকই।

অমুক্তা শমজিন্না হায়রবদা কৃষ্ণগী অসিগুম্বা মনম অসিনা সনক সনাতনখোইবু চীংশিল্লি, কৃষ্ণলীলা তাবদনা শুকদেব নির্গুণ ব্রহ্মনা অরোইবা ওইনা লৈরবা মহাকস্থু ভাগবত তমখি। ভাগবত হায়বা অসিদি কৃষ্ণরাগী, তত্ত্বগী ভোল্লবা থাউমৈনি। ব্রহ্ম-মুংঙাইবদা লুপ্লবা ওইরবসু কৃষ্ণ-মাধুর্য্য রসদা পুক্কিং হকচাং পুন্না লুপ্তবা ওমদে।

ভুক্তি, সিদ্ধি অমসুং মুক্তি মরু ওইরিবা মথল অহুম অসিনি। ভুক্তিনা স্বর্গনাচংবা নুঙাই য়াইকবা অহুবু ভোগ তৌবা (চাবা) বু থংই। সিদ্ধিনা তৱানিপাম্নি অদুগা মুক্তিনা মথল মঙানি। হায়রিবা মাখোযশিং অসি য়াশত্রবা ভক্তি অদু অহৈতুকীনি। অসিতদা—অহুম ওইরবতদা মুঙাংবনা মপুম ওইনা থিল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু খুদুম চাল্লি। ভক্তিগী অর্থনা তন্না থোক্কই। সাধনভক্তিনা অমতনি অদুগা প্রেমভক্তিনা মথল মাপাম্নি। শান্তভক্তগী রতিনা প্রেম-কাওবা য়োই, দাস ভক্তগী রতিনা রাগনা লোইবা কাওব, সখা ভক্তগীনা অনুরাগ কাওবা, মপা মমাগী মুংশি মুংঙানবগী রতিনা অনুরাগ লোইবা কাওবা, অমসুং কান্তাশিংগী রতিনা মহাভাবনা ওমথৈনি। [রামানন্দ সঙ্গ মতাংদা চৈতন্য চরিতমৃতদা হায়।

প্রভু কহে এহোত্তম আগে কহ আর।
রায় কহে কান্তা প্রেম সর্ব্বসাধ্য সার॥

অহেৱনি অসি মথা চথৌ হায় প্রভুনা ।
কান্তা প্রেম সাধ্য মকোক্নি হায় রায়না ॥

প্রভু কহে এই সাধ্যাবধি সুনিশ্চয় ।
কৃপা করি কহ যদি আগে কিছু হয় ॥
সাধ্য ওমথৈনি অসিনা হায় প্রভুনা ।
মথা অতৈ লৈরবা হায়রু চাম্বিত্নগা ॥

অতুনা কান্ত প্রেম্না খ্বাইদগী মকোক্নি হায়বা রামানন্দনা মথং হায়রকপদা প্রভুনা অসুম্না য়াবিপ্রবনি। রামানন্দনা প্রভুদা হায়খিবা অমসুং প্রভুনা চুম্মি লৌপ্রবস্থ মকম অসিদা মনাই সনাতন্দা তাকপদা য়াওরক্নি। কান্তা প্রেমগী মথক অমা লৈতে অমসুং মাসিনা প্রেমগী ওমথৈনি হায়না উৎপীরি।] ভক্তি শব্দগী মগুণ তারে। 'ইথম্ভূত গুণ' শব্দগী ব্যাখ্যা তারো 'ইথং'গী অতোপ্পা অর্থ অমনা গুণ শব্দনি। অতুগা 'ইথম্ভূত' শব্দগী অর্থনা 'পূর্ণানন্দময়' —সুংঙাইবা পূন্নমক ওইবা অতুনি, অতুনা মাহাক্কী মমাংদা 'ব্রহ্মানন্দ' ব্রহ্মদা সুংঙাইবা নাপীগুম্বনি—'যার আগে ব্রহ্মানন্দ তৃণপ্রায়'।

পূন্নমকপু চোংশিনবা, পূন্নমকপু নুংঙাইহনবা, হিদাক পূন্নমক্কী অথোইবা মাহাক্কী মতিক। পূন্নমকপু কাউহল্লে। মাগী মনম অসি কংবদা ভুক্তি, মুক্তি, সিদ্ধিগী সুংঙাইবা তাম্লোকখি। থংডমত্রবা শক্তি অসিগী গুণ অসিনা কৃষ্ণ কৃপাদা পুনবি। মাসি শাস্ত্রগী লৈনবদগী নত্তে, যুক্তি নত্তে, সিদ্ধান্ত নত্তে—বিচারনি, প্রমাণ ওইরবনি হায়না লৌনরবনি। মওং অসিগী গুণনা মাধুর্য্যগী মচানি। 'গুণ' শব্দগী অর্থনা থংহল্লিবদি কৃষ্ণগী গুণ মপাল নাইদে হায়রবনি। সচ্চিদানন্দগী মূর্ত্তি সুংঙাইবা পুম্বনা থনবনি। ঐশ্বর্য্য (মতিক মঙন), মাধুর্য্য (অথুম্বা) কারুণ্য (থৌজালনিবা) মূর্ত্তিমা মপুংফানা লৈবনি। ভক্ত-বাৎসল্য —ভক্তবু চানবনা মশা কাওবা পীথোকই। মাগী থাডমত্রবা শক, গুণ, রস সুংশিবা মনম্না অমনা ওইরবস্থ অমনা ওইরবস্থ

মীগী থম্মোই চাংশিল্লি। সনক, সনাতনমচিংবশিংগী মপুক মনম্মচিংবা গুণনা হুরাল্লি।

শ্রীমদ্ভাগবতে— ৩। ১৫। ৪৩

তস্যারবিন্দনয়নস্য পদারবিন্দকিঞ্জল্কমিশ্রতুলসী মকরন্দবায়ুঃ। অন্তর্গতঃ স্ববিবরেণ চকার তেষাং সংক্ষোভমক্ষরজুষামপি চিত্ততন্বোঃ॥
—থম্বাল মিংকম্না ওইবা মাহাক্কী মখোং থম্বালগী উফুলগা তুলসী মনাগী মুংশিরবা মনমগা তিন্নরবা মেংনা থুম্নবা মনম পুবা মুংশিংনা মনাতোন্দা য়ৈরবদা ব্রহ্মদা, মুংঙাইহুনা লুপ্নবা মাখোয়গীসু হুরাও তুজুং কাউই। শুকদেবগী মপুকপুনা লীলা তাবদা হুরাল্লি।

২। ১। ৯ দনা—

পরিনিষ্ঠিতোঽপি নৈর্গুণ্যে উত্তমশ্লোকলীলয়া।
গৃহীতচেতা রাজর্ষে আখ্যানং যদধীতবান্॥

নিগুর্ণ ব্রহ্মদা ঐগী পুক্নিং লুপচবনি, অদুবু রাজর্ষি।
কৃষ্ণগী লীলানা চিংশিন্দুনা ভাগবতকী রাশিং তম্বনি।

অসুম্না মাগী গুণ অমমম্না চাংশিল্লি— মাগী অঙ্গগী ফজবনা গোপী পুক্নিং হুরাল্লি। মশক মমিং তাবদগী রুক্মিণীখোই চাংশিল্লি। বাঁশি মখোলনা, মাগী রূপনা লক্ষ্মীশিং অমসুং জগৎকী মুপী পুম্বগী থম্মোই চাংশিল্লি। গোপীশিংনা হায়—নাদা কুণ্ডল অদুগী অরংবনা নংগী খজাই ঙাংহল্লি। নচিন্দগী খোইহি, মিৎযেংদনা মোমোন, অলক্তনা হায়বদি মায়গী নাকল অনিদা খোই খোইবা শম মচা মচানা কোইশিনবনা মায়থোংনি। নংগী পাম্বোম অনিদা অকীবা মাংকল্লি। লক্ষ্মীগী শাল্লজকম্না নিংথিরবা নংগী থবাক্নি। ময়াম অসি উরু উরুবদা ঐখোয় নংগী ননাই ওইরে।— রুক্মিণীনা হায়— হে মরোল অহুমগী ফজবা! নংগী গুণগী রা তাবদা, নংগী রূপকী রা তাবদা ঐগী থম্মোই নঙোন্দা লুপখ্রে। নংগী গুণগী রা তারগা নাদা চংথিহুনা

থম্মোইহুন্দা য়ৈক্লরগা অরা অনা পূম্বা মাংহল্লি। নংবু য়েংজবা ফংবনা মিংনা নংগী শক উবদা ফংদবা হায়রবা করিমতা লৈতে। হে কৃষ্ণ! ত্রিভুবনদা করম্বা মুপী লৈরিবগে—নংগী অথুম্বগী মশক ওইবা, অমৃত-ঔরিগুবা বাঁশিগী মখোল তাবদা কুম্মাংথিহুনা কুলধর্ম্মবু থোঙাও-নবো দা! মংগোয়তা নত্তে, শা, ষর্ণ, উপি রারি, উচেক রাম্বা কাওবা নকা লাম্ম কই; অসুম্না গুকগী শকক্ম ওইরবী মুপীশিংবু বাৎসল্য প্রেম্না চাংশিল্লি। দাস্য, সখ্যনচিংবা মুপাশিংবু অমসুং অচৎ-চন্তু, লেংঙি পাল্লিবা পূম্নমকপু প্রেমদা তাওহল্লুনা কৃষ্ণগুণনা চাংশিল্লি। অমুকসু মুন্না য়েংউ—ব্রহ্মাগী মচা মরি সনক, সনন্দ, সনাতন অমসুং সনৎকুমার মাখোয় জ্ঞানীভক্তনি, ধ্যানদা, আত্মজ্ঞানদা মুংঙাইথ্রবনি, ব্রহ্মাদা য়ুংথ্রবনি, দিগম্বরনি; অদুগা শুকদেব পোকপগা হারেপ কাহুনা দিগম্বর ওইনা হাবদি মায়কৈ ফিজেৎনহুনা সংসারনা মাবু পুনবা ঙমহিদ্রবা অকম্ন ব্রহ্মচারী—পোকপদগী ব্রহ্ম-চারী ওইথ্রবা, ব্রহ্মগী মুংঙাইবদা পুম্না লুপথ্রবা অত্মারাম ওইরবসু, মশাগী মুংঙাইবদা চিক্না মুংঙাইজবা ওইববসু কৃষ্ণগী রানা মুংঙাইবা ওইনা মবুক্তা মাহাক ফংখি। অহুনা মরম ওইহুনা শ্রীমদ্ভাগবত শ্রীকৃষ্ণগী রূপ অমসুং তত্ত্বনা থল্লবা মেল্লবা থাটৈগী মশক ভাগবত তমখি। অহুনা মাগী মনম অসিবু কংজবরশিংনা তুমিন্না লৈথোকপা ঙমদে। অসিগুম্বা ব্যাসদেবগী মচা অসিনা রাজর্ষি পরিক্ষীৎতা শ্রীমদ্ভাগবত তাহনখি।

[সনক, সনন্দ, সনাতন অমসুং সনৎকুমার কৌবা মুনি মরি অসিবু ব্রহ্মাগী মানস পুত্র (পুক্নিংগী মচা) কৌই। মাখোয় মতম পুম্বদা অঙাং ওইবা, মুনি অমসুং জ্ঞানীভক্তনি। মাখোয় অসিবু চতুঃসন হায়না থংনৈ। মীওইবগী ধাম অসিদগী রাংথৎনা লৈবা তপোলোক হায়রবা ধাম অদুদা মাখোয় লৈ। মাখোয় মচিন মনাও

মরিমক আত্মারাম (মীচং সঙন লৈতবা, অপাম্বা য়াওদবা) অমসুং আপ্তকাম (মুক্ত ওইরবা, লাল্লবা) শিংগী আচার্য্যনি।

মাখোয় ব্রহ্মচারী, ধ্যান্দা লুপ্পা, মঙাল মপুল ওইবা দিগম্বর (ফিশেত্তবা, মায়কৈ যিঙ্গেৎনবা)নি অমসুং চহি ৫/৬ কী মীৎংদা (বয়সতা) মতম পূম্নমক্তা লৈ। মাখোয়না লৈবা তপোলোক অসি য়াম্না সুংঙাইবা নৈষ্টিক (মপুক্সিচুপ্পা) ব্রহ্মচারিশিংনা তাঙরিবা মফম্নি।]

'হরি'শব্দগী অর্থ য়াম্মি। মরুওইবা অমনি। অমঙল—লাইবক থিনিংঙাই ওইবা পূম্নমকপু হন্দোকথ্রগা, মাংহনথ্রগা মফম অদুদা প্রেম পুরক্পনা হাপ্পিরবা হরিগী অর্থনি। মফম, মতম লৈতে অমসুং চংদে, নীংলগা লোইরে, মাবু কাউত্রগা লোইরে—যৈচ্ছে তৈছে যোই কোই করয়ে স্মরণ'।

তথাহি শ্রীমদ্ভাগবতে ১১।১৪।১৯ শ্লোকঃ—

যথাগ্নিঃ সুসমৃদ্ধার্চ্চঃ করোত্যেধাংসি ভস্মসাৎ।
তথামদ্বিষয়া ভক্তিরুদ্ধবৈনাংসি কৃৎস্নশঃ॥

হে উদ্ধব! মৈগী মৈরিনা বম্না চাকথৎলক্লগা উশিংবু উৎ ওংহন্বগুম ভগবদভক্তিদা পাপ পূম্নমক অহুম্না উৎ ওল্লি।

অস্নম্না নীংজরিবা, শোঙরিবা মাহাক অহুগী পাপ অহুম মাংখি, প্রেম পোক্লকই প্রেম পোক্লকপনা মরু ওইবা মুখ্য মহিনি অহুগা পাপ মাংখিবদি মরু ওইবা মহৈ নত্তে মশানা ইশ্বরকপনি। কম্না চাকপা মৈনা শিং উবু উৎ তাহনবগুম হরিভক্তিনা পাপ পূম্না তুম্না চাকখি।

'ভক্তি বিনু কোন সাধন দিতে নারে ফল।
সব ফল দেয় ভক্তি স্বতন্ত্র প্রবল॥'

ভক্তি নত্তবা সাধন ভমদে মহৈ পীবা।
ভক্তিনা মতোম পাঙম্না পী মহৈ পূম্বা।

সাধন অতৈনা হামেংগী মঙক-থোম্না মঙোম পীদবগুন, মহৈ

পীবা ওমদে। অদুনা অশিংবা মীনা হন্নিবু নীংই। শ্রীমদ্ভাগবত কী রা ২।৩।১০ দা হায়রবা—মশাদা অপান্বা অমতা য়াওত্রবা ভক্ত, পুন্নমক পান্বা মী মাহাক অমস্তুং অয়ান থুবম পান্নিবা মী অদুনা অশিংবা ওইরবদি পুন্নমক থাদোকুনা থোইদোক হেন্দোকপা মুপা অদুবু নীংবদা মপুক লুপকদবনি হায়রবগী রাকম কাওরোইদবনি। [মথক্তা ভাঃ শ্লোক ২।৩।১০ অর্থ হন্দোকপগী কোমনা য়াওত্রে।]

মথা হায়রগে তারো সনাতন ! কনা কনানা অমদি করম্বা মীওংনা লাইবু নীংই!—থুদোং থিরবা,নায়রবা, রায়রবা মীঃ লল পান্বা মী; জ্ঞানী মশা মশক খংলবা মী অমস্তুং তত্ত্ব জ্ঞান পান্বা মী মাখোয় মথল মরি অসিগী—মীনা ঈশ্বর নীংই। অরা অনা কুংলগা অমস্তুং লল থুম পান্নগা নীংইবা মাখোয় সকামনি। জ্ঞানী অমস্তুং তত্ত্ব খংনিংবা শিংনা মোক্ষ পান্বশিংনি। মাখোয় মরি অসিনা মরায়বক য়াম্না ফবদগী মরোশিং লাকুনা মানা মানা পান্নিবা অদু থাদোকুনা ভক্তি ফংজনবগী নীংলক্লগা নিষ্কাম ভক্ত ওইরকই। অদুদি মাসি করম্না লাকদগে হায়রবদু সাধুসঙ্গগী কৃপা নত্রগা কৃষ্ণগী কৃপাদগী ফত্রবা অপান্বা রাখলগী সঙ্গ থাদোকুনা নীংজরগা শেংলবা ভক্তি ফংজে।

ভগবৎগীতানা ৭।১৬ তা—

চতুর্ব্বিধা ভজন্তে মাং জনাঃ সুকৃতিনোঽর্জ্জুন।
আর্ত্তো জিজ্ঞাসুরর্থার্থী জ্ঞানী ভরতর্ষভ ॥

হে ভরত অখোইবা ! হে অর্জ্জুন ! পুন্য চেনবা
মথল মরিগী মীশিংনা ঐবু নীংই, মাখোয় অদুদি (১)
মশাদা নত্রগা মথরায়দা রায়রবা (২) মশা খংজনবা হংনিংবা
মী (৩) লল থুম পান্বা মী অমস্তুং (৪) জ্ঞানী।

অদুগা অমননে সনাতন, সাধু সঙ্গদগী,সাধুগী মচিন্দগী কৃষ্ণগী রা অমুক্তং তায়রবা মী অদুনা সাধুসঙ্গ থাদোকপা ওমদে। অদুম্না ভগবৎকী

রা তানিংবগী অনিংবা অপাম্বা লাক্লবা অহু ভক্তনি।—মাহুনা কদায়-দগী থোক্লকই, রংখৎলকই হায়বনা সাধু সঙ্গদগীনি।

দুঃসঙ্গ— কত্তবা সঙ্গনা কৃষ্ণ ভক্তিদা অকায়বা অথিংবা পী মরম অসিনা অসিবু কৈতব—লৌনম, তৌশিন্নবা কৌই। অহুনা মওং অসিদি মশাবু মীনমজবনি। অমনা অমুক কৃষ্ণ নত্তবা অতৈবু পাম্বা অহুনা কত্তবা সঙ্গনি। লৌনম তৌশিন্নববু য়াওহল্লবদি ধর্ম্ম হায়বা অহু অহুম ওইরে! করিনা সাধুসঙ্গ, কৃষ্ণকৃপা অহুগা ভক্তিনা পূম্নমক থাদোকহল্লগা কৃষ্ণভাব পোকহল্লি,—কৃষ্ণদা অনুরাগ লাকই। মরম অসিনা কৃষ্ণভাব অমদি ভক্তি লাক্লবগী উপায়বু মওং অসিত্তনি, অসিনা থোকহনবনি। মপোক কম্না শকপা, তাবা সাধন তৌবনা কৃষ্ণগী প্রেমধন—প্রেমগী লল ফংবা ঙমদে। অহুনা অপাম্বা মীহৌবা অমসুং কত্তবা সঙ্গ লৈরিবমথৈদি—প্রেম ফংঙোই, কৃষ্ণভাব লাক্লোই। মথক্তা হায়খিবগুম কৃষ্ণকৃপা নত্রগা সাধুকৃপানা পূম্নমক লৌথোকপীগ্রবদা থম্মোইদা ভক্তিনা ঙাক্লে।

'কৃষ্ণ বহির্ম্মুখ দোষে মায়া হৈতে ভয়।
কৃষ্ণোন্মুখ ভক্তি হৈতে মায়া মুক্ত হয়॥'

কৃষ্ণদা ওনশিন্দবা দোষনা মায়া কী।
মায়া মাংখি কৃষ্ণদা লৈশিনবা ভক্তিদগী॥

য়েংউ, অহুনা মায়াগী মথুত্তগী কন্নবগী শোয়ত্রবা উপায়বু কৃষ্ণভক্তি-তনি। কৃষ্ণদা ভক্তিনা মাহাক্কী ওইবা, মাহাক অহুনা মায়াবু কীরদে—মাহাক্তি লৈ হায়বা কাওবা থল্লুবা নত্তে। অমনা অমুক—

ভক্তি বিনা মুক্তি নাহি ভক্ত্যে মুক্তি হয়।
ভক্ত্যে মুক্তি পাইলে হো অবশ্য কৃষ্ণেরে ভজয়॥

ভক্তি রাৎপা মুক্তি ফংদে মুক্তি পী ভক্তিনা।
ভক্তিনা মুক্তি ফংলম্নু কৃষ্ণ নীংই শোয়দনা॥

ভক্তিনা শৌবা ওস্বদি তাও, সনাতন— ব্রহ্ম ফংজগ্রবা মাহাক অহুবু ব্রহ্ম অহুবু থাদোকহন্দুনা জ্ঞাম্না ওাল্হন্দুনা কৃষ্ণবু নীংহল্লি। কৃষ্ণ কৃপাদগী শুদ্ধভক্তি—শেংলবা, চুমথোক্লবা ভক্তি ফংজরবা ভক্তগী শেংলবা, মক্তবা থম্মোইনা মবুড়েঙা নীংজবদগী হেম্না মুংঙাইবা করিমতা লৈতে। অতোপ্পা অপাম্বা, মীহোৌবা অতৈ লৈত্রবনা মানা নীংজরিবা শেংলবনি—মোত্রবনি, তাংথক নাইত্রবনি। মরমদি—

কৃষ্ণভক্ত দুঃখহীন বাঞ্ছান্তরহীন।
'কৃষ্ণপ্রেম সেবা পূর্ণানন্দ প্রবীন।
কৃষ্ণভক্ত রাদে শংজদে অতৈ পায়ব।।
কৃষ্ণপ্রেম সেবাদা পুম্না লৈ গুংঙাইবা।।

মথং মথং প্রভুনা শ্লোককী অর্থ অমস্তুং ব্যখা হুম্ফু মাথোই থোক্লা তৌরে। অর্থ হল্ল হল্লগ ভক্তিনা মচনি তাকপী। কনাগুম্বা মপোক কয়াদা কগ্রবা মরায়বক্তগী ভগবত কৃপানবু ওইরবস্থ, সাধুসঙ্গনবু ওইরবস্থ ভক্তি ফংজরবা মরো লৈত্রবা, অতিংবা ভক্তিনা কৃষ্ণতবু নীংজে। লৌশিংনা, ব্যাখ্যানা ভাগবতকী অর্থ থোকপা নত্তে, ভক্তি লৈরবতদা থংবা ওস্মি—ভক্ত্যা ভাগবতং গ্রাহ্যং ন বুদ্ধ্যা ন চ টীকয়া'—অসিগুম্বা ভক্তিনি, ভক্তিগী গুণনি।

সনাতন প্রভুগী চরণ কোল্লহুনা স্তুতি তৌরক্লে। প্রভু, নং ঈশ্বর অশেংবহুমাক্ল। নংনি ব্রজেন্দ্রনন্দন অদো। নংনা স্বয় হোন্দোকপদগীনি বেদশিং পোকখ্রিবা। খাইদগী রাংঙাং হৈবা নহাক্লি, ভাগবতকী অশেংবা অর্থ থংবা নংতনি, অতৈ কনানা থংবা নত্তে— 'তোমা বিনু অন্য জানিতে নাহিক সমর্থ।' প্রভুনা হায়রকই 'ঐবু অহুম খুকম্বগী মহুত্তা ভাগবত মশক থংনবা লাক্লো। ভাগবত কৃষ্ণগী মশক পূম্নমক্কী চংজফম্নি—জগৎ সংসারদা শিন্থুংনা লৈম্নিবনি। মাগী শ্লোক খুদিংনা, রাহৈ খুদিংনা,ময়েক খুদিংনা অর্থ কয়া উংলি।'

শ্রীমদ্ভাগবতে ১। ৩। ৪৫ —

কৃষ্ণে স্বধামোপগতে ধর্ম্মজ্ঞানাদিভিঃ সহ।
কলৌ নষ্টদৃশামেষ পুরাণার্কোঽধুনোদিতঃ ॥

ধর্ম্ম জ্ঞানচিংবা পুন্থনা শ্রীকৃষ্ণনা মাহাক্কী ধামদা হনখ্রবদা
কলি যুগকী মমিৎ তাংলবা জীবগী দমক পুরাণ
(শ্রীমদ্ভাগবত) গী মশক ওইনা হৌজিক থুমিৎনা থোক্লে।

সনাতন,—ভাগবতনা কৃষ্ণ মহুৎ শিলহৌরবনি। হোয়দা ঐগী য়া কনানা লৌবিনি মীনা হায়নগদৌরিবদি অঙাওবগী চোইরোলনি, করি অমা ওইনিংঙাই লৈ! চুপ্মি ঐ অঙাওবনি। ঙাওরবস্থ প্রভুনা নোক্লুনা হায়রকই—'কৃষ্ণ প্রেমদা ঙাওরিবনি। অদুগনে কৃষ্ণনা মাহাক্কী ধামদা হনখ্রবস্থ মাগী নামদি মাহাক্কী মরোলশিংগা কোয়নুনা শ্রীভাগবতা লৈহৌরবনি—ভাগবতনা কৃষ্ণ ওইহৌরবনি। কৃষ্ণগা কৃষ্ণগী নামগা খেন্নদবনি।' হরিভক্তিবিলাসকী ১১। ২৬৯ নম্বু হায়—

নাম চিন্তামণিঃ কৃষ্ণশ্চৈতন্য রস বিগ্রহঃ।
পূর্ণঃ শুদ্ধো নিত্যমুক্তোঽভিন্নত্বান্নামনামিনোঃ।—

—মিংগা মিং অদু থোল্লিবা অদুগা খেন্নদে, অনিমক অমতনি। অস্থুন্না কৃষ্ণগা নামগা খেন্নদে। অনিমক চিন্তামণিগুম অইংবা পুম্বা পীই। অনিমক মপুং ফাবনি, শেংলবনি, মতম পুম্নমক্তা মনিংতম্বনি। খুৎ চনবা য়াদে মায়াগী মনম য়াওদবনি। অনিমক সুংঙাইবা, জ্ঞান্না থল্লবা রসগী মশক্লি।

সনাতন্না প্রভুদা হঙ্গৎলকই—ঐবু বৈষ্ণব স্মৃতি শন্দোকউদি তাকপীরে, ঐদি তোল্লবনি, লমচৎ নাইদবনি, হক লৈতবা মীনি— ঐঙোন্দা শিন্নবিরিবা ইথৌ অসি কয়ন্না পাংথোক্কদবনো, ভাবনা লাম্বা য়ানা থোক্লে। অস্থুন্না নোঙ্গা হঙ্গৎলগা চথরকই 'অদুবু ঐনা

তৌজগদবা সূত্র ওইনা থম্না তাকপীরবদি হোংবজগে।' প্রভুনা সনাতন নং কৱিস্থু থল্লুহু। নংনা পাম্বা চংগববা কৃষ্ণনা অতুম পীবিরকনি—জ্ঞান, বুদ্ধি, ভাব, সূত্র অটৈ কৱি কৱি নংনা চংগদবা পূরবক'—তাকপীরে।

'প্রভু কহে যে করিতে করিবে তুমি মন।
কৃষ্ণ সেই সেই তোমা করায়ে স্ফুরণ॥'
প্রভুনা হায় তৌগে লেপ্পা তৌনিংবা নংনা।
কৃষ্ণ অহু অহু পীনি নংবু ঙাম্বিহনা॥

'অহুবু লম্বী উৎনবা সূত্র থরদং হায়গে নং তাশিল্লু। চংদবা য়াত্রবা অহানবা পোৎচং গুরুনি। ভজন, সাধন গুরুদা চংজরগা হোৎন-জবনা মরুনি। গুরু মশক থনগনি। কৱি কৱিনা গুরুগী লক্ষণ ওইরগা দীক্ষাগুরু ওইনি শংগদবনি। অপাম মীহো লৈতবা, মাগী মচত্তা অমুবা মমি তাদবা, লাইরিক হৈবা, কৃষ্ণ নীংবা, নুংশি হৈবা গুরু ওইগদবা মীশক্তী মরু ওইবা গুণনি। অহুগা গুরুতগী রা নত্তে শিষ্যগীসু মশক থংবা নিংথিনা চংই। মাহাক নোল্লুকনি, মচৎ কণনি অচুম্বা ঙাংগনি, গুরুদা শাস্ত্রদা শ্রদ্ধা—থাজবা লৈগনি, মীহো কৱাম্মোইদবনি। গুরুনসু শিষ্যনসু অমবু অমনা থনগনি। মন্ত্র ফংবদসু মন্ত্র অহুগী মগুণ থংনা লৌগনি, লৌবদা কাম্মে কামদে থনগনি। অপাম্বা ফংনিংবা লৈরবসু গুরুদা নীজগনি। লেংদনা লেপকদবা অমনা কৃষ্ণতনা নীংজনবা, সেবা তৌজনবা মশক্তি হায়বা অসিমনি। অসিশিং অসিবু লৈরবদা নংনা থংগকওইদবা কৱিসু লৈত্রে। দীক্ষা লৌগনি, অয়ুক্তী হৌনবী, আচমন, চিন শেংবা, চন্দন থিনবা, তুলসি হেকপা, কাইরোইদহনি; পরিক্রমা, দণ্ডবৎ তৌবা কায়রোইদবনি। ভাগবত তাগনি। নামগী গুণ থংগনি। নাম অপরাধ অমসুং সেবা অপরাধ থোকহল্লোই। বৈষ্ণব লক্ষণ

খংগনি। বৈষ্ণব নিন্দা তৌরোই। লাইদা কত্তবা চারোই, সাধুগী লক্ষণ য়েংগনি, সাধু সেবা অমসুং সাধুসঙ্গ তৌগনি, কত্তবা সঙ্গ থাদোকনি, শালগ্রাম মশক খংগনি--। পর্ব্বদিন ঙাকনি, বিদ্ধাদা তারগা মুমিৎ অহু থাদোক্নুনা তাদবা মুমিত্তা তৌগনি। [হৌরবা তিথিগা পুনবা তিথি বিদ্ধানি। বিদ্ধা তিথিদা চরা হেনবনচিংবা অথিংবনি—থাদোকদবনি। মাহু নত্তবা মথংগী মুমিত্তা পাংথোকনি।] নংনা লেয়শিং পুরাণগী রানা প্রমাণ তৌগনি। বৈষ্ণব আচার ঙাকনি। চৎনরিবা অকবা মচৎসু থাদোক্লোই—থরা অসি নঙোন্দা শয়া তাক্লবনি। নংনা ইবা হেক হৌবদা কৃষ্ণনা অহুম মঙাল পীবিরকনি—"যবে তুমি লিখিবে 'কৃষ্ণ' করাবে স্ফুরণ"। অহুগা তাও সনাতন চেকশিঙা ঐনা শিররিবা অসি — ঐগী লাইরবা ভক্তশিংনা শেগাইরবা কাম্বা অমসুং থুজার অকায়বা অমমমগনা উপায় ওইহুনা বৃন্দাবন্দা লাকচরবশিংবু য়োকপী থাকপীহুনা কোনবিয় নংনা, অহুগা ভক্তি পাউতাক পীবিয়।—

'কাথা করঙ্গিয়া মোর কাঙাল ভক্তগণ।
বৃন্দাবনে আইলে তার করিহ পালন॥'

কাম্বা থুজাইগা ঐগী নংলবা ভক্তশিংনা।
লাক্লগা বৃন্দাবন্দা মাথোয় য়োকপীয় নংনা॥

অসিবুনি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা শাংলবা মপাঙ্গোম তিংথোক্লহুনা চেঙ্গোক্লগা চেৎনা কোনখিবা। গৌড়গী নিংথৌ হুসেন সাহগী মকোক থংনা সভাগী লৈতেং ওইরম্বা সাকর মল্লিক-মন্ত্রি অথোইবা, মাগী মরল অথুম মান মর্য্যাদা অচাউরম পুমমক লাপ্পা হন্দোক্লম্গা লাইবককবী বৈরাগ্যলক্ষ্মীদা চংজখিবা অহু মাহাক অসিনি। মপান্দা উবদনা চৈরাক কল্লবা অৎধৃতকী মশক্ক মমুংদনা ঈশংনা থল্লবা লুরবা পুন্নিগী ঈশিংগুম ভক্তিরন্দনা থল্লবা মাহাক অহুনি। অসিবুন উবতদা কোনখিবা। অহুগা ভক্তগা ভগবান্গী মরি হায়রবু অসিনি।

ঐখোয়রু মাধবেন্দ্র পুরীগী মতৌ তমজহনা হায়জসি –

'অয়ি দীনদয়ার্দ্র নাথ হে মথুরানাথ কদাবলোক্যসে।

হৃদয়ং ত্বদলোককাতরং দয়িত ভ্রাম্যতি কিংকরোম্যহম্‌।'

হে তেংল্লববু চানবিবা। হে ইবুঙো। হে মথুরাগী মপু।

কদৌঙৈ নংবু উজনি? নংবু উদবদা ঐগী থম্মোই ঋারে।

হে থৌজাল হৈবা! ঐগী পুক্লিং লাংতক্লরে ঐ করি তৌনি।

ঐখোয়না কাউজরোইদবা কলিগী মন্ত্র অমনা –

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম্‌।

কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা॥

কলিদদি হরিনাম হরিনাম হরিনাম খক্তনি।

অসি নত্তবা গতি অমা লৈত্রে লৈত্রে লৈত্রে॥

হায়বদি– হরিনাম তাও, হরিনাম শোল্লু হরিনাম শকউ। কলিদা জ্ঞানযোগ নত্তে, কলিদা কর্ম্মযোগ নত্তে, কলিদা ভক্তিযোগ নত্তনা লম্বী অতোপ্পা অমা লৈতে।—অস্মুম্না অর্থ তৌবস্থ য়াওই।

অহুগা মাগী ভক্তগী মরল পুম্বা শা উচেক, চণ্ডাল কাওবা থাক্তনা য়েনবিরবা অমস্থুং মাহাক্কী মশক মতৌবু শ্রীপাদস্বরূপ গোস্বামিনা শৈহেক রাংনা শৈশক্লম্বা—

রাধা কৃষ্ণ প্রণয়বিকৃতিহ্লাদিনী শক্তিরস্মা—

দেকাত্মানাবপি ভুবি পুরা দেহভেদং গতৌ তৌ।

চৈতন্যাখ্যং প্রকটমধুনা তদ্দ্বয়ঞ্চৈক্যমাপ্তং

রাধাভাবদ্যুতিসুবলিতং নৌমি কৃষ্ণস্বরূপম্‌॥

—রাধাগী মশাক্ত কৃষ্ণ প্রেমনি, মাহাক্না কৃষ্ণগী হ্লাদিনীশক্তিনি। রাধা অমস্থুং কৃষ্ণ দেহ অনি নত্তে অহুবু মাখোয়না লীলাগী দমক্তা তোপ্পা তোপ্পা ওইবীরম্বি। হৌজিক অমুক মাখোয় অনি চৈতন্যদা অমতা ওইরে অমস্থুং চৈতন্যগী মশক ওইহনা পোকপীরবে। রাধাগী অঙৌবা মঙাল অনস্থুং কৃষ্ণপ্রেম লৌহনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা

অবতার তৌবিরমবা কৃষ্ণগী মশক ওইবা চৈতন্য অহুব্ খুরুমজরি হায়রম্বা শ্রীশ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবব্ ঐখোয়মু খুরুমজসি। মাহাক অহুদি করিগী লেংঙকপগে হায়বব্—

অনর্পিতচরীং চিরাৎ করুণাবতীর্ণঃ কলৌ
সমর্পয়িতুমুন্নতোজ্জলরসাং স্বভক্তিশি্রয়ম্।
হরিঃ পুরটসুন্দরদ্যুতিকদম্বসন্দীপিতঃ
সদা হৃদয়কন্দরে স্ফুরতু বঃ শচীনন্দনঃ॥

— রূপ গোস্বামি (বিদগ্ধ মাধব)।

মতম কুইনা পীরকখিত্রিবা হায়বদি করিগুম্বা মতমদা কনাদসু পীরক্তিবা অহুগুম্বা লংলবা হায়বদি মধুর রসনা থল্লবা মশাগী ওইজবা প্রেমগী লল য়েনবিগে হায়বগী দমক মুংশিবিহুনা কলি যুগতা ভাম্বোইবিরয়ে। সনাগী মপৈগুম্বা লংলবা মাহাক্তী হকচাংগী মঙালনি। অসিগুম্বা শচীগী মচানিপা হরিনা নখোয়গী থম্মোই গুহা-দা মতম পুম্নমক্তা মঙাল পীবিহুনা লৈসনু।

শ্রীমচ্চৈতন্য রূপায় তস্মৈ ভগবতে নমঃ।
যাৎ কারুণ্য প্রভাবেন পাষাণোপ্যেষ ন্ত্যতি॥
—সনাতন গোস্বামি

—ভগবান চৈতন্যব্ খুরুমজে। মাগী থৌজাল গুপনা ন্ংস্থ মথরায়দা মকা লায়া জগোই শাই।

প্রসিদ্ধ শ্রীরাধা গোবিন্দ দেব।
ভাগ্যচন্দ্র নরপতি কৃত পদ সেব।
জয় শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দজিগী জয়

-x—



